দাদা ভগৱান কথিত

# পাপ-পুণ্য

মীওই মপোক

লাই মপোক



নরক মপোক

শা-ঙাগী মপোক

Manipuri

## দাদা ভগৱান কথিত

# পাপ-পুণ্য

**‘Edited by Dr. Niruben Amin and Translated in Manipuri by Followers’**

**Publisher** : **Mr. Ajit C. Patel**

Dada Bhagwan Vignan Foundation,
1, Varun Apartment, 37 ,Shrimali Society,
Opp. Navrangpura Police station,
Navrangpura Ahmedabad: 380009
Gujarat,India.
Tel: +91 79 3500 2100, +91 9328661166/77

© **: Dada Bhagwan Foundation**

5, Mamtapark society, B/h. Navgujarat College,
Usmanpura, Ahmedabad-380014. Gujarat-India.
Tel: +91 9328661166/77
Email: info@dadabhagwan.org

**All Rights Reserved. No part of this publication may be shared, copied, translated, or reproduced in any form (including electronic storage or audio recording) without written permission from the holder of the copyright. This publication is licensed for your personal use only.**

**First Edition** : 500 copies, November 2024

**ভাৱ মমল** : ‘পরম বিনয়’ অমসুং
‘ঐ করিগুম্বা অমত্তা খঙজদে’, হায়বা ভাৱ!

**Price** : ₹ 50

**Printer** : Amba Multiprint, in front of H.B Kapadiya New
High School, Chhatral-Pratapura Road, Chhatral,
Ta.Kalol, Dist.Gandhinagar-382729, Gujarat.
Phone : +91 7935002142

**ISBN/eISBN** : 978-93-91375-82-9

**Printed in India**

# ত্রি-মন্ত্র








নমো অরিহন্তানম

নমো সিদ্ধানম

নমো আয়রিয়ানম

নমো উবজ্জায়ানম

নমো লোয়ে সব্বসাহুনম

এ্যায়সো পনচা নমুক্কারো

সব্ব পাবপ্পনাশনো

মঙ্গলাণম চ সব্বেসিম

পঢমম হৱই মঙ্গলম ॥১॥

ॐ নমো ভগবতে বাসুদেবায় ॥২॥

ॐ নমঃ শিবায় ॥৩॥

জয় সচ্চিদানন্দ



## দাদা ভগৱান কনানো?

ইং1958গী ইঙা থাগী নুমিদাং ৱাইরমগী পুং৬ মতম্নি, মীয়াম্না, পীক-থল্লবা সুরত শহরগী রেলৱে স্তেশনদা ফমলিবা শ্রী এ.এম পাতেল মওং ওইবা হকচাং-মন্দির ‘দাদা ভগৱান’বু মপুংফানা ফাওগৎখিরম্মী অমসুং মহৌশানা শেল্লকপা অধ্যাত্মাগী খ্বাইদগী অচৌবা অঙকপা। পুং১গী মনুংদা ব্রমহানবু উখিরম্মী। ‘ঐ কনানো? ভগৱান কনানো? জগত কনানা শিল্লীবনো? কর্ম করিনো? মুক্তি করিনো? ‘অসিদসু নত্তনা জগতকী অধ্যাত্মাগী ৱাহং কয়াগী মপুং ফারবা খোংফম লম্বী প্রকত ওইখি।

মহাক্না ফংখিবগুম্না, মদুগুম্না শুপ্নতগী পুং২গী মনুংদা অতোপ্পবুসু ফংহল্লমই, মহাক্কী অঙকপা সিদ্ধ তৌরবা জ্ঞান প্রয়োক্তগী। মদুবু ‘অক্রম লম্বী’ কৌই। ক্রম হায়বদি সিরীগী মথক্তা সিরী, মথং-মনাও নায়না মথক্তা কাবা! অক্রম হায়বদি ক্রম নত্তবা, লিফ্টকী লম্বী, শোর্ট-কট।

মহাক মশামক্না মীওই খুদিংমকপু ‘দাদা ভগৱান কনানো’?মদুগী মরি-মথোং ফোংদোক্তুনা হায়রম্মী মদুদি, ‘‘মসি অদোম্না উরিবসি মহাক দাদা ভগৱান নত্তে, ঐহাক্তি জ্ঞানী পুরুষনি অমসুং মনুংদা প্রকত ওইরিবা, মহাক ‘দাদা ভগৱান’নি। লোক ১৪গী মপুনি।মহাক অদোমদসু লৈ, পুম্নমক্তসু লৈ। অদোমদা ফোংদোক্তবা মওংদা লৈ অমসুং ‘মসিদা’ ঐহাক্কী মনুংদা মপুংফাবা মওংদা ফোংদোক্লি।ঐহাক ইশামক ভগৱান নত্তে।ঐহাক্কী মনুংদা প্রকত ওইরিবা দাদা ভগৱানবু ঐহাক্নসু খুরুমজে।”

## আত্মাজ্ঞান ফংন্নবগী প্রত্যক্ষ লিঙ্ক

পরম খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱান(দাদাশ্রী)না 1958তা আত্মাজ্ঞান প্রকত ওইখি। মদুগী মতুংদা 1962দগী 1988ফাও দেশ-বিদেশ কোইদুনা মুমুক্ষুশিং(মুক্তিবু ফংনিংলিবা)বু সতসঙ্গ অমদি আত্মাজ্ঞানবু ফংহল্লম্মী।

দাদাশ্রীনা লৈরিঙৈদা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা ডা. নীরু বহেন অমীন(নীরু ইমা)বু আত্মাজ্ঞান ফংহন্নবগী জ্ঞানসিদ্ধি খুৎশিন্নখি। দাদাশ্রীনা হকচাং থাদোক্লবা মতুংদা নীরু ইমানা মদুগুম্না মুমুক্ষুশিংবু সতসঙ্গ অমসুং আত্মাজ্ঞানবু ফংহন্নবা, নিমিত্ত ভাৱদগী তৌরম্মী।

আত্মাজ্ঞানী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপক ভাই দেসাইবু দাদাশ্রীনা সতসঙ্গ তৌন্নবগী সিদ্ধি খুৎশিন্নখি। হৌজিক খুরুমজনিংঙাই ওইরবা নীরু ইমাগী অশীর্বাত্তগী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপক ভাই দেশ-বিদেশতা নিমিত্ত ভাৱদগী আত্মাজ্ঞান ফংহল্লি।

মসি আত্মাজ্ঞান ফংলবা মতুংদা, মুমুক্ষু লিশিং কয়ানা সংসারদা লৈরসু, মথৌ পুম্নমক পাংথোক্তুনা মুক্তা লৈদুনা আত্মাদা লৈবগী নুংঙাইববু অনুভব তৌরি।

# খঙহনজবা

জ্ঞানী পুরুষ মতোনলোন্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱানগী শ্রীমুখদগী অধ্যাত্ম অমসুং ব্যবহারজ্ঞানগা মরিলৈন্না ঙাংথোকরকপা ৱাহৈ, মদুবু রেকোর্ট তৌদুনা খোমজিন্বা অমসুং নমথোক্তুনা লাইরিক্কী মওংদা পুথোকচরি। ওরিজিনেল মওং ওইনা গুজরত্তি লোনদা পুথোকপা ওই। মসি মদুগী ওরিজিনেল লাইরিক্তুদগী হন্দোকপনি। তোঙান-তোঙান্বা সবজেক্টশিংগী মথক্তা থোক্লকপা সরস্বতীগী অঙকপা অদুগী খোমজিন্বা মসি লাইরিক অসিদা তৌরি, অনৌবা পাবিরিবশিংগীদমক বর্দান মওং ওইনা খুদম ওইগনি।

পুথোকচারিবা লোন-হন্থোচবা অসিদা ঐহাক্না মরুওইবা চেকশিন্বা অসি থমজে মদুদি পাবিরিবনা দাদাজীগী ৱাহৈবু তবিরিবগুম, অসিগুম্না ইশাদা ফাওবা অসি ওইশনু হায়না, মসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মফমশিংদা লোন হন্দোক্লিবগী ৱাহৈপরেং মনিপুরি ব্যাকরনগী মতুং ইন্না অশোয়-অঙামশিং য়াওবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মসিদা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুবু খঙবিদুনা পাবিরবদি হেন্না কান্নাবা ওইগনি।

পুথোক্লিবা লৈরিক অসিদা মফম খুদিংদা ব্রেকেটকী মনুংদা উৎলিবা ৱাফম নত্রগা ৱাহৈ মতোনলোন্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা ঙাংথোক্লকপা ৱাহৈশিংবু থোইদোক হেন্থোক্লা ময়েক শেংনা খঙনবগীদমক ইজবনি। হায়বদি মফম খরাদা অংগ্রেজি ৱাফমশিংগী মনিপুরি অর্থগী মওংদা থমজরি। দাদাশ্রী শ্রীমুখদগী থোক্লকপা গুজরত্তি ৱাহৈ মদুগা চপ মান্না ইটালিক্সতা থমজরি, মরমদি মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মনিপুরিদা অসিগুম্বা ৱাহৈ লৈতে, মদুগী মপুংফাবা অর্থ পীবা ঙম্বা। মসি নত্তবদা মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মান্নবা ৱাহৈ, অর্থগী মওংদা ব্রেকেটত পিজরি।

জ্ঞানীগী ৱাহৈবু মনিপুরি লোন্দা চপ-মান্না হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনজে তৌইগুম্বসুং দাদাশ্রীগী আত্মাজ্ঞানগী অশেংবা নুংগী ৱাখললোন, চপ-চানা চপ-মান্না মদুদি, অদোম্না গুজরত্তি লোনদা ওইনা হেন্না মমুত্তগনি। কনাগুম্বনা জ্ঞানবু থমথেংনা খঙগে হায়রবদি, জ্ঞানগী অশেংবা নুংগী ৱাফমবু খঙগে হায়রবদি, মহাক্না মসিগীদমক গুজরত্তি লোনবু তম্বিয়ু, অসুম্না ঐহাক্না নোল্লুক্না খঙহনজরি।

লোন হন্দোকপগা মরিলৈনবা অৱাৎপাশিংগীদমক অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি।

We will appreciate your suggestion & grammatical mistake correction. You can give your valuable feedback at nlt.m@dadabhagwan.org

## Books Published By Dada Bhagwan Foundation

1.Adjust Everywhere
2.Ahimsa : Non-Violence
3.Anger
4.Aptavani-1
5.Aptavani-2
6.Aptavani-4
7.Aptavani-5
8.Aptavani-6
9.Aptavani-8
10.Aptavani-9
11.Autobiography of Gnani Purush A.M Patel
12.Avoid Clashes
13.Brahmacharya
14.Death: Before, During &After
15.Flawless Vision
16.Generation Gap
17.Harmony in Marriage
18.Life Without Conflict
19.Money
20.Noble Use of Money
21.Pratikraman
22.Pure Love
23.Right Understanding to Help Others
24.Science of Karma
25.Science of Speech
26.Shree Simandhar Swami : The Living God
27.The Essence Of All Religion
28.The Fault Is Of The Sufferer
29.The Guru and The Disciple
30.The Hidden Meaning Of Truth & Untruth
31.The Practice Of Humanity
32.Trimantra : The mantra that removes all the worldly obstacles
33.Whatever Happened is Justice
34.Who Am I ?
35.Worries

❖ Dada Bhagwan books are availables in different languages: Gujarati, Hindi, English, Marathi, Telegu, Kanada, Oriya, Malayali, Bengali, Punjabi, Assamese, Tamil, German, Spanish, Russian etc

❖ ‘Dadavani’ Magazine is published Every month in three Languages :Gujarati, Hindi, English.

**Website : www.dadabhagwan.org**

# Editorial

ঐখোয়গী ভারতত্দি পুণ্য-পাপগী জ্ঞান অঙাংনা হৈনা থাংদুনা তুরোই-ঙরোই চৎপা মতমদুদগী পীবা হৌরে। পীক্লিবা অঙাংনা তীল-কাং হাৎপা ওইরগদি, মমানা শেৎ-লাওনা মহাক্কী খুত্তা থাগনি অমসুং শাউদুনা হায়, 'হাৎলোইদবনি, পাপ পুগনি!' পীক্লিঙৈদগী অঙাংনা তাবা ফংই, 'অরান্বা তৌরগদি পাপ চেনগনি, অসিগুম্বা তৌরোইদবনি।' অনম্বা মতমদা মীওইববু অৰাবা মায়োক্লরি, মতমদুদা কপ্পী, হায়গনি ঐহাক্কী করম্বা মপোক্কী পাপশিংগী দন ফুগৎলি। অফবা ওইরগদি হায়গনি 'পুণ্য লৈবনি'। মতৌ অসুন্না পাপ-পুণ্য ৱাহৈগী ঐখোয়গী ব্যাবহারদা তৎতনা শিজিন্নরি।

ভারত্তা নত্তনা, মালেম অসিগী মীওই কয়ানা পাপ-পুণ্যবু এক্সেপ্ট(য়াবা)তৌই অমসুং মদুদগী মতৌ করম্না নান্থোকপা ঙমগদগে, মদুগীদমক উপায়সু তাক্লি।

তৌইগুম্বসুং পাপ–পুণ্যগী অশেংবা ৱাহন্থোক করিনো? অশেংবা জ্ঞান করিনো? মমাংগী মপোক-মসি মপোক অমসুং লাক্কদবা মপোক্কা লোয়ন্না পাপ–পুণ্যগা করি মরি লৈন্বগে? হিংলিবা ব্যাবহারদা পাপ–পুণ্যগী মহৈ করম তৌনা ফুগৎকদবা ওইবগে? পাপ-পুণ্যগী মখল করম তৌবগে? মদুদগী হৌদুনা থমথেংবফাও মোক্ষ লম্বীদা পাপ-পুণ্যগী করি কান্নবগে? মোক্ষ ফংন্নবগীদমক পাপ-পুণ্য অনীমক দরকার ওই, নত্রগা অনীমক্তগী নান্থোকপা মথৌ তারা?

পুণ্য-পাপ ৱাফমশিং অদুক্কী মতীক তাবা ফংবা ওইরি, মদুদি মসিদা অচুম্বা করিনো? মদুগী সোল্যুশন কদায়দগী ফংগনি? পাপ–পুণ্যগী একজেক্ট থঙবা ৱাৎপনা চমমন্বা কয়া অমা লৈহন্বা ওইরি। পুণ্য অমসুং পাপকী ৱাহন্থোক করিগুম্বা মফমদা ক্লিয়রকট (ময়েক–শেংনা) অমসুং শোর্টকট (তেন্তক)তা উবা ফংদে। মরমদুনা পাপ-পুণ্যগীদমক মখল-মথা কয়াগী ৱাহন্থোকশিং ইচম-চমজবা মীওইববু চমমন্বা ওইহল্লি, অমসুং অরোইবদা পুণ্য পুনশিন্বা অমসুং পাপ-তৌবদগী লেপ্পদি ওইদে।

পরম পুজয় দাদাশ্রীনা মদুগী ৱাহন্থোক য়াম্না লাইনা, চুমদ্রিং-চুম্না অমসুং য়াম্না ফজবগা-লোয়ন্না পীবা ওইরি মদুদি 'অতোপ্পবু নুংঙাইবা পীবদা পুণ্য পুনশিল্লি অমসুং অতোপ্পবু অৰাবা পীবদা পাপ পুনশিল্লি' হৌজিক মসিখক জাগ্রুতি নুমিৎ-চুপ্পা থমলগদি মদুদা ধর্ম পুন্নমক লাক্লে অমসুং অধর্মদগী নান্থোক্লে।

অমসুং কাওদুনা কনাগুম্ববু অৰাবা পীরগদি মদুগী খুদক্তা প্রতিক্রমণ তৌরো। প্রতিক্রমণ হায়বদি কনাগুম্ববু ৱাঙাংদগী, শাজৎলোনদগী, নত্রগা পূক্নীংদগী অৰাবা পীরগদি, মদু ওইরগদি খুদক্তগী মহাক্কী মনুংদা ফমলিবা আত্মা, শুদ্ধাত্মাদগী লাল্লে হায়জৌ, থম্মোয়-শেংনা *পশ্চতাৱা* (পেন্দবা ফাওবা) তৌবা ওইগদবনি অমসুং মতুংদা অমুক-হন্না তৌজররোই, অসিগুম্বা লেংদবা পান্দম ওইবা ওইগদবনি। মসিখক, বস। অমসুং মদুসু পূক্নীংদা, তৌইগুম্বসুং থম্মোয়-শেংনা তৌবা ওইয়ু, মদু ওইরগসু মদুগী একজেক্ট মহৈ ফংবা ওই।

পরম পুজ্য দাদাশ্রীনা হায়রি মদুদি, 'পুন্সিসি পুণ্য অমসুং পাপকী উদয়গী মথা-পোন্না চৎপা ওইরি, অতোপ্পা কনাগুম্বা চৎহন্বা ওইবা লৈতে। মতুংদা কদায়দগী

কনাগুম্ববু দোষ নত্রগা থাগৎপা ৱাহৈ পীগদবা লৈব্রা? মরমদুনা পাপকী উদয় ওইবা, মতমদুদা কা-হেন্না হোৎন্বা তৌদনা ঈংথনা ফমদুনা লৈবা অমসুং আত্মাগী তৌ। পুণ্য করিগুম্বা মহৈ পীন্বগীদমক ইমাংদা লেপলগদি মদু ওইরগদি মশিং-থীঙমদনা হোৎন্বনা করিগীদমক? অমসুং পুণ্য করিগুম্বা মহৈ পীন্বগীদমক ইমাংদা লাকপা ওইদ্রগদি মদুদা মতুংদা মশিং-থীঙমদ্রবা হোৎন্বনা করিগীদমক? মরমদুনা নংনা ধর্ম তৌ।

পুণ্য-পাপগা মরিলৈন্বা ইচম-চম্বা ৱাহংশিংদগী হৌদুনা সুক্ষ্মদগী হেন্না সুক্ষ্ম ওইবা ৱাহংশিংগীসু অদুগুম্না লাইনা, তেন্তক্না অমসুং মপুংফানা ইফেক্ট পীবা সমাধান ওইরবা পাউখুম মসিদা ফংবা ওইরি, পরম পূজ্য দাদাশ্রীগী মশাগী ত্রেডিসনল মওংদা! মোক্ষ ফংন্নবগীদমক পুণ্যগী দরকার ওইব্রা? করিগুম্বা দরকার ওইরগদি করম্বা অমসুং করম্বা পুণ্য পাম্বগে?

পুণ্যদী দরকার ওই তৌইগুম্বসুং *পুণ্যানুবনধী* (পুণ্যদগী পুণ্য পুনশিন্বা) পুণ্য দরকার ওই। মসিদা নত্তনা তৌইগুম্বসুং মোক্ষকী আশয় (মনুংগী ভাৱ) গা লোয়ন্না পুণ্য পুনশিন্বা ওইগদবনি, হায়বদি মদুগী পুণ্যগী মহৈ শক্তম ওইনা মোক্ষ ফংন্নবগী থুৎলাই পুন্নমক অমসুং অরোইবা থুৎলাই আত্মাজ্ঞানীবু ফংবা! মসিগীসু মথক্তা পুণ্যানুবনধী পুণ্য মোক্ষকী পান্দমগীদমক পুনশিন্বা ওইরগদি মদুগা লোয়ন্না :-১) অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা হন্থবা ওইগদবনি, কষায় লেপ্পা ওইগদবনি, ২) মশাগী মনাক্তা লৈবদু অতোপ্পশিং গীদমক কৎথোকপা অমসুং ৩) থবক খুদিংমক্তা লৌন্নবগী অপাম্বা থমদ্রবা থক্তদা মদুগী পুণ্য মোক্ষকীদমক কান্নগনি, নত্রগদি অতোপ্পা পুণ্যদি মপাল-থোংগী নুংঙাইবা পীদুনা বরফ তৌনা মহি-ওন্থোকপা ওইগনি!

অসিগুম্বা পাপ-পুণ্যগী য়থার্থ (একজেক্ট) জ্ঞানদি প্রকত জ্ঞানীপুরুষকী মফম থক্তদগী সতসঙ্গগী ৱাহং-পাউহংগী মতেংনা ফংবা ওইরি, মদুগী পুথোকচবা মসিগী থোমজিল্লিবসিদা তৌবা ওইরি।

**- ডাঃ নীরু বহেন অমিন**

# পাপ-পুণ্য

## পাপ-পুণ্যগী ফংবা ওইরোই করিগুম্বদা অসিগুম্বা ৱাহন্থোক

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপ অমসুং পুণ্য অসি করি পোৎনো?

**দাদাশ্রী :** পাপ অমসুং পুণ্যগী অর্থ করিনো? করি তৌরগদি পুণ্য ওইগনি? পুণ্য অমসুং পাপগী হৌরকফম কদায়দগী ওইবগে? মতমদুদা হায়, 'মসি জগত অসিবু ওইরিবা মদুগুম্না চপ-মান্ননা খঙবা ওইদ্রি মীয়াম্না, মরমদুনা মশানা নুংঙাইবনি খনবা মদুগুম্বা পাংথোক্কুনা লৈ। হায়বদি কনাগুম্বা জীবববু হাৎপা ওইরি, কনাগুম্বা জীবববু অৱাবা পীবা ওই, কনাগুম্বা অমবু অৱা-মৈচাক ফংহল্লি।'

কনাগুম্বা জীব মাত্র(অমত্তা)বু করিগুম্বা অকী-তুজং পীবা নত্রগা অৱাবা পীরবদি, মদুদগী পাপ পুনশিন্বা ওই। মরমদি গোড ইজ ইন এবরী ক্রিএচর ৱেদর বিজিবল ওর ইনবিজিবল।(মীৎতগী উবা ঙম্বা নত্রগা উদবা মদুগুম্বা, জীব মখল খুদিংমক্তা ভগৱান লৈ।) মসি জগত অসিগী মীয়াম, জীব মখল খুদিংমক ভগৱানগী শক্তম থক্লি। মসি ঊনি, মসিদসু জীব লৈ। হৌজিক অসিগুম্নদি মীয়াম্না মচীন্দগী ঙাংবা ওই মদুদি পুম্নমক্তা ভগৱান লৈ, তৌইগুম্বসুং তশেংবদদি মহাক্কী থাজবদা লৈতে। মরমদুনা ঊবু য়ান্থৎলি, অসিগুম্না মরম লৈতনা থুগায়দুনা লৈরি, মরমদুনা পুম্নমক মাংহন্বা ওইরি। জীব মখল খুদিংমকপু করিগুম্বা অমাংবা পীবা, মদুদগী পাপ পুনশিন্বা ওই অমসুং কনাগুম্বা জীববু করিগুম্বা নুংঙাইবা পীবা, মদুদগী পুণ্যা পুনশিন্বা ওই। অদোম্না লৈকোলদা ঈশিং চাইবা মতমদুদা জীবশিংনা নুংঙাইব্রা নত্রগা ৱাব্রা? মদুদা নুংঙাইবা পীরি, মদুনা পুণ্যা পুনশিন্বা ওইরি। য়ারে, মসি খক্তনি খঙগদবনি।

জগত পুম্বগী ধর্ম লৈরিবদু, মদুবু এক্সট্রেক্ট(মচং ওইবা) মওংদা করিগুম্বা হায়গদবা ওইরগদি ৱাফম অমখক্তদা খঙহনগে পুম্নমকপু, মদুদি অদোম্না নুংঙাইবা পাম্লগদি অতোপ্পা জীবশিংবু নুংঙাইবা পীয়ু অমসুং অৱাবা পাম্লগনা অৱাবা পীয়ু। নুংঙাইগদবা ওইবদু মদুবু তৌ, মদুবু পুণ্য অমসুং পাপ কৌই। নুংঙাইবা পাম্লগদি নুংঙাইবা পীয়ু, মদুদগী ক্রেডিট তুংশিন্বা ওইগনি অমসুং অৱাবা পাম্লগদি অৱাবা পীয়ু, মদুদগী ডেবিট তুংশিন্বা ওইগনি। মদুগী মহৈদু অদোম্না তংবা মথৌ তাই।

## অফবা-ফত্তবা, পাপ-পুণ্যগী মথা-পোন্না

করিগুম্বা মতমদা অফবা *সঙয়োগ* (এবিদেন্স) লাকপা ওইব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** অফবসু লাকপা ওই।

**দাদাশ্রী :** মদুগী ফত্তবা অমসুং অফবা সঙয়োগশিংবু কনানা থারকপা ওইবগে? ঐখোয়গী পুণ্য অমসুং পাপকী মথা-পোন্না সঙয়োগ লাক্কুনা ফংবা ওই। অসিগুম্বনি, মসি মালেমসিবু কনাগুম্বা চলাইবা ওইবা লৈতে। করিগুম্বা কনাগুম্বা চলাইবা-ওইবা লৈরম্লগদি পাপ-পুণ্যগী দরকার ওইরম্লোই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি জগত অসি চলাইরিবা কনানো?

**দাদাশ্রী :** পুণ্য অমসুং পাপ কী মহৈ। পুণ্য অমসুং পাপ কী পরিণামদগী মসি জগত অসি চত্থাবা ওইরি। কনাগুম্বা ভগৱান্না চলাইবা ওইদে। কনাগুম্বনা মসিদা খুৎ-থীংজিন্বা ওইদে।

## পুণ্য ফংন্নবগী কৈরাকশিং

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক পুণ্য মখল-মখা কয়া লৈ, মদু ওইরগদি করম-করম্বা মখলগী থবক তৌরগদি পুণ্য কৌগদবা ওইবগে অমসুং পাপ কৌগদবা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** জীব মখল খুদিংমকপু নুংঙাইবা পীয়ু, মদুদা ফর্স্ট প্রেফরেন্স (অহান্বদা মরুওইবা) মীওইবা। মীওইবশিংগী লোইরবা মতুংদা অনীসুবা প্রেফরেন্সতা ইন্দ্রিয় মঙা পানবা জীব। অহুমসুবা প্রেফরেন্সতা ইন্দ্রিয়া মরী, ইন্দ্রিয়া অহুম, ইন্দ্রিয়া অনী, ইন্দ্রিয়া অমা মতৌ অসুন্না মখোয়বু নুংঙাইবা পীরগদি, মদুদগী পুণ্য ওইবা ওই অমসুং মখোয়বু অৱাবা পীরগদি, মদুদগী পাপ ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মপালগী নুংঙাইবা ফংলি, মহাক্না করম্বা মখলগী কর্ম তৌবা ওইরগদি মদু ফংবা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** করিগুম্বা কনাগুম্বনা অৱাবা ওইবা, মহাকপু নুংঙাইবা পীরগদি, মহাক্না পুণ্য পুনশিন্বা ওই অমসুং পরিণাম মহৈ ওইনা মদুগুম্বা নুংঙাইবা ঐখোয়নসু ফংই। কনাগুম্ববু অৱাবা পীরগদি, মদু ওইরগদি অদোম্না অৱাবা ফংই। অদোম্না অপাম্বা অদু পীয়ু।

মখল অনীগী পুণ্যনি। পুণ্য অমদগী মপাল-থোংগী নুংঙাইবা ফংই অমসুং অনীসুবা অসিগুম্বা মখলগী পুণ্য ওই মদুদি ঐখোয়বু 'অশেংবা নীংখা-তম্বা' ফংহন্বা।

## মদু অনীদুবু লৌনরি কর্ম থক!

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপ অমসুং কর্ম অমখক্তরা নত্রগা তোঙানব্রা?

**দাদাশ্রী :** পুণ্য অমসুং পাপ অনীমকপু কর্ম কৌবা ওই। তৌইগুম্বসুং পুণ্যগী

কর্মদি চীকপা ওইদে অমসুং পাপকী কর্মদি ঐখোয়না অপাম্বগী মথা-পোন্না থোকহন্বা ওইহনদে অমসুং চীক্লি।

অসিগুম্বা থাজবা লৈরিবমখৈ মদুদি 'ঐ চন্দুলালনি,' মতমদুফাও কর্ম পুনশিনবা লৈরি। মখল অনীগী কর্ম পুনশিন্বা ওই। পুণ্য তৌরগদি অফবা ভাৱনা-ওইবা কর্মনা পুনশিন্বা ওইরি অমসুং পাপ তৌরগদি ফত্তবা ভাৱনা-ওইবা কর্ম পুনশিন্বা ওই। হক্কী অমসুং *অণহক* (ইশাগী হক্কী ওইদবা) কী থায়দোকপা ওইদ্রিফাও, মতমদুফাও মীয়ামশিংগী য়েংদুনা মদুগুম্না মহাক্লসু ওন্ন-তৈন্না তম্বা ওই। পূর্ক্নীংদা তোঙান্বা ওই, ৱাঙাংদা করিগুম্বা ময়ামগা-মান্নদবা ঙাংবা ওই অমসুং শাজৎলোন্দদি মখল অমগী ওইবা ওই। মরমদুনা পাপ থক্তবু পুনশিন্বা ওই। মরমদুনা হৌজিক মীয়ামশিংনা পাপ থক্তদগী তানশিন্বা ওইবা ওইরি।

## পাপ-পুণ্য, মদু ব্যবহার ধর্ম

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি পুণ্য অমসুং ধর্মদা করি থেৎন্বগে?

**দাদাশ্রী :** পুণ্য, মদু ব্যবহার ধর্মনি, অশেংবা ধর্ম নত্তে। ব্যবহার ধর্ম হায়বদি মশাবু নুংঙাইনবগীদমক। পুণ্য হায়বদি ক্রেডিট। মসিদগী ঐখোয়না নুংঙাইবা ওইগনি, ক্রেডিট ওইবা ওইরগদি ঐখোয়না শান্তি লৈনা লৈবা ঙমগনি অমসুং মতমদুদা ফজনা ধর্ম তৌবা ঙমগনি। অমসুং পাপ হায়বদি ডেবিট। পুণ্য ওইদবা, ক্রেডিট ওইদবা, মদু ওইরগদি ঐখোয়না ধর্ম করম্না তৌগনি? ক্রেডিট লৈবা ওইরগদি নাকন অমরোমদা শান্তি লৈগনি, মরমদুনা ঐখোয়না ধর্ম তৌবা ঙমগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** করম্বা কর্ম তৌবদগী পুণ্য ওইবা ওইবগে অমসুং করম্বা কর্ম তৌবদগী ধর্ম তৌবা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** মসি জীব পুম্বা, মীওইবা, ঊ-পাম্বী, ষণ-ইরোই, মতুংদা শা-ষণ-উচেক, ঈশিংদা লৈবা মদুগী জীব পুম্নমক নুংঙাইববু থীরি। অমসুং অৱাবা কনাগুম্বনা পামবা ওইদে। মরমদুনা অদোমগী মনাক্তা করিগুম্বা নুংঙাইবা লৈবদু, মদু অতোপ্পা মীয়ামশিংবু অদোম্না পীবা ওইরগদি অদোমগী একাউন্দা ক্রেডিট ওইবা ওই, পুণ্য পুনশিন্বা ওই অমসুং অতোপ্পশিংবু অৱাবা পীরগদি পাপ পুনশিন্বা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি ধর্ম করম্ববু কৌবা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** ধর্ম হায়বদি আত্মাধর্ম। আত্মাগী মশাগী ধর্ম। পাপ অমসুং পুণ্য অনীমক অহংকারগী ধর্মনি। অহংকার লৈরিফাও মতমদুফাও পাপ অমসুং পুণ্য ওইবা ওই। অহংকার মাংখ্রবা কান্দা পাপ অমসুং পুণ্যসু মাংই, মদু ওইরগদি আত্মাধর্ম ওইবা ওই। আত্মাবু থঙবা মথৌ তাই, মতমদুদা থক আত্মাধর্ম ওইগনি।

## পাপ-পুণ্যদগীসু মথক্তা, রিয়ল ধর্ম

রিলেটিব ধর্মনা করিবু হায়বগে? অফবা তৌ অমসুং ফত্তবা তৌগনু। অফবা তৌবদগী পুণ্য পুনশিন্বা ওই অমসুং ফত্তবা তৌবদগী পাপ পুনশিন্বা ওই।

পুন্সি চুপ্পগী হিসাব-বোই পুণ্য থক্তদগী থনবা ওইদে। কনাগুম্ববু তাথীনা চৈবা ওইরগদি লুপা ৫ পূবা অমসুং ধর্ম তৌরগদি লুপা ১০০ তুংশিন্বা ওই। পাপ-পুণ্যগী তীনশিন্বা-থাইদোকপা তৌবা ওইদে। করিগুম্বা অসিগুম্না ওইরম্লগদি মসি করোড়পতিশিংনা পাপ তুংশিনহন্বা তৌহল্লম্লোই। পৈশা খর্চ তৌদুনা পূবশিংদু মাংহল্লমগনি। তৌইগুম্বসুং মসিদি একজেক্ট নিয়ায়(ৱায়েল)নি। মদুদদি কনাগুম্বগী উদায় লাকপা মদুগী পুংফমদুদা, মতমদুদা মদুবু থাংবা মথৌ তাই। পুণ্যদগী নুংঙাইবা ফংবা ওই অমসুং পাপকী মহৈগী উদয় লাক্লগদি মতমদুদা অথাবা ওই। মহৈদি অনীমকপু মহাও তংবা মথৌ তাই।

ভগৱান করি হায়বগে হায়বদা, নহাক্কা মহাও-তংনিংবা পাম্বা উহৈদু, মদুগী মরু হল্লু। নুংঙাইবা পাম্বা ওইরগদি পুণ্যগী অমসুং অৱাবা পাম্বা ওইরগদি পাপকী মরু হল্লু, তৌইগুম্বসুং অনীমক রিলেটিব ধর্মনি, রিয়ল ধর্ম নত্তে।

রিয়ল ধর্মদা, আত্মাধর্মদদি পুণ্য অমসুং পাপ অনীমক্তগী নান্থোকপা দরকার ওই। রিলেটিব ধর্মদগী মপাল-থোংগী নুংঙাইবা ফংই অমসুং মোক্ষ মাইগৈরোমদা থোংমাং চংশিল্লি, মসি নত্তবদা রিয়ল ধর্মদগী মোক্ষ ফংবা ওই। মসিদা 'ঐহাক্কী' ইনাক্তা রিয়ল ধর্ম লৈরি। মদুদগী চুমদ্রিং-চুন্না মোক্ষ ফংবা ওই। মসিদা মোক্ষকী নুংঙাইবা ফাওদুনা লৈবা ওই। মসিদা *আধি*(ৱাখলগী লৈনা), হকচাং লৈনা, *উপাধি* (মপানগী অৱাবা, মপান্দগী লাক্তুনা পীবা অৱাবা)দগী নান্থোকপা ওইবা ফংলি অমসুং লেপ্পা লৈতনা সমাধি লৈদুনা লৈবা ওই। *নিরাকুলতা* (আত্মাগী আনন্দ)ফাওবা ওইবা ওই। মসিদদি আত্মা অমসুং পরমাত্মাগী ৱাফমশিং শাননবা ওই।

## পরমাণূ মহৈ-য়াল্লি মশামক নুংঙাইবা-অৱাবদা

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপ অমসুং পুণ্যগী খায়দোকপা কনানা শেম্বগে?

**দাদাশ্রী :** কনাগুম্বা অমত্তনা শেম্বা নত্তে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি পাপনি, মসি পুণ্যনি মদু পুন্নমক বুদ্ধিনা হায়রি, আত্মাদি পাপ-পুণ্যগুম্বা করিসু লৈবা ওইদেদনা?

**দাদাশ্রী :** লৈতে, আত্মাদদি লৈতে। মাংদা লৈরিবদুবু অৱাবা ওইবা মদুগুম্বা ৱাহৈ ঐথোয়না ঙাংবা মতমদা, মতমদুদা মদুগী ৱাহৈশিংদুনা পরমাণুশিংবু চিংশিল্লি। মদুগী পরমাণূনা অৱাবগী মচু তৈবা ওই, মতুংদা মদুগী পরমাণু মহৈ পীবা মতমদা, মতমদুদা অৱাবা থক পীবা ওই মথোয়না। অতোপ্পা মরক্তা কনাগুম্বগী খুৎথীংজিন্বা ওইবা লৈতে।

## মদুদা দাইতা কনাগী?

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওই অমবু পৈশা অমসুং মীওই অমনা লাইরবা, মদু মতৌ করম্না লাকপগে? মীওইবদা পুন্নমক্লা পোকপা ওইজরগসু?

**দাদাশ্রী :** মদু অসিগুম্বনি, ঐখোয়গী মসি মপোক ওইরিদনা, মদু ইফেক্ট ওইবা ওই। ইফেক্ট হায়বদি মমাংগী মপোক্তা কোজেজ মরু থাদখিবদু, মদুগী মসি মহৈনি। মরমদুনা পুণ্য লৈবথৈদু, মদুগী পুণ্যদুদা করি-করি থোকপগে? মদুদা হায়, মদুদা *সনয়োগ* পুন্নমক অফবা ফংলগদি মতেং-পাঙদুনা লৈবা ওই। বঙ্গলো শাগদবা ওইরগদি বঙ্গলো শাবা ওই, গাড়ী ফংবা ওই! অমসুং পাপতি ফত্তবা সঙয়োগ পুরক্তুনা বঙ্গলোবু নীলাম তৌহল্লি। মরমদুনা ইশাগী কর্মগী মহৈনি। মদুদা ভগৱানগী করিগুম্বা খুৎথীংজিন্বা লৈতে! য়ু আর হোল এন্ড সোল রিস্পোন্সিবল ফোর য়োর লাইফ! লাইফ অমথক নত্তে, লাইফ কয়া–কয়াগীদমক ভগৱানগী খুৎথীংজিন্বা লৈতে মসিদা। মরম লৈতনা মীয়াম্না ভগৱানগী মতুংদা কোয়তান-তান্নরি।

## মখল, পুণ্য-পাপকী

‘সংসারদা আত্মা অমসুং পরমাণু অনীখক্তনি। কনাগুম্ববু শান্তি পীবা ওইরগদি, নুংঙাইবা পীবা ওইরগদি পুণ্যগী পরমাণু তুংশিন্বা ওই অমসুং কনাগুম্ববু অৱাবা পীবা ওইরগদি পাপকী পরমাণূ তুংশিন্বা ওই। মতুংদা মদুনা চীকপা ওই। অপাম্বগী মতুং ইন্না থোকপা ওইবা, মদু পুণ্য অমসুং অপাম্বগী ময়োক্তা থোকপা ওইবা, মদু পাপ। পাপ মখল অনীনি। অমনা পাপানুবনধী পাপ, অনীসুবদা পুণ্যনুবনধী পাপ অমসুং পুণ্য মখল অনীনি লৈ, অমনা পাপানুবনধী পুণ্য, অনীসুবদা পুণ্যনুবনধী পুণ্য।

## পাপানুবনধী পাপ

পাপানুবনধী পাপ হায়বদি হৌজিক পাপ ফুগৎপা ওইরি অমসুং অমুক হন্না পাপকী কোনত্রেক্ট অনৌবা পুনশিন্বা ওই। কনাগুম্ববু অৱাবা পীবা ওই অমসুং মতুংদা অমুক-হন্না হরাওবা ওই।

## পুণ্যনুবনধী পাপ

মতুংদা পুণ্যনুবনধী পাপ হায়বদি মমাং-মপোক্কী পাপকী মরম্না হৌজিক অৱাবা(পাপ)ফুগৎপা ওইরি তৌইগুম্বসুং নীয়োম চুম্না অমসুং অফবা সংস্কারশিংগী মরম্না পুণ্যগী পুনশিন্বা ওইরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি অৱাবা কান্নবনিদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, কনাগুম্বনা 'ঐ শুদ্ধাত্মা নি' অসিগুম্না ফাওবা ওইখ্রবা মহাক্কীদমক অৰাবা কান্নবনি, নত্রগদি অৰাবদগী অৰাবা থক্তা পোকপা ওই। অৰাবদা ভাৱদি অৰাবা থক্তা লাকপা ওই।' মসিগী মতমসিদা পুণ্যনুবনধী পাপ-ওইবা জীবশিং য়ামদবা ওই। লৈদি লৈ তৌইগুম্বসুং মথোয়সু দুষমকাল(কলিয়ুগ)না অথীংবা পীবা ওই। মরমদি মসি পাপ অসি অথীংবা পীবনি। পাপ হায়বদি করিনো হায়বদা সংসার ব্যবহার চলাইবদা অয়েৎপা লাক্লগদি মদু পাপ কৌগনি। হায়বদি বেঙ্কতা হেঙ্গৎন্বগী ৱাফমদি থাদোকখ্রো তৌইগুম্বসুং মসি নুংতিগী ব্যবহার চলাইন্বগীসু করিগুম্বা অমা নত্রগা করিগুম্বা মথা-শাবা লাক্তুনা লৈবা ওইরি। মসি মথা-শাবসি লাক্লি মদু ওইজরবসু লাইশংদা চৎলি, ৱাখল ধর্মগী লাকই, মদুবু পুণ্যনুবনধী পাপ হায়বা ওইরি। পুণ্য পুনশিনগনি তৌইগুম্বসুং মসি দুষমকাল অসিগুম্বনি মদুদি মসি পাপতগী অৰাবা খরাদি লাকপা ওই, মরমদুনা তশেংবদা দরকার ওইবা মদুগুম্বা পুণ্য পুনশিন্বা ওইদে। হৌজিক্তি কোমথোকপা (য়ুবা) ওইরিদনা! লাইশংগী মপান্দা থুঙ্ুপ লৌথোকপা ওইরগদি অতোপ্পদা হংলগদি মদুদি করিগীনো ইবুংঙো থুঙ্ুপ মসিদা লৌথোক্লিবা? মতমদুদা মহাক্না হায়গনি মদুদি মদুগী মাইগৈরোমদগী থুঙ্ুপ হুরান্বা ওই, মরমদুনা মসিদা লৌথোক্লি। মতমদুদা ঐখোয়গী পূর্ক্বীংদসু ৱাখল লাকপা ওই মদুদি মদুগী মাইগৈরোমদগী হুরান্বা ওই, মরমদুনা দর্শনগী মতমদসু চিত্ত অসি মফমদা লৈবা ওইদে!

## পাপানুবনধী পুণ্য

মমাং-মপোক্কী পুণ্যদগী ঙসি নুংঙাইবা ফুগৎলি, তৌইগুম্বসুং শাথীবা পাপকী কোনট্রেক্ট পুনশিন্বা ওই। হৌজিক মাইগৈ খুদিংমক্তা পাপানুবনধী পুণ্যনি। কনাগুম্বা সেঠকী অসিগুম্না বঙ্গলো লৈবা মতমদুদা নুংঙাইনা বঙ্গলোদা লৈবা ঙমদে। সেঠ নুমিৎ চুপ্পা পৈশাগীদমক মপান্দা চৎপা ওই। মসি নত্তবদা সাঠানীনা মোহ বাজারদা ফজরবা সাড়ীগী মতুংদা লৈবা ওই অমসুং সেঠকী নুপামচানা মোটোর পুদুনা কোয়বা থোক্লকই। সেবারীনা মতোম্তা য়ুমদা লৈহৌবা ওই অমসুং বঙ্গলো পুম্বা পুম্মাং-মাংবা ওইবা ওই। পুণ্যগী মতেংনা পুন্নমক, বঙ্গলো ফংলি, গাড়ী ফংলি, ফ্রিজ ফংলি। অসিগুম্না পুণ্য লৈবা মদু ওইজরবসু পাপকী কোনট্রেক্ট পুনশিল্লি, অসিগুম্বা তৌথোকরকপা থবক ওই। মীহৌবা–মোহদা মতমমাংবা ওইরি অমসুং নুংঙাইথোকপসু ঙমদে। পাপানুবনধী পুণ্য ওইবা মীওইদি বিষয়শিংগী হুরান-চেন্থী থক তৌদুনা লৈরি।

মরমদুনা বঙ্গলো লৈ, গাড়ী লৈ, ৱাইফ লৈ, অঙাং লৈ, পুন্নমক লৈ তৌইগুম্বসুং নুমিৎ-চুপ্পা হায়, হায়, হায়, হায়, পৈশা কদায়দগী পূরক্কদগে? অসিগুম্না নুমিৎ-চুপ্পা পাপ থক্তা পুনশিন্দুনা লৈরি। মসি মপোক্তা পুণ্য ফুগৎপা ওইরি অমসুং মথংগী মপোক্কী পাপ পুনশিন্বা ওইরি। নুমিৎ চুপ্পা কোয়চেন-চেন্দুনা অমসুং করম্বা? বায়(লৈবা), বোরো(পূবা) এন্ড স্টীল(হুরান্বা)। করিগুম্বা নিয়ম লৈত্তে। বায় দি বায়, নত্রগদি বোরো, নত্রগদি স্টিল। করিগুম্বা মখল অমত্তদগী মদু কান্নবা কৌদে।

হৌজিক অদোমগী সহরগী অনকপদা পুণ্য য়াম্না চাউনা উবা ওই। মদু পুন্নমক পাপানুবনধী পুণ্যনি। হায়বদি পুণ্য লৈ, বঙ্গলো লৈ, গাড়ী লৈ, য়ুমদা ফেশিলিতি পুম্বা লৈরি, মদু পুম্বা পুণ্যগী মথা-পোন্ননি, তৌইগুম্বসুং মদুগী পুণ্য করম্বা ওইবগে? মদুগী পুণ্য অদুদগী ৱাখল ফত্তবা লাকই মদুদি কনাগী লৌগনি, কদায়দগী মুনগনি? কদায়দগী থোমজিনগনি? কনাগী নুংঙাইথোক্কুনা-ফুগৎকনি? হায়বদি *অগহক* (হক্কী নত্তবা) কী ফুগৎনবগী শেমশাদুনা লৈ, *অগহক*কী লক্ষ্মী মদুসু মুন্বা ওই, মদু পাপানুবনধী পুণ্যনি। মীওইবা ওইবা হায়বদি মোক্ষ চৎন্নবগী মতম ফংলি, মসি নত্তবদা মসিদি তুংশিনবদা তাদুনা লৈবা ওই, মদু পাপানুবনধী পুণ্যনি। মদুদা পাপ থক পুনশিন্দুনা লৈবা ওই, হায়বদি মদু লম্মুকনগদবা মদুগুম্বা পুণ্যনি।

মীওই কয়াদি অপীকপা স্টেটকী ঠাকুরগুম্না, অসিগুম্না য়াম্না নুংঙাইবগা লোয়না হিংবা ওই। লুপা করোর–করোরগী প্লেটতা লৈবা ওই। তৌইগুম্বসুং জ্ঞানীনা করিবু য়েংবা ওইবগে? জ্ঞানীনা *করুণা* (থৌজাল) লাকপা ওই তোল্লবশিংগীদমক। বোরিবলিগী (মুন্বেগী মফম অমা) মীয়ামশিংগী মথক্তা করুণা ফাওবা মদুদগী হেন্না করুণা মথোয়গী মথক্তা লাক্লি। অসিগুম্না করিগীদমক?

**ৱাহং-হংলিবা :** মরমদি মসিদি পাপানুবনধী পুণ্যনি মরমদুনা।

**দাদাশ্রী :** পাপানুবনধী পুণ্যবুদি লৈ, তৌইগুম্বসুং ওহোহো! মথোয় ময়ামগী বরফ কুম্বা পুণ্যনি। বরফনা মহি লাংথোকপগুম, মদুগুম্না লেপ্পা-নাইদনা ঈশিং ওন্থোক্কুনা লৈ, মদু জ্ঞানীশিংনা উবা ওই মদুদি মসি ঈশিং ওন্থোক্লি! ঙানা ফ্রং-ফ্রং চোংবগুম্না, মদুগুম্না ফ্রং-ফ্রং চোংবা ওই! মসিগী মহুত্তদি বোরিবলী-ওইবশিংগী ঈশিংগুম্বা পুণ্য, মদুদা মহি লাংথোক্লবা করিবু লৈরিবগে? তৌইগুম্বসুং মসিদি মহি ওন্থোক্লি।

মদুগী ফুগৎলিবশিংদুনা থঙবা ওইদে অমসুং মদুগী পুন্নমক *কড়াপা–অত্তমপা* (শান্তি লৈতবা, অকী-অথং), নুংঙাইবা-ফুগৎনবগী কদায়দা লৈবগে? হৌজিক মসি কলিয়ুগতা নুংঙাইথোক্কদবা করিবু মসিদা? মসিদি মশক-অথীবা ওইনা উই ওন্না-তৈন্না। ঙসিদগী চহী তরেৎকী মমাংদা লৈরম্বা শক্তমদু, মদুগুম্বদি শওং–শদা লৈত্রে হৌজিক। শান্তি ওইবা মুম্বে ওইরম্মী।

হৌজিক মদুগী ফজবদি লৈত্রে। চহী ৭০গী মমাংদদি মরীন লাইন্সতা লৈবা ওইরগদি মদু ওইরগদি লাই-মপোক কুম্না মানবা ওইরম্মী। হৌজিক্তি অশোন্বা ওইনা উবা ওই মদুদা! নুমিৎ চুপ্পা খোইদৌ-চাকপা ওইবা অমসুং টেনশন ওইবা অসিগুম্বা–মদুগুম্বা মীয়াম ওইনা উবা ওই। মদুগী মতমদুদদি অয়ুক্তা অহানবদা ফমদুনা পেপর পাদুনা লৈবা ওই, মতমদুদা অসিগুম্না মানখি মদুদি লাইনুপী–নুপা পুন্নমক পেপর পাবগুম্না মদুগুম্না। খৎনা-চৈন্বা লৈতে, অশান্তি লৈতে। অয়ুক্তা অহানবদা মুম্বে ঈ-পাও লাকপা, অমসুং অতোপ্পা পেপর লৈরম্মী তৌইগুম্বসুং মথোয়গী মমীং মাংবা ওইখ্রে পুন্নমক। ঐহাকসু মরীন লাইন্স কুমথরম্মী। তৌইগুম্বসুং মীয়ামদি শান্তি য়াম্না লৈরম্মী মদুগী মতমদুদা! অসিগুম্বা হায়–হায় লৈরমদে। অসিগুম্বা মীহৌবা লৈরমদে,

কা হেন্না মোহ(লুপশিন্বা) লৈরমদে, অসিগুম্বা ইথৌলাংবা লৈতে অমসুং অশেংবা ঘীদদি চীংন্বা লৈবা মথৌ তারমদে, চীংনবা ফাওবা ওইরমদে। হৌজিক্তি অশেংবা লৌবা চৎলগসু ফংবা ওইদে।

মলবার হিলগুম্না পুণ্য লৈবা, তৌইগুম্বসুং বরফকী চীংগুম্বনি মদুগী পুণ্য। অচৌবা মলবার হিলগুম্বা বরফ ওইবা, তৌইগুম্বসুং মদু নুমিৎ খুদিংগী করি ওন্থোক্তুনা লৈবগে? পুং ২৪ ঈশিং ওন্থোক্তুনা লৈগনি লেপ্পা-নাইদনা। তৌইগুম্বসুং মহাক্না মশামকপু খঙবা ওইদে মসি মলবার হিলসিদা মদুদি মসিগী মফম পুম্বদা লৈরিবা মীওইশিংবু, টোপ ক্লাসকী মীওইশিংবু মদুদি ঐখোয়দা করি থোক্লিবগে? নুংথিল-নুমিদাং পুণ্য মহি ওন্থোক্তুনা লৈ, মসিদি করুণা থম্বা য়াবা মদুগুম্বা ফীভম্নি! মসিদগী করিবু চা-চাদুনা, করিবু চাবা মথৌ তাগনি, মদু খঙবা ওইদে মরমদুনা মসি পুম্বা চৎথবা ওইরি। পাপানুবনধী পুণ্যনি। নুমিৎ চুপ্পদু হায় পৈশা, হায় পৈশা! কদায়দগী পৈশা তুংশিনগদ্রা, নুমিৎ চুপ্পা মদুগী ৱাখলদা, কদায়দগী বিষয়শিংগী নুংঙাইবা ফুগৎকনি, করিগুম্বা অসিগুম্না তৌবা, মদুগুম্না তৌবা, পৈশা! হায়, হায়, হায়, হায়। অমসুং য়েংউ অচৌ-অচৌবা চীংগুম্বা পুণ্যগী মহি ওন্থোকপা ওইরি। মদুগী পুণ্য লোইগদবা ওইরি, অমুক হন্না, ওইরম্বা মদুগুম্না, খুৎঅনীমক পুংহাং-হাংলি। মতুংদা মথোং-মরীদা (শা-ষণ) চৎতুনা লৈফম চারোই। মরমদুনা জ্ঞানী করুণা থল্লি মদুদি অরেরে! মসি অৱাবা অসিদগী নান্থোক্লগদি ফগনি। করিগুম্বা অফবা সঙয়োগ ফংবা ওইরগদি ফগনি। য়েংউনে মহাক্না সঙয়োগ অফবা ফংলি। মসিগী সেঠনা মদুদগী করম কান্দা নান্থোকপা অমসুং করম কান্দা মসিদা লাকপা, অসিগুম্বা ঐহাক্কী অপাম্বদি লৈ তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা মতাং-চাবা ওইদে অমসুং মতাং-চাবা ওইবদুনা মখোয়না লাকপা ওই মতুংদা।

**ৱাহং-হংলিবা :** দাদা, অতোপ্পা পারীবশিংবু মোক্ষকী অতোপ্পা ৱাফমশিং খঙবা ওইদে, তৌইগুম্বসুং মসি অৱাবগী ৱাফমশিংদদি য়াম্না জ্ঞান তাবা ওই।

**দাদাশ্রী :** মদুদি খঙবা ওইগনি, পুন্নমক্না খঙবা ওইগনি, মসি মৈরান(তশেং-তশেংবা)গুম্বা ৱাফম্নি! অরে মোক্ষকী ৱাফমবু থমখো লাপ্পা, তৌইগুম্বসুং অৱাবগী মাংহনবদি ওইরেদনা ঙসি! সংসারগী অৱাববু পামদবা অদুদি ওইরেদনা! অমসুং মদুনি নান্থোকপগী অহান্বা খুদমনি। অৱাবা নান্থোকপা ওইরে, সংসারগী অৱাবশিংদগী।

## ওবরড্রাফটকী শিজিন্নবা এডবান্সতা!

য়ুম মরীগী মপু, তৌইগুম্বসুং য়ুমদা পৈশা লুপা ৫ লৈতে অমসুং ভাৱনগর (গুজরাতকী মফম অমা)গী নীংথৌগুম্না পোংথোক-চাউথোকপা ওই! মতমদুদা মদুগী অহংকারদুগী করি তৌগনি?

**ৱাহং-হংলিবা :** দাদা, তৌইগুম্বসুং কয়ারক হন্না ব্যবহারদা অসিগুম্না ওইবা ওই মদুদি মীওইবনা অসিগুম্বা পুন্নমক থমবা ওইদনা, মহাক্না অসিগুম্বা পুন্নমক ফংবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** ফংবা ওইবা ওইরি, তৌইগুম্বসুং পাপ পুন্নমক পুনশিন্দুনা ফংবা ওই। মদুগী নিয়ম অসিগুম্বনি, নহাক্কী পুন্নমক খর্চ তৌদুনা, নহাক্কী কাওন্টর ৱেট থমদুনা নংনা মসি লৌরি অমসুং ঙসি লৈত্রগদি ওৱরড্রাফ্ট লৌই। মদু ওৱরড্রাফ্ট লৌদুনা মতুংদা মীওইবদগী শা-ঙাদা চৎপা ওই। মফম-মরাং খঙদনা লৌবা থবক কান্নবা ওইদে, মদুদি ইশাগী পুণ্যগী *সহজ* (মশা-মথন্তা) ফংবা ওইবা ওইগদবনি।

মরমদুনা ফংবা ওইরি, তৌইগুম্বসুং পুন্নমক ওৱরড্রাফ্ট লৌবা ওইরি। পূক্নীংদা হুরান্বগী ৱাখল মাংবা ওইদে, চীন্থীবগী ৱাখল, *কপট* (লোৎনা-থুপ্পা তৌবগী) ৱাখল মাংবা ওইদে, খুশিল-থৌরাংগী ৱাখল মাংবা ওইদে। মতুংদা করি, পাপ থক্তা পুনশিন্দুনা লৈগনিদনা? মসিদি পুন্নমক থোকপা ওইরোইদবনি, ফংজরগসু! মরমদুনা ঐহাক্তি ভেক(সনয়াস) লৌন্নবগী শেম-শারম্মী মদুদি মসিগুম্না করিগুম্বা দোষ পুনশিন্বা ওইরগদি সনয়াস লৌবনা ফৈ। শাথীবা ওইবা অৱাবশিং থক, অদুক্কী-মতীক শাবা মৈশাদা শৌরি! অজ্ঞান্দদি য়াম্না জ্ঞানতাবা মীওই, পুং ১ থক করিগুম্বা শৌরগদি, মদুগী মৈনিনগী মরম্না পূক্নীংদা অসিগুম্না ওইবা ওইরি মদুদি অৱে, হৌজিক করিসু পামদে। অচৌবা বুদ্ধীলৈবনা মৈনিন খঙবদা ৱানা থোকই, তৌইগুম্বসুং সুক্ষ্ম বুদ্ধি ওইবশিংনা মৈনিন খাংবা মতৌ করম্না ঙমগনি? মদুদি অঙকপনি!

## পুণ্যনুবনধী পুণ্য

পুণ্য অমদি ঙাওচৎ-নহল্লোইদবা মদুগুম্বা ওই, মদুগুম্বা পুণ্য হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না তাংনা ফংবা ওইরি অমসুং মদুসু মতম থরগী মতুংদা মাংবা ওইরগনি। মদুবু পুণ্যনুবনধী পুণ্য কৌই। করিগুম্বা মথলগী পুণ্য তৌবা, অফবা কর্ম অমসুং মদুদা সংসারগী ওইবা পান্দম লৈবা ওইদবা, সংসারগী ওইবা করিগুম্বা অপাম্বা লৈতবা, মদুগী মতমদুদা পুনশিন্বা পুণ্যদু, মদু পুন্যানুবনধী পুণ্য।

পুণ্য ফুগৎপা ওইরি অমসুং লোয়ন্না আত্মাগী য়াইফন্বগীদমক হোৎন্বা, থবক তৌবা ওই। পুণ্য ফুগৎপা ওইরি অমসুং অনৌবা পুন্য পুনশিন্বা ওইরি, মদুদগী চাউখৎ-য়াইফবদগী মোক্ষ মহে ফংবা ওইরি। পুণ্যনুবনধী পুণ্য করম্ববু কৌবগে মদুদি ঙসি পুণ্য ওইরিবদু, হরাও-তায়াম্না নুংঙাইববু ফুগৎলি, করিগুম্বা অৱাবা লৈবা ওইদবা অমসুং মতুংদা অমুক-হন্না ধর্মগী অমসুং ধর্ম থক্তগী নুমিৎ চুপ্পা তৌদুনা লৈবা, মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্যনি। মদুগুম্বা ৱাখল লাক্লগদি, ধর্মগী থক্তগী, সতসঙ্গদা লৈন্নবগী ৱাখল থক্তা লাকপা। অমসুং মদুগী পুণ্যদগী নুংঙাইন্বগী-ফেসিলিটি য়াম্না লৈতবা, তৌইগুম্বসুং অৱাংবা ৱাখল লাকপা মদুদি মতৌ করম্না কনাগুম্ববু অৱাবা ওইদবা অসিগুম্বা ব্যবহার তৌবা, অসিগুম্বা শাজৎ তৌবা, ফনমক মশাদা অৱাবা থরা তারবসু, মদুদা অকায়বা ওইদে, তৌইগুম্বসুং কনাগুম্ববু অৱাবদা থাদরোই, মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য কৌই মরমদুনা অনৌবা কোন্ট্রেক্টসু পুণ্যগী ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্যনুবনধী পুণ্য খুদম পীবিয়ু।

**দাদাশ্রী :** ঙসি কনাগুম্বা মীওইবগী মনাক্তা গাড়ী-বঙ্গলো খুলাই পুন্নমক লৈরি, নুপী অফবা ওইরি, অঙাং অফবা ওইরি, সেবারি ফবা ওই, মদু করিগুম্বা অফবা থরা ফংলিবা, মদুনা করি তাকপগে? মীয়াম্না হায়রি, 'পুণ্যলৈবনি।' হৌজিক মসি পুণ্য লৈবনা করি তৌবা ওইরিবগে, মদু ঐখোয়না য়েংবা ওইরগদি নুমিৎ চুপ্পা সাধু-সন্তশিংগী সেবা তৌবা ওই, অতোপ্পগী সেবা তৌই অমসুং মোক্ষগীদমক হোৎনবা ওই। অসিগুম্না তৌ-তৌদুনা মহাক্না মোক্ষকী খুৎলাইসু ফংবা ওইরি। হৌজিক পুণ্য লৈ অমসুং অনৌবা পুণ্য পুনশিল্লি অমসুং পুণ্য খজিক ফংলি, তৌইগুম্বসুং ৰাখল মতুংদা মদুগুম্না লাকপা ওইরি, 'মোক্ষতা চৎকনি' মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য। মসি অদোম্না ঐহাকপু ফংবা মদু অদোমগী করিগুম্বা পুণ্যনুবনধী ওইরমগনি, মদুগী মতেংনা ফংবা ওইরি। খজিক্তং অসুম্না হেক ঈশিং মরিক্কুম্না তাবা ওইরমগনি, নত্রগদি ফংবা ওইরোই।

অনম-কন্বদগী তৌখিবা থবক পুন্নমক, অনম-কন্বা তপ, অনম-কন্বা থবক, মদুদগী পাপানুবনধী পুণ্য পুনশিন্বা ওই। মসি নত্তবদা ফজনা খঙলগা তৌবা তপ, থবকশিং, মশাগী আত্মাগী য়াইফন্বগী পান্দমগা লোয়ন্না তৌখিবা কর্মশিংদগী পুণ্যনুবনধী পুণ্য পুনশিল্লি অমসুং করিগুম্বা মতমদা জ্ঞানী পুরুষ ফংবা ওইরি অমসুং মোক্ষতা চৎপা ওইরি।

## মীৎয়েং অনীমক তোঙান-তোঙাল্লি

**ৰাহং-হংলিবা :** হৌজিক্কী মতমদা ইচমচম্বা মীওইনা অসিগুম্না মাল্লি, মদুদি ফত্তবা লম্বী নত্রগা ফত্তবা কর্মশিংদগী মপাল-থোংগী নুংঙাইবা অমসুং নুংঙাইন্বগী মচাকশিং ফংবা ওইরি, মরমদুনা মথোয়না মহৌশাগী নিয়ায়গী মথক্তদগী থাজবা মাংবা ওই অমসুং ফত্তবা কর্ম তৌন্নবগীদমক ইথীল-ফাওহল্লি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদু পুন্নমক ইচমচম্বা মীওইনা মদুগুম্না মান্বা ওইরি। ফত্তবা লম্বীদা অমসুং ফত্তবা কর্মশিংদগী মপাল-থোংগী নুংঙাইবা ফেশিলিটি ফংবা ওই, মদু করিগীনো হায়বদা মদুদি মসি কলিয়ুগনি অমসুং দুষমকালনি। মীয়াম্না, মপালথোংগী নুংঙাইবা অমসুং ফেশিলিটি পুণ্য য়াওদনা ফংবা ওইদে। লুপা অমফাও পুণ্য য়াওদনা খুত্তা লাকপা ওইদে।

পাপানুবনধী পুণ্য অমসুং অমনা পুণ্যনুবনধী পুণ্য, মসি অনীসিবু শকখঙন্বগীদমক ইশাগী খঙনবগী শক্তি দরকার ওই।

মরমদুনা মশামক্না করিবু ফুগৎলি? পুণ্য, মদু ওইজরবসু করিবু পুনশিন্বা ওইরিবগে। পাপ পুনশিল্লি। মরমদুনা ঐখোয়না অসিগুম্না মাল্লি মদুদি অসিগুম্বা পাপকী ফত্তবা কর্ম তৌবা ওই অমসুং নুংঙাইবা মতৌ করম্না ফুগৎপগে? নত্তে, ফুগৎপা ওই মদুদি পুণ্যনি, অরান্বা নত্তে। করিগুম্বদা পাপকী মহৈ নুংঙাইবা ওইবা ওইদে। মসিদি অনৌবা মওংদগী মহাক্কী লাক্কদৌবা পুন্সিবু মাংহন্বা তৌরি। মরমদুনা অদোম্না অসিগুম্না মান্বা ওই মদুদি মসিগী মীওইসিনা অসিগুম্না করিগী তৌরিবা?

অমসুং মতুংদা মহৌশানা মহাকপু হেল্ল তৌরি। মরমদি মহৌশানা মহাকপু মথাদা পৃথগদবা ওইরি, অনেম্বা মপোক্তা, মরমদুনা মহাকপু হেল্ল তৌবা ওইরি। অমসুং অনৌবা হুরান্বা লৈদনা অমসুং ঙসি ফুরিৎথাওদা খুৎথীংজিন্বা, মদু ওইরগদি মহাকপু ফাহন্বা ওইহল্লি মদুদি ইবুংঙো নত্তে, মসিদা তাখ্রগদি মথাদা চৎথিবা ওইগনি। অনৌবা হুরান্ববু ফাহন্বা ওই, করিগীদমক? অৱাংবা মপোক্তা পূগনি অমসুং মদুগী অশেংবা হুরান্বা ওইবা, মহাকপু চৎথহন্বা ওইহল্লি। অনেম্বা মপোক্তা চৎলু, য়াম্না চৈনা ফংউ, অনৌবা হুরান্বা তৌবা ওইরগদি ফাগনি নত্রগা ফাদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** ফাবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** হোয়্, অমসুং অশেংবা হুরান্বা ওইবদি ফবা ওইদে মতুংদা। সরকার অসিগুম্না তৌই, মদুগুম্না তৌই, তৌইগুম্বসুং মহাক করিগুম্বা অমত্তদসু ফবা ওইদে। মহাক্না কনাগুম্বগী লাংদা থুবা ওইদে। পুম্নমক য়োন্দুনা চাগদবা মদুগুম্বনি! কয়া অমনা হায়রিদনা, ইনকম টেক্স ওইবশিংবু ফুরিৎথাওদা হাপতুনা চৎলি। মশাগী খুদোং- থীনিংঙাইগী মথক্তা ঙাংলিদনা! মসি থবক পুম্নমকশিং মহাক্না মশাগী দাইতাদা ওইনা তৌরিদনা? মদুবু ঐখোয়গী দাইতদরা?

## পাপানুবনধী পুণ্যগী লক্ষ্মী

পাপানুবনধী পুণ্যগী লক্ষ্মী হায়বদি করিনো? মদুগী লক্ষ্মী লাক্লবা মতমদুদা মহাক্না কদায়দগী লৌগনি, কনাদগী লৌগনি, *অগহক্কী* মদুবু নুংঙাইথোকপা, *অগহক্কী* মুন্বা, মদুগুম্না পুম্নমক শারমচৎকী ৱাখল লাকপা ওই। কনাগুম্ববু মতেং-পাঙনবা ৱাখলদি মমীং থকফাও লাকপা ওইদে। অমসুং মদুদসু দান তৌরগদি মদু ওইরগদি মমীং তানশিন্নবগীদমক, করম তৌনা মীং তানশিনগনি? মসি নত্তনদি, কনাগুম্বগী থম্মোয়বু ঈংথবা ওইহনদে। মসিদা থম্মোয়বু ঈংথবা ফংবা ওই, জ্ঞানী পুরুষকী প্রেজেন্সতা। নুমিদাং চুপ্পা থম্মোয়বু ঈংথদুনা লৈবা ওই অমসুং থম্মোয়দা ঈংথবা ওইরগদি, মদুদি লুপা লাক্ষ ৫-৫ পীবগুম্বনি, মীওই অমমমবু। মদু ওইজরবসু থম্মোয়দি পেন্বা ওইরোই মতমচুপ্পদা, পৈশা পীবদগী ওন্না-তৈন্বা অৱাবা ওইবা ওইরি।

মরমদুনা মসি পাপানুবনধী পুণ্যনি, মঙোন্দগী মসিদা লাকপা ঙমল্লোই। মরমদুনা ঐখোয়গী মসিদা অসিগুম্বা লক্ষ্মীপতি লাকপা ঙমদে। মসিদদি পুণ্যনুবনধী পুণ্য, অশেংবা লক্ষ্মী ওইবা, অসিগুম্বা থক তুংবা ওই। অশেংবা হায়বদি অতোপ্পা করিসু নত্তবা, মসি কালগী হিসাবতগী ১০০% অশেংবদি ওইবা ওইদে। ঐহাক্কী য়ুমদসু ১০০% শেংবদি ওইদে। তৌইগুম্বসুং মসি কালগী হিসাবতগী মসি অফবা ৱাখল ওইরি মদুদি মহাকপু মতৌ করম্না নুংঙাইবা ওইবা, মতৌ করম্না মহাকপু জ্ঞান ফংবা ওইনবা, ধর্মগী ৱাখল লাকপা, মদু অফবা লক্ষ্মী কৌবা ওই। পুণ্যনুবনধী পুণ্যগী লক্ষ্মী কৌবা ওই। মদুগী পুণ্যনুবনধী পুণ্য হায়বদি পুণ্য লৈ অমসুং অমুক হন্না অনৌবা পুণ্য পুনশিন্বা ওইরি। ৱাখল পুম্নমক অফবা ওই অমসুং অতোপ্পদুগীসু পুণ্য লৈ, অমসুং ৱাখল ফত্তবা ওই, হায়বদি করিবু নুংঙাইথোক্কনি, কদায়গী পুরক্কনি, নুমিৎ চুপ্পা, নুমিদাংদসু তুম্না-তুম্না মশীন চৎথদুনা লৈরি, নুমিদাং চুপ্পা।

অমসুং মতুংদা মখোয়শিংগী মদুদা দর্শন–খোংদোল পাংলক্নবা তৌন্নবগীদমক ঐহাকপু কৌবা ওইরি, মদুদা মুম্বৈদা। মরমদি মীয়াম্না খঙবা ওই মরমদুনা দর্শনগীদমক য়ুমদা পূদুনা চৎলি। মদুদা চৎলি, মতমদুদা অসুম ওইনদি লুপা করোর–করোরশিংগী মপু ওইবা ওই, তৌইগুম্বসুং অসিগুম্না অশীবগুম্না ফমহন্দুনা থম্বগুম্না, মদুগুম্না উই ঐহাক্না মীয়ামশিংবু। মহাক্না জয়–জয় তৌইদনা! ঐহাক্না খঙবা ওই মদুদি মসি তোল্লবা অশীবগুম্বনি। মতুংদা মদুদা উবা ওই মদুদি কনা–কনা অফবা ওইবগে? মদুদা মহাক্কী সেবারী থেংনৈদনা, অরে! হকচাং ফাবা, ঙাকশং–ঙাংবা, ঙাকশং–ঙাকশং ঙাংবা... মতুংদা মদুগী ঐগ্য থেংনৈদনা, মহাক্তি মতুম–তানা পোমথোকপগুম্বা, হাফুজকী হৈনৌ য়েংলোদনা! মতমদুদা ঐহাক্না খঙবা ওই মদুদি মসি সেঠমীয়ামশিং অনেম্বা মপোক্তা চৎকদৌবা ওইরি, মদুগী ঙসি মসি খুদম উবা ফংরি।

মথেল 32 য়াওবা পুখম ওইবা, তৌইগুম্বসুং মদুদি চাবা ঙমবা ওইদে। ঐখোয় পুন্না চাক–চামিন্নবা, তৌইগুম্বসুং সেঠতা ঐহাক্না হায়রম্মী, করিগী অদোম্না চাদ্রিবা? মতমদুদা হায়গনি, ঐহাক ডায়বেটিস লৈ অমসুং ব্লডপ্রেশর লৈ।

হৌজিক সেঠপু ডোক্টরনা হায়বা ওই মদুদি 'য়েংউ, ব্লডপ্রেশর লৈ অদোম, ডায়বেটিস লৈ, করিগুম্বা চাবা থকপা তৌগদৌবা নত্তে। চানানগী রোটি অমসুং খজিক্তং দহী চাউকো..., অতোপ্পা করিগুম্বা চাগদবা নত্তে। অরে ইবুংঙো, ঐখোয়গী মসিদা ঐখোয়না ষণবু লৌবুক্তা পূবা ওই, মদুগী ষণনা করিগী চাদ্রিবনো? লৌবুক্তা লৈরগসু? মতমদুদা হায়, নত্তে, থৌরিনা পুনশিন্বা ওইরি। মসিদা চীন্বান্দা পুনশিল্লিদনা করিগুম্বা অমা? করিবু কৌবগে মদু?

**ৱাহং–হংলিবা :** লাং(থৌরিনা শেম্বা)।

**দাদাশ্রী :** 'ঐখোয়গী মদুদা 'শীকি' কৌই মদুবু। মদু পুনশিন্বা ওইদনা, তোল্লববু চাগদবা ওইরগসু চাবা ঙমদে। ডাক্টরনা হায়বা ওই মদুদি শীগনি মরমদুনা...মদুগুম্না মসি মীয়ামশিংবুসু থৌরিনা পুনশিন্বা ওই।

হায়বদি নর্ককী চৈনা থক ফুগৎপা ওইরি। ঐহাক্না সেঠশিং পুম্নমক্কী মফমদুদা চৎলম্মী। মতুংদা মসিদা দর্শন তৌহল্লি, মতমদুদা করিগুম্বা শান্তি লৈবা ওই। ঐহাক্না হায়বা ওই দাদা ভগৱানগী মমীং লৌদুনা লৈয়ু। মরমদি জ্ঞানদি মহাক্কী হিসাবতা লাকপা ওইবা ওইদে। মখোয়গীদমক ব্যবস্থা তৌরগসু মদু ওইজরগসু লাকপা ঙম্বা ওইদে। মরমদুনা য়াম্না অৱাবনি মদুদি।

## পুণ্য ওইবা থক্না নুংঙাইববু ফুগৎপা খঙবা ওই

লক্ষ্মী মীওইববু খুশুমল–শুবগুম্না ওইহল্লি। করিগুম্বা লক্ষ্মী দরকার ওইবদগী হেন্না লাক্লগদি, মতমদুদা মতুংদা মীওইবা খুশুমল–শুবগুম্না ওইবা ওই। মহাক্কী মনাক্তা লক্ষ্মী হেন্না হেন্বা ওইরি তৌইগুম্বসুং লোয়ন্না–লোয়ন্না মহাক দানেশ্বারনি, মরমদুনা ফৈ। নত্রগদি খুশুমল–শুবা কৌগনিদনা! অমসুং নুমিৎ–চুপ্পা কন্না হোৎন্দুনা

লৈবা ওই, মহাক্না নুপীবুসু নাচুংদবা ওই, অঙাংশিংবুসু নাচুংদবা ওই, কনাগুম্বা অমত্তগী নচুংদবা ওই, লক্ষ্মী থক্কী থন্বা ওই। মরমদুনা লক্ষ্মী মীওইববু তপ্না-তপ্না খুশুমল-শুবদৌনা ওইহন্বা ওই অমসুং মতুংদা মহাকপু শা-ষণগী মপোক্তা পূবা ওই। মরমদি পাপানুবনধী পুণ্যনিদনা! পুণ্যনুবনধী পুণ্য ওইবা ওইরগদি কায়বা ওইদে। পুণ্যনুবনধী পুণ্য করম্ববু কৌবগে মদুদি নুমিৎ চুপ্পদা পুংখায় অমখক হোৎন্বা মথৌ তাই। মহাক্না পুংখায় হোৎনরগসু থবক পুম্নমক ইরাই-লাইনা তপ্না-তপ্না চৎথদুনা লৈ।

মসি জগতসিদি অসিগুম্বনি। মদুদা নুংঙাইবা ফুগৎপসু লৈবা ওই অমসুং হোৎনবশীংসু লৈরি, পুম্নমক য়ানশিন্নবা ওই। হোৎনরিবা অদুনা অসিগুম্না থন্বা ওই মদুদি 'মসি ঐহাক্না তৌরি।' মদুগী মঙোন্দা অহংকার লৈবা ওই। মসি নত্তবদা নুংঙাইবা ফুগৎলিবদুদা অহংকার লৈতবা ওইবা, মতমদুদা মহাকপু নুংঙাইবা ফুগৎপগী মহাও ফংবা ওই। মদুগী হোৎন্বা তৌবা ওইরিববু অহংকারগী *গর্বরস* ( ঐনা তৌবনি; অতৌবা-ওইবগী মহাও ) ফংবা ওই।

সেঠ অমনা ঐঙোন্দা হায়, 'ঐহাক্কী ইচানুপাবু করিগুম্বা খরা হায়বীয়ু, হোৎননীংদে। মকা-লাম্না নুংঙাইথোক্লি।' ঐহাক্না হায়, 'করিগুম্বা হায়গদবগী মথৌ তাদে। মহাক্না মহাক্কী মশাগী শরুক্কী পুণ্য ফুগৎপা ওইরি, মদুদা ঐহাক্না করিগীদমক খুৎথীংজিনগনি?' মতমদুদা মহাক্না ঐঙোন্দা হায়বা ওই মদুদি, 'মহাকপু হৈথোই-শিংথোইবা শেল্লোইদ্রা?' ঐহাক্না হায়, মালেম অসিদা নুংঙাইববু ফুগৎলিবদুদি, মহাকপু হৈথোই-শিংথোইবা কৌগনি। মপান্দা হুন্দোকপা মদুবু অঙাওবা কৌগনি অমসুং হোৎন্দুনা লৈবা মহাক্না খুৎশুমল-শুবা কৌগনি। তৌইগুম্বসুং হোৎন্বা অদুদি মহাক্না অহংকারগী মহাও ফংবা ওইদনা! কোট অশাংবা লিৎতুনা চৎলি মরমদুনা মীয়াম্না 'সেঠজী লেংশিনবীরকউ, সেঠজী লেংশিনবীরকউ' তৌরি, মসিখক্তনি অমসুং ফুগৎলিবা অদুনদি অসিগুম্বা করিগুম্বা সেঠ-বেঠকী দরকার ওইবা ওইদে। 'ঐখোয়নদি ইশাগী ফুগৎপা মদুমখৈ ফরে' হায়বা ওইরি।

হৌজিক লৈরিবদু, মদুবু লক্ষ্মী কৌবা ওইদে। মসিদি পাপানুবনধী পুণ্য ওইবা লক্ষ্মীনি। মদু ওইরগদি পুণ্য অসিগুম্না পুনশিনখিব্রা নত্রগা অজ্ঞানদা তপ তৌখিব্রা, মদুগী পুণ্য পুনশিনখি ওই। মদুগী মহৈ লাক্লি, মদুদা লাক্ষ্মী লাক্লি। মসি লক্ষ্মী মীওইবু অঙাওবা-অপং শেম্বা ওই। মসিবু করম্না নুংঙাইবা কৌগদোইনো? নুংঙাইবদি, পৈশাগী ৱাখলবু লাক্তবা, মদুবু নুংঙাইবা কৌগনি। ঐহাক্তি চহী অমদা অমুক্তং ৱাখল লাকপা ওই মদুদি ফুরিৎখাওদা পৈশা য়াউব্রা নত্রগা য়াউদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** পোৎলুমগুম্না ফাওব্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, পোৎলুমদি ঐহাক্না ফাওবা ওইদে। তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না মদুগী ৱাখল ফাও লাক্তেদনা! করিগীদমক ৱাখল থনগনি? পুম্নমক ইমাং-তুংদা শেমশাদুনা লৈবা ওইরি। হায়বদি চানা-থক্কবা অদোমগী টেবলদা লাকপ্রা নত্রগা লাক্তব্রা?

## শীংদোকপা, পৈশাশিংগী নত্রগা বেদনীয় (চৈনা) গী?

মসিদি নুংনা পানবা ওইরিবা মহাক্কী মরালনি। অৱাবা নংলিবা মহাক্কী মরাল মসি থক্তা নত্তনা তৌইগুম্বসুং ফুগৎন্নবগী প্রাইজসু লৈবা ওইরি। পাপগী প্রাইজ(মনা) ফংলগদি মদু মহাক্কী ফত্তবা থৌদাংশিংগী দন্ড অমসুং লৈ-চাইরগদি মদু মহাক্কী অফবা থৌদাংগী পুণ্যগী প্রাইস, মদু ওইজরবসু অনীমক শিংদোকপনি, অশাতাগী নত্রগা শাতাগী।

মহৌশানা করি হায়বগে? মহাক্কা পৈশা কয়া থর্চ তৌথিবগে, মদু ঐখোয়গী মসিদা মদু য়েংবা ওইদে। মদুদি *বেদনীয়* (চৈনা)করম্বা নংলিবগে? *শাতা* নত্রগা *অশাতা,* মদুথক ঐখোয়গী মসিদা য়েংবা ওই। পৈশা লৈবা ওইদ্রগসু শাতা ফুগৎগনি অমসুং পৈশা লৈরগসু অশাতা ফুগৎকনি। মরমদুনা *শাতা* (নুংঙাইবা)নত্রগা *অশাতা* (অৱাবা)বেদনীয় ফুগৎলি, মদু পৈশাশিংগী মথা-পোনদে।

## অশেংবা শমপতি (লনদি) নুংঙাইবা পীবা ওই

লুপা লাক্ষ ১০ মপানা মচাবু পীবা ওইবা অমসুং মপানা হায়বা ওই মদুদি ‘হৌজিক ঐহাক্না আধ্যাত্মিক পুন্সি হিংলগনি।’ মতমদুদা মদুগী মচানুপানা মতম চুপ্পদা য়ু থকপদা, শা–ঙা চাবদা, শেয়র-বাজারদা, পুন্নমক্তা মহাক্না পৈশা মাংবা ওইরি। মরমদি পৈশা ফত্তবা লম্বীদা তুংশিন্বা ওইবদুদি, মদু মশাগী মনাক্তা লৈবা ওইদে। ঙসিদি অশেংবা পৈশাসু-অশেংবা হোৎন্বগী পৈশা লৈবা ওইদে, মদু ওইরগদি অরান্বা পৈশাদি মতৌ করম্না লৈগনি? মরমদুনা পুণ্যগী পৈশা দরকার ওইগনি, মদুদা অপ্রমাণিক্তা (পুকচেল-শেংদবা) লৈতবা। লমচৎ শেংবা, মদুগুম্বা পৈশা ওইরবা, মদু নুংঙাইবা পীগনি। নত্রগদি হৌজিক দুষমকালগী পৈশাসু পুণ্যগী কৌগনি, তৌইগুম্বসুং পাপানুবনধী পুণ্যগীনি, মদু পাপ থক্তা পুনশিন্বা ওই। মসিগী মহুত্তা মদুগী লক্ষ্মীজীদা হায়য়ু, ‘অদোম লাক্কনু, অসুন্না লাপনা থক লৈয়ু। মদুদা ঐখোয়গী লেমজনীংঙাইদু ফবা ওই অমসুং অদোমবুসু লেমজনীংঙাই হেঙ্গৎকনি।’ মসি বঙ্গলো শারি, মদুগী পাপানুবনধী পুণ্য পুন্নমক হাংদোক্কুনা উরি। মদুদা মসি কনাগুম্বা ওইরমগনি, লিশিং অমদা মীওই অমা মদুদি মহাক্কী পুণ্যনুবনধী পুণ্য ওইবা। মসি নত্তনা, মসি পুন্নমক পাপানুবনধী পুণ্যনি। অসুক য়াম্বা লক্ষ্মীদি লৈরমগদ্রনে করিগুম্বদা? পাপ থক্তা পুনশিন্দুনা লৈ, মসিদি শা–ষণগী মপোক্তা রিটর্ন টিকট লৌদুনা লাকপা ওইরি।

মীনিট অমফাও লৈবা ঙমদবা মদুগুম্বা মসি সংসার, অদুক্কী মতীক পুণ্য লৈজরগসু মনুংদা মৈচাক-চাক্কুনা হন্থবা ওইদে, মৈচাক লেপ্পা নাইদনা চাক্কুনা লৈ। মনুংদা মৈচাক করিগী ওইরিবা? মনুংগী মৈচাক পাপ–পুণ্যগী মথা–পোনবা ওইদে। মনুংগী মৈচাক ‘রোগ বিলিফ’কী মথা-পোল্লি। মাইগৈ মরীদগী ফর্সট ক্লাস সঙয়োগ ওইবা, মদু ওইজরগসু মনুংগী মৈচাক লৈদুনা লৈবা ওই। মদু হৌজিক করম্না মুথৎকনি? পুণ্যসু অরোইবদা লোইবা ওইগনি। মালেম অসিগী নিয়মনি মদুদি পুণ্য লোইবা ওই। মতুংদা করি ওইগনি? পাপকী উদায় ওইগনি। মসিদি মনুংগী মৈচাক্কি অমসুং পাপকী উদায়গী মতমদা মপানগী মৈচাক লাক্কুনা লৈগনি। মদুগী মতমদুদা নহাক্কী করি দশা

ওইগনি? মরমদুনা চেকশীলহৌরো, অসিগুম্না ভগৱান্না হায়রি।

## পুণ্য থক্তদগী ফংবা পৈশা

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক কান্দি পাপীগী মনাক্তা থক্তা পৈশা লৈ।

**দাদাশ্রী :** পাপীগী মফমদা নত্তে। ঐহাক্না অদোমবু খঙহনগে ফজনা। অদোম ঐহাক্কী ৱাফমসি খঙউ অমুক্তং মদুদি পুণ্য য়াওদনদি পৈশা অদোমবু থেংবফাও থেংলোই। কালেবাজারগীসু থেংবা ওইরোই নত্রগা অঙৌবা বাজারগীসু থেংবা ওইরোই। পুণ্যা য়াওদনদি হুরান্বগীসু পৈশা ঐখোয়বু শোকপা ওইরোই। তৌইগুম্বসুং মদু পাপানুবনধী পুণ্যনি। অদোম্না হায়রি মদুবু পাপ, মদু অরোইবদা পাপ থক্তদা পুথবা ওই। মদুগী পুণ্যদু অনেম্বা মপোক্তা পুথবা ওই।

ফত্তবা পৈশা লাক্লগদি মতমদুদা ফত্তবা ৱাখল লাকই মদুদি কনাগীবু নুংঙাইথোক্কনি, নুমিৎ চুপ্পা পোৎ-য়ানশিন্নবগী ৱাখল লাকপা ওই, মদু অনেম্বা মপোক্তা চৎপা ওই। পুণ্য নুংঙাইবা ফুগৎপা ওইদে অমসুং অনেম্বা মপোক্তা চৎপা ওই। মসিগী মহুত্তা পুণ্যনুবনধী পাপতি অফবা ওই মদু ঙসি ইঙ্গাং লৈন্নবগী পৈশা লৈতে, তৌইগুম্বসুং নুমিৎ-চুপ্পা ভগৱানগী মীংদি লৌবা ওইরি অমসুং পুণ্যনুবনধী পুণ্য ওইবা, ওইরগদি মদুগী পুণ্য ফুগৎপা ওইরি অমসুং অনৌবা পুণ্য শেম্বা ওই।

## ...মদু ওইরগদি লাক্কদৌবা মপোক্কীসু শোয়রে

**ৱাহং-হংলিবা :** ঙসিগী মতমসি অসিগুম্বনি মদুদি মীওইবা মশাগী চানা-থক্লবা মপুংফানা তৌবা ঙমদে। মদু মপুংফানা তৌন্নবগীদমক মহাক্না অশেংবা-চীন্বীবা তৌবা মতৌ তাই, মদু ওইরগদি মদু তৌবা য়াব্রা?

**দাদাশ্রী :** মদুদি অসিগুম্বনি, মদুদি পূদুনা ঘী থকপগুম্বা। মদুগুমলবা ব্যপারনি মদু। মসি অরান্বা তৌবদগী হৌজিক অৱাৎপা ওইবা ওইরি, হৌজিক অৱাৎপা ওইরি মদুগী মরম করিনো? মদু পাপনি মরমদুনা ঙসি ৱাৎপা ওইরি। ইঙ্গাং মনা-মশিং লৈতে, অতোপ্পা করিসু লৈতে। মদু ওইজরবসু হৌজিক করিগুম্বা অফবা ৱাখল লাক্লগদি, ধর্মদা-লাইশংদা চৎনবা, উপাশ্রয়(সাধুশিংগী লৈফম)দা চৎন্নবা, করিগুম্বা সেবা তৌন্নবগী, অসিগুম্বা ৱাখল লাক্লগদি ঙসি পাপ ওইজরি, মদু ওইজরবসু মহাক্না পুণ্য পুনশিন্বা ওইরি। তৌইগুম্বসুং পাপ লৈবা অমসুং অমুক-হন্না পাপ পুনশিন্বা, মদুগুম্না ওইরোইদবনি। পাপ ওইবা, ৱাৎপা ওইবা অমসুং মদুগুম্বা ওন্ন-তৈন্বা তৌরগদি মতুংদা ঐখোয়গী নাক্তা করিবু লৈহৌরি?

## মদু হৈশিংবগীরা নত্রগা হোৎনবগী তানশিনব্রা?

ৱাফমদি খঙবা মথৌ তাইদনা? অসিগুম্না কদায় ফাওবা পোল(ওন্না-তৈন্বদা) চৎকনি? অমসুং উপাধি পামবদি ওইবা ওইদে। মসি মীওইবগী হকচাং

উপাধীদগী নান্থোক্লবগীদমক্নি। পৈশা থক তান্নবগীদমক নত্তে। পৈশা করিদগী তানশিনব্রা? হোৎনবদগী তানশিনব্রা নত্রগা বুদ্ধিদগী?

**ৱাহং-হংলিবা :** অনীমক্তগী।

**দাদাশ্রী :** করিগুম্বা পৈশা হোৎনবদগী তানশিনবা ওইরগদি মসি থুৎশুমল-শুরিবশিংগী মনাক্তা পৈশা য়াম্না লৈবা ওইরমগনি। মরমদি মসি থুৎশুমল-শুবনা হেন্না হোৎনৈদনা! অমসুং করিগুম্বা পৈশা বুদ্ধী থক্তদগী তানশিন্বা ওইরগদি মদু ওইরগদি মসি পনডিত পুন্নমক লৈরিদনা! তৌইগুম্বসুং মথোয়গীদি চপ্পলফাও তংথায় য়ৌনা তুম্বা ওইরি। পৈশা তান্বা বুদ্ধিগী মশান্না নত্তে নত্রগা হোৎন্বগী মশান্না নত্তে। মদুদি ঐথোয়না মমাং-মপোক্তা পুণ্য তৌবা ওইথি, মদুগী মহৈগী শক্তম অদোম্না ফংবা ওইরি। অমসুং মাংবা, মদু পাপ তৌথিবা ওই, মদুগী মহৈগী শক্তমনি। পুণ্য অমসুং পাপকী মথা-পোন্না লক্ষ্মীনি। মরমদুনা লক্ষ্মী করিগুম্বা পাম্বা ওইরগদি ঐথোয়না পুণ্য-পাপকী ধ্যান থমগদবনি।

ভুলেশ্বরদা কনাগুম্বগী চপ্পল তংথায় তুমথ্রবা, মদুগুম্বা য়াম্না হৈশিংবা মীওইসু লৈরি। কনাগুম্বা মীওইনা থাগী লুপা ৫০০ তানশিল্লি, কনাগুম্বনা ৭০০ তানশিল্লি, কনাগুম্বনা ১১০০ তানশিল্লি। লাও-খোংদুনা থম্বা ওইরি মদুদি ১১০০ তাল্লে হায়দুনা। অরে, তৌইগুম্বসুং নহাক্কী চপ্পলদি তংথায়গী তংথায় ওইরি। য়েংউ মকোক লৈবশিংগী ফেক্টরি! অমসুং মকোক লৈতবনা য়াম্না তান্বা ওই। মকোক-লৈবনা লুডো-মরু থাদরগদি চুম্না তাবা নত্রগা অপং ওইবা মীওইদুগী লুডো-মরুদু চুম্না তাব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্য লৈবা অদুগী চুম্না তাবা ওই।

**দাদাশ্রী :** বস, মদুদদি হৈশিংবা-চৎতেদনা! মকোক লৈবদুগীদি ওন্নবদা ফত্তবা ওই। হৈশিংবা অদুদি মহাকপু অৱাবদা হেল্প তৌবা ওই। অৱাবদা মতৌ করম্না পুন্নমক অমুক হন্না ফহন্নবা, মদুগুন্না মহাকপু হেল্প তৌবা ওই।

## লৌশিং মুনীমগী অমসুং পুণ্য সেঠ কী

লক্ষ্মীজী কনাদগী লাকপগে অমসুং কনাদগী চৎপগে, মদু ঐহাক্না খঙই। লক্ষ্মীজী হোৎন্বদগী লাকপা ওইদে নত্রগা হৈশিংবদগী নত্রগা ট্রিক থবক্তা শিজিন্বদগী লাকপা নত্তে। লক্ষ্মী করিদগী তানশিন্বা ওইবগে? করিগুম্বা চুম্না-তান্বা য়ারগদি ঐথোয়গী মনত্রিশিংনা আনা ৪ফাও ফংবা ওইদে। মসি লক্ষ্মীদি পুণ্যদগী তানশিবা ওই। অঙাওবা ওইরগসু পুণ্যদগী তান্বা ওই।

লক্ষ্মীদি পুণ্যদগী লাকপা ওই। বুদ্ধিগী উপয়োগ তৌবদগীসু লাকপা ওইদে। মসি ফেক্টরি মপুশিং অমসুং সেঠশিংদা বুদ্ধি মরিক অমফাও লৈতে, তৌইগুম্বসুং লক্ষ্মী অদুক্কী মতীক লাকই অমসুং মহাক্কী মুনীম(মেনেজর)বুদ্ধি শিজিন্নদুনা লৈ,

ইনকম টেক্সকী ওফীস্তা চৎপা ওই মতমদুদা সাহেবকী থোন্থীসু মুনীম্না চাই, মসি নত্তবদা সেঠ অদুদি পোত্থাদুনা তুম্বা ওই।

সেঠ অমা লৈরম্মী। সেঠ অমসুং মহাক্কী মুনীম অনীমক ফম্বা ওইরম্মী, অহমদাবাদ তনিদনা! ঊগী বেন্সকী মথক্তা মোমপাক, মদুগুম্বা ফমুং, মমাংদা টিপোই (চাগী টেবল)! মদুগী মথক্তা চান্নবগী ফুখম লৈরম্মী। সেঠ চান্নবগী ফমলম্মী। সেঠকী ডিজাইন হায়য়ুরা। লৈবাক্তগী ফুট ৩ ৱাংনা ফম্লম্মী, লৈবাক্তগী মথক্তা ফুট ১গা মথায় মকোক। মমাইদি ত্রাইঙ্গল মওং অমসুং অচৌ–অচৌবা মীৎ অমসুং অচৌবা নাটোন, খুত্তি অচৌ–অচৌবা পকোড়াগুম্বা অমসুং মনাক্তা ফোন। চা–চাদুনা ফোন লাকপা অমসুং মহাক্না ৱারি শারম্মী। সেঠ অদু চাবদী হৈরমদে। পুরীগী মচেৎ ২-৩ মখাদা তারম্মী অমসুং চাক্তি পুমচাই চাইরম্মী মখাদা। ফোনগী মখোন লাকপগা অমসুং সেঠনা হায় মদুদি, ‘মপুন ২০০০ লৌরো।’ অমসুং মথংগী নুমিত্তা লুপা লাখ ২ তান্বা ওই। মুনীমজী ফমদুনা–ফমদুনা মকোক-থুগায়বা তৌরম্মী অমসুং সেঠতি হোৎনদনা তাল্লম্মী। মতৌ অসিগুম্না সেঠতি মকোক্তগী তান্বা ওইনা উরম্মী। তৌইগুম্বসুং মদুগী কোক চপ-চাবা মতমদা পুণ্যগী মরম্না মঙাল পীরম্মী। মসি পুণ্যদগীনি। মদুদি সেঠপু অমসুং মুনীমজীবু লোয়ন্না থমলগদি খঙবা ওইগনি। অশেংবা মকোক্তি সেঠকী মুনীমদা লৈবা ওই, সেঠতা ওইদে। মসি পুণ্য কদায়দগী লাক্লিবা? ভগৱানবু খঙদুনা নীংজখি, মদুদগী? নত্তে, খঙদনা নীংজখি, মরমদুনা। কনাগুম্বগী মথক্তা মতেং–পাঙবীখি, কনাগুম্বগী অফবা তৌখি, মসি পুন্নমক্তগী পুণ্য পুনশিনখি।

## ইনাক-খুন্বা করম্না ফংবগে?

করিবু তৌরগদি ইনাক-খুন্বা ওইবগে? মীওই কয়াবু হেল্প তৌখিবা মতমদুদা লক্ষ্মী ঐখোয়গী মসিদা লাকপা ওই! নত্রগদি লক্ষ্মী লাকপা ওইদে। লক্ষ্মীদি পীন্বগী অপাম্বা লৈবা মদুগী মফমদা লাকপা ওই। অতোপ্পশিংগীদমক তক্তুনা-তুম্বা ওইবা, খঙনা-খঙনা পীথোকপা, নোবিলীটি শিজিন্নবা ওইবা, মহাক্কী মনাক্তা লক্ষ্মী লাকপা ওই। চৎথ্রবা অসিগুম্না মান্বা ওই, তৌইগুম্বসুং লাক্তুনা মদুদা অমুক হন্না লেপতুনা লৈবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোম্না ইবা ওইরি মদুদি তানশিল্লিবদু, মদু অচৌবা পূন্নীং-ওইবা থক্না তান্বা ওই। পীবা–লৌবদা অচৌবা পূন্নীং থম্বা মহাক থক্না তান্বা ওই। মসি নত্তনা, অপীকপা পূন্নীং-ওইবনা তানশিন্বা ওইদে কৈদৌনুংদা!

**দাদাশ্রী :** হোয়, পুন্নমক্তগী নোবল ওইবা, মদু ওইরগদি লক্ষ্মী মদুদা চৎপা ওই। মসি লৌনম–নমথাং তৌবশিংগী মনাক্তা লক্ষ্মী চৎপা ওইরমগদ্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি পুণ্যগী মরম্না মীওইবা পৈশা পাইবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** পৈশা পাইন্নবগীদমক্তি পুণ্য দরকার ওই। পুণ্য লৈবা ওইরগদি পৈশা লাকপা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** পৈশাগীদমক্তি ইরিদনা মদুদি বুদ্ধিগী দরকার ওই।

**দাদাশ্রী :** নত্তে। বুদ্ধিদি তোংবা-মাংবা অনীখক উহল্লি। চৎপা মফমদুদা তোংবা-মাংবা মদু উহন্বা ওই। মহাক্না পৈশা-বৈশা পীদে। বুদ্ধিনা করিগুম্বা পৈশা পীবা ওইরম্লগদি মসি ভুলেশ্বর(মুম্বৈগী মফম অমা)দা অদুক্কী মতীক লৌশিংলৈবা মুনীম ওইবা ওই, সেঠপু খঙদবা মদু পুম্বা মহাক্না খঙবা ওই। তৌইগুম্বসুং চপ্পল তোল্লবগী মতুংদগী তংখায় তুম্বা ওইরি অমসুং সেঠতি লুপা ৩৫০গী বুট উপতুনা কোয়বা ওই, মদু ওইজরবসু অপং ওই!

পৈশা তান্নবগীদমক পুণ্যগী দরকার ওই। বুদ্ধিদগীদি ওন্নবদা পাপ পুনশিন্বা ওই। বুদ্ধিদগী পৈশা তান্বা চৎলগদি পাপ পুনশিন্বা ওই। ঐঙোন্দা বুদ্ধি লৈতে মরমদুনা পাপ পুনশিন্বা ওইদে। ঐঙোন্দা বুদ্ধি সেন্ট পরসেন্ট অমফাও লৈতে!

## লক্ষ্মীজি কনাগী মতুংদা?

লক্ষ্মীজীদি পুণ্য লৈবশিংগী মতুংদা থক্তদা চত্তুনা লৈ। অমসুং হোৎনগন্বা মীয়াম্না লক্ষ্মীজিগী মতুংদা চত্তুনা লৈ। মরমদুনা ঐখোয়না য়েংগদবনি মদুদি পুণ্য লৈরগদি লক্ষ্মীজি মতুংদা লাক্কনি। নত্রগদি হোৎন্বদগীদি তন ফংগনি, চানা-থক্নবগী ফংগনি অমসুং নুপীমচা অমতং লৈরগদি মহাক্কী লুহোংগনি। মসি নত্তনা, পুণ্য য়াওদনা লক্ষ্মী ফংবা ওইদে। মরমদুনা অশেংবা অচুম্বা করিবু হায়বগে মদুদি 'নং করিগুম্বা *পুণ্যশালি* (পুণ্য লৈবা) করিগীদমক ফ্রং-ফ্রং চোংবগে? অমসুং নংনা পুণ্য লৈতবা ওইরগদি করিগীদমক ফ্রং-ফ্রং চোংবগে?'

*পুণ্যশালী* করম্না তৌবগে? মসি কলেক্টরসু ওফীসতগী শাউদুনা য়ুম হল্লকই, মতমদুদা মেমসাহেব করি হায়বগে, 'পুং ১মখায় লেট ওইরি, কদায়দা চৎলুবগে?' য়েংউ মসি *পুণ্যশালি*! পুণ্যশালিবু অসিগুম্না ওইরমগদ্রা? পুণ্যশালীবু অসিগুম্না ওইবা ওইরমগদ্রা? *পুণ্যশালি*বু করিগুম্বা ওন্নবা নুংশিৎফাও থেংবা ওইদে। অঙাং ওইরিঙৈদগী মদুগী ক্বালিটী অদু তোঙান্বা ওই। ইকায়বা-ফংবগী য়োগ ফংবা ওইদে। চৎপা মফমদুদা মদুদা 'লাকও, লাকও ইবুংঙো' মদুগুম্না চাওরকপা ওই। অমসুং মসিদি চৎপা মফম-মফমদুদা থেংগায়দুনা লৈ। মদুগী অর্থ করিনো মতুংদা? অমুক-হন্না পুণ্য লোইবা ওইরগদি, মতমদুদা হান্না ওইরম্বা মদুগুম্না অদুম! মরমদুনা নংনা পুণ্যশালী ওইদ্রগদি নুমিদাং চুপ্পা খ্বাংচেৎ-শেত্তুনা কোয়রগসু অয়ুক্তা লুপা ৫০ ফংগদ্রা? মরমদুনা ফ্রং-ফ্রং চোংগনু, অমসুং ফংলিবদু মদুদা চা-থক্তুনা তুম্মু তুমিন্না।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুদি লাইবক্তা তম্বা ওইরেদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, লাইবক্তা-তম্বা নত্তে। নংনা নশাগী মওংদা থবক তৌ। হুমাং-মমলদগী তল চাও। মসি নত্তনা, অতোপ্পা মখলদগী করিগী ফ্রং-ফ্রং চোংদুনা লৈবগে? অসিগুম্না তুংশিনগনি অমসুং মদুগুম্না তুংশিংশিনগনি! করিগুম্বা নহাকপু য়ুমদা ইকায়খুম্নদবা, মপান্দা ইকায়-খুম্নদবা ওইরগদি করিগীদমক ফ্রং-ফ্রং চোংলি? অমসুং চৎপা মফমদুদা মহাকপু 'লাও, ফম্বীয়ু' হায়ন্বা লৈরি, অসিগুম্বা অচৌ-অচৌবা পুণ্য পুরক্লগদি, মহাক্কী ৱাফমদি তোঙাল্লিদনা?

মসি সেঠনা মপুন্সি চুপ্পগী লুপা লাক্ষ ২৫ পুদুনা লাকপা ওই, মদুগী লাক্ষ ২৫দুগী লাক্ষ ২২ তৌবা ওইরি তৌইগুম্বসুং হেঙ্গৎপদি ওইদে। হেঙ্গৎপা করম কান্দা ওইবগে? মতম চুপ্পদা ধর্মদা লৈরগদি। তৌইগুম্বসুং করিগুম্বা মশামক্লা মনুংদা খুৎ-থীংজিন্নবা চৎলগদি শোয়রে। মহৌশাদা খুৎথীংজিন্বা চৎলগদি শোয়রে। লক্ষ্মী লাকপা ওই তৌইগুম্বসুং করিসু ফংবা ওইদে।

## রেক্ষ, পুণ্যলৈবশিংগী...

মসি অচৌ-অচৌবা চক্রবর্তী নীংথৌ লৈরম্মী, মহাক্লা মসি নুংথীলরা নত্রগা নুমিদাংরা, মদুগী মহাক্লা নীংশিংবা ওইরমদে। মহাক্লা নুমিৎ থোকপফাও উরমদে, মদু ওইজরবসু অচৌবা রাজ্য শেন্নরম্মী। মরমদি পুণ্যগী থবক তৌবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** শালিভদ্র সেঠপু লাইনুপী-নুপাশিংনা মথক্তগী সনাগী শেনজোয়শিংবু পেটি-পেটিশিং পীরম্মী, মদু ওইরগদি মদু অচুম্বরা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, পীরম্মী। পুন্নমক পীরম্মী। মহাক্কী পুণ্য লৈরিবখে মতমদুফাও করিবু পীদবা ওইবগে? অমসুং দেবী-দেবতা(লাইনুপী-নুপা)শিংগা লোয়ন্না *ঋণানুবনধ* (হিসাব মরি) লৈবা ওই। মহাক্কী মরি-মতা মদুদা(স্বর্গ লোক) চৎপা অমসুং পুণ্য লৈরগদি মহাকপু করিবু পীদবা ওইবগে?

*পুণ্যশালি*শিংদি হোৎন্বা থজিক্তংদগী পুন্নমক মহৈ য়াল্লি। মসি ফাওবা পুণ্য লৈবা ওই। সহজ (ইচম চন্না)ৱাখল লাকপা, করিগুম্বা হোৎন্দ্রগসু পোৎ পুন্নমক ৱাখলগী মতুং ইন্না ফংবা ওই, মদু সহজ হোৎনবা। হোৎনবদু *নিমিত্ত*নি তৌইগুম্বসুং সহজ হোৎনববু পুরুষার্ট হায়য়ু, মদুগী ৱাহন্থোক পুন্নমক অরানবা পীকথন্না য়াওরি।

লক্ষ্মী হায়বদি পুণ্য লৈবশিংগী থবক্নি। পুণ্যগী হিসাব অসিগুম্বনি মদুদি য়াম্না কন্না হোৎনরগসু অমসুং য়ামদবদগী য়ামদনা ফংই, মদুদি য়ামদবা ইচম-চম্বা পুণ্য কৌবা ওই। মতুংদা হকচাংগী হোৎন্বা য়াম্না তৌবগী মথা তাদে অমসুং ৱাঙাংগী হোৎন্বা য়াম্না তৌবা মথৌ তারগদি, উকীলশিংদৌনা, মদু খরা হেন্না পুণ্য লৈবা কৌবা ওই, খুৎশুমল-শুবগা য়েংন্বদা অমসুং মদুগী মতুংদা করি? ৱাঙাংগী অৱাবা তৌবগীসু মথৌ তাদে, হকচাংকী অৱাবসু তৌবগীসু মথৌ তাদে, তৌইগুম্বসুং মেনটেল অৱাবদগী পৈশা তান্বা ওই, মদু হেন্না পুণ্য ওইবা কৌগনি। অমসুং মদুগীসু মমাংদা করম্বা? সঙকল্প (নীংবগা)তৌবগা শেমদুনা লৈবা। সঙকল্প তৌবা মদু হোৎন্বা।

সঙকল্প তৌবগা বঙ্গলো ২, মসি গোদাম অমগা। অসিগুন্না সঙকল্প তৌবগা মদুদি পুন্নমক শেমশাদুনা লৈবা ওই, মদু থ্বাইদগী পুণ্যশালী। সঙকল্প তৌবদু থক মদুনি হোৎন্বা, বস সঙকল্প তৌবা মথৌ তাই। সঙকল্প য়াওদনদি তৌবা য়াদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মীওইবশিংদা মদুগুন্নদি ওইথোকপা য়াদেদনা।

**দাদাশ্রী :** মীওইবশিংদসু লৈবা ওই। করিগী থোক্লোইদোইবা? মীওইবদদি অপাম্বা মদুগুন্না থোক্কনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুদি অসিগুন্না হায়বা ওইরি মদুদি শ্বর্গ-লোক্তা অসিগুন্না ওইবা ওই।

**দাদাশ্রী :** শ্বর্গ-লোককী পুন্নমক সিদ্ধ(নীংবগা থুংবা)ওইবা ওই। তৌইগুম্বসুং মসিদসু কনা-কনাগুম্ববু সঙকল্প সিদ্ধি ওইবা ওই। পুন্নমক ওইবা ওই, ঐথোয়গী পুণ্য দরকার ওই। পুণ্য লৈতে। পুণ্য ৱাৎপা ওইরি।

হোৎনরীবথৈ মদুমথৈ *অন্তরায়* (অথীংবা), মরমদি হোৎন্বা করিগী মথৌ তারিবনো?

হায়বদি মসি মলেমদা থ্বাইদগী হেন্না পুণ্য লৈবা কনানো? খজিক্তং ৱাখল লাকপা, মদুবু লেংদনা লেপ্পা অমসুং চহী কয়া-কয়াফাও অপাম্বা লৈতনা, হোৎন্বা য়াওদনা ফংদুনা লৈবা মহাক্কুম্বা। অনীসুবা নম্বরদা, অপাম্বা লৈবা, অমসুং মহাক্কা হঞ্জিন-হঞ্জিন পান্দম লেপ্পা অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা সহজ ওইনা ফংবা মদু। অহুমসুবা নম্বর ওইবশিংদি অপাম্বা ওইবা অমসুং হোৎন্বা ওই অমসুং ফংবা ওই। মরীসুবা নম্বর ওইবদি অপাম্বা ওইবা ওই অমসুং য়াম্না শাথীনা হোৎনবদগী ফংবা ওই। মঙাসুবনা অপাম্বা লৈবা ওই অমসুং য়াম্না শাথীনা হোৎন্বদগীসু ফংবা ওইদে। মসি থুৎশুমল-শুবশিংবু কন্না হোৎন্বা মথৌ তাই অমসুং মথক্তা তাথীনা-চৈবসু ওই মদু ওইজরবসু পৈশা ফংবা ওইদে। ফংবা ওইরগসু তাংদাংবা ওইদে মদুদি য়ুমদা চত্তুনা চাবা ফংগনি। মহাক্কা থ্বাইদগী হেন্না হোৎন্বা তৌই, মদু ওইজরবসু ফংবা ওইদে।

## পুণ্য থক্তদগী ফংই সতসঙ্গ

অদোম্না পুণ্য তৌবা ওইখিব্রা নত্রগা তৌদব্রা? মরমদুননি সী.এ ওইরিবা।

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক ফাও পাপ তৌদ্রি, পুণ্য থক্তা তৌই।

**দাদাশ্রী :** মদুদি অসিগুন্না মাল্লি। পাপসু তৌবা ওই তৌইগুম্বসুং পাপ হন্থনা তৌরমগনি, পুণ্য হেন্না তৌরমগনি। মরমদুননি মসি সতসঙ্গদা লাকন্নবগী মতম ফংলি, মসিদা লাকপা ঙম্লি, নত্রগদি সতসঙ্গদা লাকন্বা মতম কনানবু লৈবগে?

## পুণ্য-পাপকী পরিণাম শক্তম...

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপ অমসুং পুণ্যদগী মদুগী মরী মতৌ করম্না ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** মসি পাপনি মদু, হৌজিক অদোম্না মসিদা লাকপা ওইরগদি অদোম্না মসিদা কনাগুম্ববু থেংগায়দম্বা অসিগুম্না চেকশিন্না চৎপা ওই অমসুং থেংগায়বা য়াবা মদুগুম্বা মফম ওইরগদি, মফম মদুগুম্বা মী-পীকথম্বা ওইবা, তৌইগুম্বসুং পূক্নীংদা ৱাখল থম্বা ওই মদুদি কনাগুম্ববু থেংগায়বা ওইদ্রগদি ফগনি, অসিগুম্বা ভাৱনা(নুংগী ওইবা ৱাখল)দগী মসিদা লাকপা, মদু ওইরগদি অদোম্না পুণ্য পুনশিনগনি।

অমসুং মীচীল্লি মরমদুনা থেংগায়বসু য়াওই, মদুগুম্বা ভাৱনাদগী লাকপা মতমদা পাপ পুনশিনগনি।

কনাগুম্ববু ঐখোয়দগী খজিক্তংফাও অৱাবা ওইরগদি, মদু ওইরগদি মহাক্না পাপ খক্তা পুনশিন্বা ওই। কনাগুম্ববু নুংঙাইবা ফংন্নবা, শান্তি ওইন্নবা, কনাগুম্বগী থম্মোয়বু ঈংথবা ওইবা, মদুদগী পুণ্য খক পুনশিন্বা ওই।

হৌজিক মদু মমাং মপোক পুনশিনখিবা পাপ, মদু মসি মপোকসিদা অমুক হন্না উদায়দা লাকপা ওই। য়োজনা মমাংগী মপোক্তা তৌখিবদু, মদুদি মসিগী মপোক্তা মহৈ য়াম্বা ওই।

পাপকী উদায় লাকপা কান্দদুদা মতমদুদা নুমিৎ চুপ্পা পূক্নীংদা ৱাখল, ফত্তবা চীন্তাগী ৱাখল লাক্তুনা লৈবা ওই, মপান্দসু মাংবা ওই, অঙাংশিংনা ময়োক্তা লৈ, পার্টনরগা লোয়ন্না থৎম্বা ওই, পাপকী উদয় লাকপা মতমদা। অমসুং পুণ্যগী উদায় ওইবা মতমদা য়েক্নবা ওইরগসু, মদুসু লাক্তুনা হায়গনি, 'অরে চন্দুভাই, করিগুম্বা থবক লৈরগদি ঐঙোন্দা হায়য়ু...' অরে, নং য়েক্নবা, তৌইগুম্বসুং মতমদুদদি পুণ্যগী উদায় লাক্লম্মী অদোমগী। মরমদুনা পুণ্যগী উদয়দা য়েক্নবা মরুপ ওইবা ওই। অমসুং পাপকী উদায় ওইরগদি, মতমদুদা মচানুপাসু য়েক্নবা ওইবা ওই। কনাগুম্বা মচানুপানা মপাগী মথক্তা ক্লেম তৌব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** অরে, মীওই অমনা কেস-লেপ্পবা শেমশাবা ওইরম্মী মপাগী মথক্তা, মহাক্না করি-করি তৌখি মতুংদা? মহাক্না কেস-লেপ্পবা তৌরবা মতুংদা উকীলদা অসিগুম্না হায়, মদুদি পাবুংবু মাইথীবা ওইরগদি কায়বা ওইদে, মদুদি ফবা ওইরে হৌজিক। লৌরো, মসি অদোমগী লুপা ৩০০গী ফীস। তৌইগুম্বসুং হৌজিক অমুক্তংগা কেস তৌ। মতমদুদা হায়, 'হৌজিক করি লৈরিবগে?' মতমদুদা মহাক্না হায়রম্মী, 'মমায় চোপহনগনি।' অরে অপং, মপাগী মমায় চোপহনগনি? মতমদুদা হায়, 'হোয়, মদুগীদমক ঐহাক্না লুপা ১৫০ পীগনি।' মদু ওইরগদি মফমদুদা ইকায়বা নংহল্লি, মমায় চোপহল্লি। হায়বদি করিগুম্বা ঐখোয়গী অরাম্বা ওইবা অমসুং পাপ(কী উদয়)ওইবা মতমদা, মচাসু য়েক্নবা ওই।

## পরম (অথোইবা) মরুপ কনা?

পুণ্য অফবা ওইরগদি পুম্নমক ফবা ওই। মরমদুনা পুণ্যগী মশক ওইবা মরুপ লৈবা ওইরগদি চৎপা মফমদুদা নুংঙাইবা, নুংঙাইবা অমসুং নুংঙাইবা। মদুগী

মরুপ লৈগদবনি। পাপকী মশক ওইবা মরুপ লাকপগা মদুদি শাউহন্দনদি তোক্লোই। মতুংদা *সমভাৱদগী নিকাল* ওইবা ওইদে, মতমদুদা লাওবা মথৌ তাই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু অদোম্না হায়বা ওইরি মদুদি পুণ্যনা করিগুম্বা মফম অমা হেক্তদা মরুপ তৌনা থবক তৌই..

**দাদাশ্রী :** হোয়, ফত্তবদগীসু ফত্তবা মফমদা অদোমবু, করিগুম্বা মফম অমদা চপলগদি, মদুদা অদোমগী পুণ্যনা থবক-তৌদুনা লেপতুনা লৈগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপতি য়ুমদসু অৱাবা ওইহল্লি।

**দাদাশ্রী :** পাপ য়ুমদা ফমুং মথক্তা হাৎপা ওই। ফমুং মথক্তা চীন্তা তৌহল্লি, ফর্সটক্লাস ফমুং থাবা, মদুদসু চীন্তা তৌহল্লি। পাপনা লেম্নদি থাদেদনা! মরমদুননি সন্তশিংনা হায়বা ওইরি, পাপতগী কীয়ু।

## করম্বা পুণ্য দরকার ওইবগে মোক্ষকীদমক?

**ৱাহং-হংলিবা :** মোক্ষকী লম্বীদা য়ৌদ্রিফাও, মতমদুফাও পুণ্য মমীং কৌবা গাইডকী দরকার ওইদনা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদুগী পুণ্যগী গাইডকীদমক্তি মীয়াম্না শুভাশুভ(অফ-ফত্ত)তা তাদুনা লৈরিদনা! মদুগী গাইডতুদগী পুন্নমক ফংগনি। তৌইগুম্বসুং মোক্ষকী লম্বীদা চৎপদা পুণ্য পুনশিন্বা ওই, তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা পুণ্যগী দরকার ওইদে। মোক্ষতা চৎপা ওইরিবগী পুণ্যদি করম্না তৌবগে? মহাক্না মালেমদা নুমিৎথোকপ্রা নত্রগা থোক্তব্রা, মদুসু খঙবা ওইদে অমসুং পুন্সি লোইখিবা ওই, মদুগুম্বা পুণ্য ওইবা ওই। মদু ওইরগদি মতুংদা অসিগুম্বা ফত্ত-হাওথীগুম্বা পুণ্যগী করিবু তৌগনি?

## লেমহৌদে পাপকী কৈদৌনুংদা

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি লম্বী ফংদ্রিবফাও, মতমদুফাওদি মদুগী পুণ্যদুগী দরকার ওইদনা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদু চুম্মী। তৌইগুম্বসুং মীয়ামগী মনাক্তা কদায়দা পুণ্য মপুংফানা লৈবগে? করিসু তাংদাংবা ওইদে। মরমদি অদোমগী করি অপাম্বা লৈবগে? মদুদা হায় মদুদি পুণ্য তৌরগদি পাপকী উদায় লাক্লরোই। মসি নত্তবদা ভগৱান্না করি হায়বগে? নংনা লুপা ১০০কী পুণ্য পুনশিবা ওইরগদি নহাক্কী একাউনদা লুপা ১০০ তুংবা ওই। মদুগী মতুংদা লুপা ২গুম্বা পাপ তৌবা ওইরগদি হায়বদি কনাগুম্বা মীওইববু 'চৎথ্রোচৎলো, চৎথ্রোচৎলো, লাপ্না লৈয়ু' অসিগুম্না হায়রি, মদুদা *তিরস্কার* (হন্তনা উশিৎতবা মীৎয়েং)খরা লাক্লে। হৌজিক মদুগী তুংশিন্বা-পূবা তৌবা ওইদে। ভগৱাননা করিগুম্বা খঙদবদি নত্তে। করিগুম্বা পুণ্য-পাপকী তুংশিন্বা-পূবা লৈরম্লগদি মতমদুদদি মসি ৱণিক জাৎকী মফমদা খজিক্তংফাও অৱাবা লৈবা ওইরম্লোই!

তৌইগুম্বসুং মসিদি নুংঙাইবসু ফুগৎলু অমসুং অৱাবসু ফুগৎলু, ভগৱান কয়াদা শোয়দবা!

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্যগী লম্বীদা মীওইবনা করিগুম্বা চৎপা ওইরগদি মতুংদা পাপ করিগীদমক লাকপগে?

**দাদাশ্রী :** মদুদি হান্নদগী নিয়ম ওইরিনিদনা, মদুদি করিগুম্বা থবক অদোম্না তৌবা, মদু ওইরগদি পুণ্যগী থবক ওইবা ওইরগদি অদোমগী লুপা ১০০ তুংশিন্বা ওই অমসুং পাপকী থবক ওইরগদি ফনমক খজিক্তং ওইরগসু, লুপা ১ খক্তংগী ওইরগসু অদোমগী একাউদু পূবদা চৎলি অমসুং মদুগী চাম্মাদুগী মনুংদা ১ ফাও হন্থবা ওইদে। মদুগুম্না করিগুম্বা হন্থরগদি কনাগুম্বনা পাপ চেন্বা ওইরোই। হায়বদি অনীমক তোঙান-তোঙান্না লৈরি অমসুং অনীমক্কী মহৈসু তোঙান-তোঙান্না লাকপা ওই। পাপকী মহৈ লাকপা মতমদা অথাবা ওই।

পুণ্যদগী পাপ মতৌ অসুম্না হন্থবা ওইদে। করিগুম্বা হন্থরম্লগদি মীয়ামদি য়াম্না হৈশিংবনি। খজিক্তংফাও অৱাবা লাকপা ওইরম্লোই। মচানুপা অমফাও শিরম্লোই নত্রগা মচানুপী শিরম্লোই। সেবারিনা হুরান্বা ওইরম্লোই। করিসু তৌবা ওইরম্লোই। নুংঙাইবা ওইগনি। মসিদি পুণ্যনা কোয়শিল্লগদি গাড়ীশিংদা হরাও-তয়াম্বসু তৌহল্লি অমসুং পাপনা কোয়শিন্বা মতমদা মদুগী গাড়ীদুদগী এক্সিডেন্ট তৌহল্লি। মসিদি পুন্নমক কোয়শিনগনি। মনুংদা য়াউবা পোৎ মদুখৈ কোয়শিনগনি। লৈত্রগদি কদায়দগী কোয়শিনগনি? লৈরিবা মদু হিসাবনি। মদুদা করিসু অহোংবা লৈরোই।

## খঙদনা থোকখিবা পাপশিংগী?

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি ঐহাক্না পাপ তৌবা নত্রগা পুণ্য তৌবা, অসিগুম্বা খঙবা ওইদ্রগদি পাপ-পুণ্য থোকপ্রা? মহাক্না খঙবা ওইদ্রগদি মদুদি মসি ঐহাক্না পাপ তৌখি অমসুং মসি ঐহাক্না পুণ্য তৌরগদি মদুগী ইফেক্ট তশেংনমক মহাকপু ফাওরোইদনা?

**দাদাশ্রী :** মহৌশাগী নিয়ম অসিগুম্বনি মদুদি অদোম্না খঙবা ওইবা নত্রগা খঙবা ওইদবা, মদু ওইজরবসু মদুগী ইফেক্ট ফাওদনদি লৈবা ওইদে। মসি উপাম্বীবু য়াম্থৎলু, মদুদা অদোম করিগুম্বা পাপ নত্রগা পুণ্য খঙবা ওইদে, তৌইগুম্বসুং মদুনা ঊদুবু অৱাববদি ওইবা ওইদনা? মরমদুনা অদোম্না পাপ পুনশিনগনি। অদোম পুং ৪ লাইনদা লেপতুনা রাশনদগী কন্ট্রোলগী চীনীগী খাও পূদুনা চৎপা অমসুং খাওদা হোবা ওইরগদি মদুদগী চীনী লিৎথরগদি মদুগী চীনী কনাগুম্বগী কান্নবা লাক্কনি নত্রগা লাক্লোইদ্রা? মখাদা কাকচেংশিং লৈবা ওই, মখোয়না চীনীবু পুদুনা চৎপা ওই অমসুং কাকচেংশিংগী অফবা ওইবা ওই। হৌজিক মখোয়বু অদোম্না দান তৌরি, অসিগুম্না হায়গনি। ফনমক খঙবা ওইদ্রগসু, তৌইগুম্বসুং দান তৌরিদনা? ঐখোয়না খঙদে, মদু ওইজরবসু দান তৌদুনা লৈবা ওইদনা! অমসুং কাকচেংশিংনা নুংঙাইবা

ওইদনা? মদুদগী অদোম্না পুণ্য পুনশিন্বা ওই। মদুগী মহৈসু খঙদনা ফুগৎপা ওইবা ওই!

কয়া অমনা হায় মদুদি খঙদবদা পাপ তৌরগদি মদুগী মহৈ করিসু লাকপা ওইদে। নত্তে করিগী লাক্লোই? অপং, খঙদনা মৈদা খুৎথল্লগদি মদু ওইরগদি খঙগনি মদুদি মহৈ ফংব্রা নত্রগা ফংদব্রা। খঙনা-খঙনা তৌবা ওইবা পাপ অমসুং খঙদনা তৌবা পাপ, মখোয় অনী অমত্তনি। তৌইগুম্বসুং খঙদনা তৌবা পাপকী মহৈ খঙদনা অমসুং খঙদুনা তৌবা পাপকী মহৈ খঙনা-খঙনা ফুগৎপা মথৌ তাই, মসিখক থেৎনৈ। বস মসিনি মওং। মসি নিয়মগী মথা-পোন্বনি পুন্নমক, মসি জগত মপুংফানা নিয়মগী মথা-পোন্বনি, নিয়ায়গী শক্তম্নি।

খঙদনা থোকপদু, মদুগী মহৈ খঙদনা ফংবা ওই। মদু অদোমবু জ্ঞান তাহনগে।

মীওইবা অমা চহী ৭ ফাও রাজ্য(স্টেট)চলাইরম্মী অমসুং অতোপ্পা মীওইসু চহী ৭ ফাও রাজ্য চলাইরম্মী। হৌজিক অনীমক্কী রাজ্য চলাইবা চপ-মান্নবা ওই অমসুং রাজ্যসু অনীমক্কী চপ-মান্নবা ওই, তৌইগুম্বসুং মসিদা মীওইবা অমনা চহী ৩দা খুবমদা ফম্বা ওই অমসুং চহী ১০ সুবদা রাজ্য চৎথিবা ওই অমসুং অতোপ্পা মীওইদুনা চহী ২০দা খুবমদা ফম্মী, অমসুং চহী ২৭তা খুবম থাদোকপা ওই মদু ওইরগদি কনানা অশেংবদা রাজ্য ফুগৎপা কৌগনি? অহান্বা ওইবদুগীনা অঙাং ওইরিঙৈদা চৎখ্রে, মহাকপু শান্নপোৎ পীরগদি মহাক্না শান্নপোৎতু শান্নবা ফমথখিনি!

মরমদুনা মসি খঙদবদা তৌখিবা পুণ্যগী মহৈনি। মহাক্না দর্শন তৌখি খঙদনা, মদু ওইরগদি খঙদনা মহৈ ফুগৎকনি। খঙদুনা তৌখিবগী মহৈ খঙনা ফুগৎপা ওই!

মতৌ অসুম্না জাগ্রুত মাইন্ডদগী তৌখিবা পাপ জাগ্রুতগা লোয়ন্না ফুগৎপা মথৌ তাই অমসুং অজাগ্রুতিগা লোয়ন্না তৌখিবা পাপ অজাগ্রুতিগা লোয়ন্না ফুগৎপা ওইরি। মদুদা অঙাং ওইরিঙৈদা চহী ৩দা মমা শিখিবা ওইরগদি কপ্পা তৌবা তৌদে। মহাক্না খঙবা ওইদে। খঙবা ওইদে, মদুদা করি তৌগনি? অমসুং চহী ২৫গী ওইরগদি অমসুং মহাক্কী মমা শিবা ওইরগদি? হায়বদি মসি খঙবদা অৱাবা ফুগৎলি অমসুং অঙাংদুনা খঙদনা ফুগৎলি।

## মরাল সেঠকীরা নত্রগা ঐখোয়গী পাপশিংগীরা?

সেঠনা প্রাইজ পীরম্মী, মদু ঐখোয়গী ব্যাবস্থিতনি অমসুং ঐখোয়গী ব্যাবস্থিত ওন্ননা চৎপা মতমদা সেঠকী পূন্নীংদা অসিগুম্না ফাওবা ওই মদুদি হনদক মহাক্কী সেলরী কক্কদৌবনি। সেঠনা সেলরী কল্লাগদি সেবারীগী পূন্নীংদা অসিগুম্না ফাওই মদুদি মসিগী সেঠসি মরমচৎ-চাদবনি। মসি মরমচৎ-চাদবসি ঐঙোন্দা ফংলি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা পূরিনরিবা মীওইবনা খঙবা ওইদে মদুদি মসি মরমচৎ-

চাদবা ওইরল্লগদি প্রাইজ করিগীদমক পীরম্বগে? মরমদুনা করিগুম্বা অমদি লাল্লি। সেঠ শোয়বা ওইদে। মসিদি ঐখোয়গী 'ব্যাবস্থিত' হোংদোকপা ওইরি।

মসি পুম্নমক পুণ্যনা চলাইবা ওইরি। নহাকপু লুপা ১০০০ সেলারী কনানা পীবগে? সেলারী পীরিবা নহাক্কী সেঠসু পুণ্যগী মথা পোল্লি। পাপনা কোয়শিন্বা ওইরগদি সেঠসু কর্মচারীনা ফুবা ওই।

## জাগ্রতি, পুণ্য অমসুং পাপকী উদয়দা...

**ৱাহং-হংলিবা :** মীয়ামশিংগী পুণ্য লৈরমগনি মরমদুনা মসি সমপতীসি ফংবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** মদু পুম্বা পুণ্যনিদনা, অদুক্কী মতীক পুণ্যনিদনা, তৌইগুম্বসুং সমপতীবু ঙাকশেন্বদা অৱাবা ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মরমদুনা মদুদি ফৈ। *উপাধি*(মপান্দগী লাকপা অৱাবা)দি লৈবা ওইদনা? হৌরকপা মতুংদা মদুদগী ওইবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** সমপতী লৈতবা মদুগুম্বা ফবদি লৈত্রে।

**ৱাহং-হংলিবা :** পৈশা লৈতবা, সমপতী লৈতবা, মদু ওইরগদি মহাক কুম্বা ফবদি লৈত্রে?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মহাক কুম্বা ফবদি লৈত্রে। সমপতীদি অৱাবনি। সমপতি করিগুম্বা মসি-রোমদা ধর্মদা মমায় লৈশিন্বা ওইরগদি অকায়বা ওইদে, নত্রগদি অৱাবা ওইবা ওই। হৌজিক কদায়দা থমগনি? মদু পুম্বা *উপাধি* ওইবা ওই! কনাবু পীগনি? হৌজিক কদায়দা থমগনি? মদু পুম্বা অৱাবা ওইবা ওই!

মরমদুনা পুণ্য য়াম্লবসু কান্নবা ওইদে। পুণ্যসু বেলেন্স ওইবা ওইরগদি ফৈ। পুণ্য য়াম্না লৈবা ওইরগদি হকচাং অসুক্কী মতীক চাউবা ওই। করিবু তৌগনি মদু? কীলো কয়াগী হকচাং? ঐখোয়না হৌগৎন্বা তৌবা অমসুং ফমুংবুসু হৌগৎহন্বা তাইদনা? ফমুংসু চুউ-চুউ তৌদুনা লৈদনা?

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপ অমসুং পুণ্যগী উদয় ওইবা, মহাক্কী পুন্সিগী থৌদোকশিংগী মথক্তা করিগুম্বা ইফেক্ট ওইব্রা, মদুগী করিগুম্বা খুদম পীদুনা থঙহনবীয়ু।

**দাদাশ্রী :** পাপকী উদয় ওইবা, মতমদুদা অহান্বদদি জোব(থবক)চৎপা ওই। মতুংদা করি থোকপগে? ৱাইফ অমসুং মচানুপা লৈবা, মদুদা স্টোরদা চৎন্বগী পৈশা নীবা ওই। মদুগী হৈন্বী হান্নগী তাদুনা লৈরি, মদুগী মথা-পোন্না হায়গনি, ডোলর ২০০ পীয়ু, মরমদুনা থৎন্বা ওইবা ওই মতুংদা। মসিদা সর্বিস লৈতে অমসুং

করিগী লাওখোংদুনা লৈরিবনো থবক লৈতনা? ২০০—২০০ দোলরগী খর্চ তৌগনি? মসি অসিগুম্না হৌবা ওই, পুন্নমক তপ্না—তপ্না। মদুসু নুংতিগী থৎন্বা-চৈন্বা মতুংদা নুপীনা হায়গনি, বেঙ্কতগী পুরক্কুনা পীদ্রগদি। মতমদুদা বেঙ্কতা খজিক্তং লৈহনগদ্রা নত্রগা লৈহল্লোইদ্রা? মসিদা মসিগী ভারা পীবা মথৌ তাই। মসি পুন্নমক তৌবা মথৌ তাদব্রা? বেঙ্কতা পৈশা থীবা মথৌ তাই? তৌইগুম্বসুং লোয়ন্বীনা থৎন্বা তৌরগদি, মদু ওইরগদি কোক-মথা শাবা ওইবা মদুগুম্বা থৎন্বা তৌরি। মসিগী খুদম পুন্নমক্তি নুমিদাংদা তুম্বসু য়াহনদে, মসিদা অমেরিকাদা কয়া অমবু অসিগুম্বা অনুভৱ ওইবা ওইরমগনি অমসুং হায়বসু ওই লীকপনি। লুখ্রাবী অমসুং অরীকপীনি, অসিগুম্বা ৱাহৈ ঙাংলি। হায়বদি ৱাহৈ লাকপদুখৈ মদুগুম্বা অকনবা ৱাহৈ ঙাংলি। থাদোকপা ওইদেদনা? মহাকপু ৱাহন্দুনা লৈবা ওই, তোল্লবগী মহাক্কী হন্দক থবক চৎখ্রে, অমরোমদা থবক মফম খঙদে অমসুং কোক ওন্না-তৈন্না চৎপা ওইবা ওই, মদুগী মথক্তা মসিনা ৱাহল্লি। থোকপা ওইব্রা নত্রগা থোকপা ওইদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** ওইবা ওই, ওইবা ওই।

**দাদাশ্রী :** করিগুম্বা মফমদা থোকপা ওইরমগদ্রা নত্রগা অনম্বা মফমদা? জোব চৎখিবা ওইরগদি, মখোয় ঐহাক্কা উনবা ওই, 'দাদা জোব চৎখ্রে, করি তৌগনি?' হায়বা ওইগনি।

মদুগী জোব অদু চৎখ্রবা অমসুং নুমিৎ য়াম্না ফজনা হৌখিবা ওইরগদি, মদু বিবেকী(মনুং-মপান খঙবা) মীওইবা কৌবা ওই। লোয়ন্বী অমসুং মশামক অনীমক ফজনা নুমিৎ লেল্লবদি মদু বিবেক ওইবশিং। অনৌবা ফী লৈদে অমসুং হান্নগী ফুরিৎশিংদু, মদু শেৎপা ওই। মসি নত্তবদা থবক ফংদ্রগদি, মতমদুফাও মদুখৈ লেন্বা ওই। অমসুং মপুরোইবশিংনা হরাওনা লৈগদবনি, জোব চৎখ্রবা মতমদা মদুদগী কীগবা তৌরোইদবনি। মসি নাপী মসিখৈ কক্কুনা নত্রগা অসিগুম্না-মদুগুম্না তৌদুনা, নুমিদাং-ৱাইরমদা ডোলর ১০-২০ পুরকলগদি, য়াম্না ফংলে, ৱাৎপদি ওইরোইদনা। মদুদা হায়, নত্তে, ঐখোয়বু মসি মীয়াম্না উরগদি করি হায়গনি। অরে অপং, মীয়ামগী মনাক্তদি জোব লৈ, নংগী মনাক্তদি জোব লৈতে, নংনা মসিগী হান্না থল্লু। কনাগুম্বগী ইজৎ-লৈবা মসি মালেমদা লৈবা ওইদ্রে। পুন্নমক্কা ফী শেৎপা ওইরি, মরমদুনা ইজৎ লৈবা ওইনা উই অমসুং ফী লৌথোকপা ওইরগদি পুন্নমক ফী-শেৎতবা ওইনা উগনি। জ্ঞানী পুরুষ মতোম্তা থক্কা ফী লৌথোক্লগদি, মদু ওইরগসু ফী-শেৎতবা ওইনা উবা ওইরোই। মসি নত্তনদি মসি জগত পুম্বা ফী-শেৎতবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** নকন অমরোমদা থবক চৎখিবা অমসুং অনীসুবরোমদা দাদা ফংলি, মদু ওইরগদি মদুগী পাপ অমসুং পুণ্য অনীমক পুন্বা ওইরি?

**দাদাশ্রী :** মসি পাপকী উদায়গী অফবা লাক্লি মদুদি দাদা ফংবা ওইরি, মরমদুনা দাদানা ঐখোয়বু পাপতা করি তৌগদবা ওইবগে, মদুবু তাকপীবা ওই অমসুং ঐখোয়গী পুন্নমক মফম চাবদা পুরকপা ওই। অমসুং পুণ্যগী উদায় ওইবা অমসুং দাদা ফংলগদি, মদু ওইরগদি মদুদা দাদাগী মনাক্তগী করিবু খঙবা ফংবগে

ঐখোয়না? অমসুং পাপকী উদয় ওইবা মতমদুদা দাদানা হায়গনি য়েংউ ইবুংঙো, মসিগুম্না লৈয়ু কো, হৌজিক অসিগুম্না তৌ, মদুগুম্না তৌ অমসুং পুম্নমক মফম চানা পুরকপা ওইরি। হায়বদি পাপকী উদয় ওইবা অমসুং দাদা ফংবা ওইরগদি, মদু য়াম্না ফবা কৌগনি।

## লিখুন লম্বেল, বুদ্ধীগী *আশয়* (ভাৱ)গী

মীওই খুদিংমকনা মশাগী ময়ুমদা নুংঙাইবা ফাওই। লৈবাক্কী-য়ুমদা লৈবনা বঙ্গলোদা নুংঙাইবা ফাওদে অমসুং বঙ্গলোদা লৈবনা লৈবাক্কী-য়ুমদা নুংঙাইবা ওইদে। মদুগী মরম মহাক্কী বুদ্ধিগী আশয় ( ভাৱ ) নি। মদুগী মরমদি বুদ্ধিগী আশয়দা পীকথন্না হাপতুনা পুরক্লিবা, মদুগুম্না মহাক্না ফংবা ওই। বুদ্ধিগী আশয়দা হানজিন্বা ওইখিবদু, মদুগী ফোটো অনী কাপ্পা ওই, (১) পাপকী মহৈ অমসুং (২) পুণ্যকী মহৈ। বুদ্ধিগী আশয়গী মীপুম খুদিংমক্না খায়দোকপা ওইরি। মদুগী ১০০মগী মনুংদা অয়াম্বা পরসেন্ট মোটরগাড়ী-বঙ্গলো, মচানুপা-মচানুপী অমসুং লোয়ন্বী, মখোয় পুম্নমক্কীদমক হান্বা ওইরি। মদু ওইরগদি মদু পুম্বা ফংনবা হোৎবদা পুণ্য খর্চ তৌবা ওইরগদি অমসুং ধর্মগীদমক য়াম্না তাংনা ১-২% থক বুদ্ধিগী আশয়দা হানখি।

**ৱাহং-হংলিবা :** বুদ্ধিগী *আশয়* খজিক্তং থোইদোক হেন্দোকপা মওংদা থঙহনবীয়ু, দাদা।

**দাদাশ্রী :** বুদ্ধিগী আশয় হায়বদি 'ঐহাক্না হুরান্দুনা থক চলাইগনি। কালা বাজার তৌদুনা থক চলাইগনি।' কনাগুম্বনা হায়গনি, 'ঐখোয়না কৈদৌনুংদফাও হুরান্বা তৌরোই।' কনাগুম্বনা হায়গনি, 'ঐহাক্না অসিগুম্না নুংঙাইথোক্কনি, মহাক্না মদুগুম্বা নুংঙাইথোক্লবগীদমক মতোমতা লৈন্নবগী মফমসু শেমশাবা ওই। মদুদা মতুংদা পাপ-পুণ্য থবক তৌবা ওই। করিগুম্বা অমা নুংঙাইন্বগীদমক অপাম্বা থমখিবদু, মদুগুম্না পুম্নমক মহাক্না ফংবা ওই। থনবদা ওইথোক্লোইদবা মদুগুম্বা পুম্নমকসু মহাক্না ফংবা ওই। মরমদি মহাক্কী বুদ্ধিগী আশয়দা য়াউরম্মী অমসুং পুণ্য থবক তৌরগদি কনাগুম্বনা মহাকপু ফাবা ঙম্লোই, ঙম্লিবমখৈ থোং-ঙাকপশিং থম্লগসু! অমসুং পুণ্য লোইবা ওইরগদি, মতমদুদা অসুম্না হেক্তা ফবা ওই। অপীকপা অঙাংনসু মহাকপু থীদুনা ফাই মদুদি, 'অসিগুম্বা হুরান্বা লৈ মসিদা!'

হুরান্বা ২ হুরাল্লম্মী, মদুদগী অমদি ফাবা ওই অমসুং অনীসুবদুনা নীংথা-তম্না নাম্থোকপা ওই, মদুনা করিবু থঙহন্বগে? হুরানগনি মদুগুম্না, বুদ্ধিগী আশয়দদি অনীমকনা হুরান্বা পুরক্লম্মী। তৌইগুম্বসুং অনীদুগী মনুংদা ফারীবদু, মদুগী পাপমহৈ উদায়দা লাক্লি অমসুং উদয় লাক্তুনা খর্চ ওইখ্রে। মসি নত্তবদা অতোপ্পা নাম্থোকখিবা, মহাক্কী পুণ্য মদুদা খর্চ ওইখ্রে। মদুগুম্না মীওই খুদুংমক্কী বুদ্ধিগী আশয়দা থোকপদুগুম্না, মদুদা পাপ অমসুং পুণ্য থবক তৌরি। বুদ্ধিগী আশয়দা লক্ষ্মী তানগনি মদুগুম্না হানদুনা পুরকপা, মদুদা মহাক্কী পুণ্য কান্নবা লাক্লগদি লক্ষ্মীগী মপৈ-মপৈ পৈবা ওই। অনীসুবদুনা বুদ্ধিগী আশয়দা লক্ষ্মী তানগনি মদুগুম্না পুরক্তুনদি লাক্লি, তৌইগুম্বসুং

মদুদা পুণ্য থবক তৌবগী মহুত্তা পাপকী মহৈ মাংদা লাক্লি। মহাকপু লক্ষ্মীজিনা মমায় ফাওবা উহনদে। অরে, মসিদি অদুক্কী মতীক শেংবা হিসাবনি মদুদি কনাগুম্বগী থজিক্তংফাও চৎপা য়াবা মদুগুম্বা নত্তে। মসি নত্তবদা মসি মীফত্তনা লৌবা ওইরি মদুদি ঐনা লুপা লাক্ষ ১০ তানশিল্লি। অরে, মসিদি পুণ্য র্খচ তৌরি অমসুং মদুসু ওন্নবা লম্বীদা। মদুগী মহুত্তা নহাক্কী বুদ্ধিগী আশয় হোংদোকউ। ধর্মগীদমক বুদ্ধিগী আশয় পুনশিন্বা য়াবা মদুগুম্বনি। মসি থৱায় পান্দবা পোৎশিং মোটর, বঙ্গলো, রেডিয়ো মখোয় পুন্নমক্কী নীংথি তৌথি, মখোয় থক্কীদমক বুদ্ধিগী আশয় শেম্বা য়াবা মদুগুম্বা নত্তে। ধর্ম থক্তগী-আত্মাধর্ম থক্তগী বুদ্ধিগী আশয় থম্মু। হৌজিক অদোম্না ফংগদবদু মদু ফনমক ওইজসনু, তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি আশয় থক হোংদোক্তুনা মপুংফানা ১০০% ধর্ম থক্কী থম্মু।

ঐহাক্না ইশাগী বুদ্ধিগী আশয়দা ৯৫ % ধর্ম অমসুং জগত য়াইফন্বগী ভাৱনা পুরক্লি। অতোপ্পা করিগুম্বা মফমদা ঐহাক্কী পুণ্য র্খচ তৌদ্রি। পৈশা, মোটোর, বঙ্গলো, ইচানুপা, ইচানুপী করিগুম্বা অমত্তদা তৌদে।

ঐহাকপু থেংনবশিংদু অমসুং জ্ঞান লৌদুনা চৎথি, মখোয়না ২-৫% ধর্মগীদমক, মুক্তি(সংসারদগী নান্থোকপা)গীদমক থল্লম্মী। মরমদুনা ঐহাকপু থেংনরি। ঐহাক্না ১০০% পুম্বা ধর্মদা হপলম্মী, মরমদুনা ঐহাকপু মীপুম খুদিংমক্তগী ধর্মগীদমক ঐহাকপু 'নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট' ফংলি।

মশিং থীঙমদ্রবা মপোক কয়াদগী মোক্ষকী *নিয়াণা* (ঐহাক্কী পুণ্য পুন্নমক পুন্দুনা করিগুম্বা পোৎ অমগী ফংন্নবা তৌবা)তৌবা ওইথি, তৌইগুম্বসুং মপুংফানা *নিয়াণা* তৌথিবা ওইদে। করিগুম্বা মোক্ষকীদমক মপুংফানা *নিয়াণা* তৌবা ওইরগদি পুণ্য পুন্নমক মদুদা র্খচ তৌবা ওইবা। আত্মাগীদমক হিংবা মদু পুণ্যনি অমসুং সংসারগীদমক হিংলগদি পাপ থক্তনি।

## পাম্বা, পুণ্যগী য়েন্থোক্লবগী...

মরমদুনা মসি পুণ্য অসি, মদু ঐখোয়না নীবদুদা মদুদা য়েন্থোকপা ওই। কনাগুম্বনা হায়গনি, ঐহাক্না য়ু মসিখৈ পাম্মী, অসিগুম্বা পাম্মী, মদুগুম্বা পাম্মী। মদু ওইরগদি মদুদা য়েন্থোক্লবা ওই। কনাগুম্বনা হায়গনি, ঐহাক্না মোতোর পাম্মী, অমসুং য়ুম। মদুদা হায়, কা অনী ওইরগসু য়াগনি। কা অনীগী মহাক্না পেন্বা ফাওবা ওই অমসুং মোটর থৌবা ফংই।

মখোয়শিংনা পেন্বা ওইবা ওই, অপীক-অপীকপা লৈবাক্কী-য়ুমশিংদা লৈবা ওই মখোয় পুন্নমকপু? তশেংবা পেন্বা। মরমদুননি মখোয়না মদুগী য়ুমদু পাম্বা ওই। মদুগুম্না ওইরবা কান্দা নুংঙাইবা ওই। হৌজিক মদুগী আদিবাসী(ট্রাইবস)বু ঐখোয়গী মসিদা পুরক্তুনা য়েংউ। নুমিৎ ৪নী থমদুনা য়েংউ? মহাক্না পোত্থফম থঙলোই মসিদা। মরমদি মহাক্কী বুদ্ধিগী আশয়নি অমসুং মদুগী মথা পোন্না পুণ্যগী ডিবিজন ওইবা ওই। টেন্ডরগী মতুং ইন্না আইটম ফংবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্য-পাপ থক্কী মথা পোন্বা ওইরগদি মতুংদা টেন্ডরদা হাপনবা কদায়দা লৈরিবগে?

**দাদাশ্রী :** মসি টেন্ডর হাপ্পা ওইরি, মদুগী পাপ–পুণ্যগী উদায়গী মথা–পোন্না থক্তা হাপ্পা ওইরি। মরমদুনা ঐহাক্না হায়রি মদুদি 'টেন্ডর' হাপ্পু, তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না থঙই মদুদি করিগী মথা–পোন্না টেন্ডর হাপ্পা ওইবগে। মসি লো(পাপ-পুন্য) অনীসিগী মপানদা চৎপা য়াবা মদুগুম্বা নত্তে।

ঐহাক্না মীয়াম কয়াবু ঐহাক্কী নাক্তা 'টেন্ডর' পীকথন্না হাপতুনা পুরক্লবা হায়রি। তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বনা হাপতুনা পুরক্তে। করম তৌনা হাপকনি? মদু পাপ–পুণ্যগী মথা পোল্লি। মরমদুনা পাপকী উদয় ওইবা মতমদুদা য়াম্না কোয়চেন–চেন্বা তৌরগদি, মসি নত্তবদা লৈবখৈ অদুসু চৎথিবা ওইগনি। মরমদুনা য়ুমদা চৎতুনা তুম্মু অমসুং থরা–থরা অচম্বা থবক তৌ, অমসুং পুণ্যগী উদায় ওইরগদি কোয়চৎ-চৎপগী করি মথৌ তাবগে? য়ুমদা ফমদুনা ইমাংমক্তদা থজিক্তং থবক তৌবদা পুম্নমক লাক্কুনা লৈবা ওই, মরমদুনা ফীভম অনীমক্তুদা কোয়চেন–চেন্নবগী তৌগনু হায়রি।

ৱাফমবু থঙবা থক্তগী দরকার ওই।

## পুণ্যগী মশান্নগী মমাংদা চেন-চোংবা করিগীদমক?

পুণ্য মহৈ পীন্বগীদমক মায়োক্লবা ওইরি, মদু ওইরগদি করিগীদমক কোয়চেন-চেন্দুনা হোৎন্বা করিগী তৌরিবা? অমসুং করিগুম্বা পুণ্য মহৈ পীন্বগীদমক মায়োক্লবা ওইদ্রগদি করিগীদমক থুৎথীংজিল্লি মরম লৈতনা? মায়োক্লবা ওইদ্রগদি অমসুং নংনা থুৎথীংজিল্লগসু করিসু ওইগদবা ওইরোই। অমসুং মায়োক্লবা ওইরগদি করিগীদমক থুৎথীংজিল্লি নংনা? পুণ্যনা করিগুম্বা মহৈ পীনবগী শেমশাবা ওইরগদি থেংথবা ওইদে।

## পাপ-পুণ্যগী লিঙ্ক...

কনাগুম্বা মপানগী মীওইনা ঐহাক্কী নাক্তা ব্যবহারদগী এডভাইস লৌবা লাকপা মদুদি, 'ঐহাক্না ঙল্লিবমখৈ কোক-থুগায়রগসু করিসু ওইবা ঙমদে।' মতমদুদা ঐহাক্না হায়বা ওই, 'হৌজিক নহাক্কী উদয় পাপকীনি। নংনা কনাগুম্বগী মদুদগী পৈশা পূদুনা লাক্লসু লম্বীদা নহাক্কী ফুরিৎথাওদগী মুনখিগনি! মরমদুনা হৌজিক পোথাদুনা য়ুমদা ফমদুনা, নংনা শাস্ত্রা পারিবদু মদু পাউ অমসুং ভগৱানগী নাম শোন্দুনা লৈয়ু।'

ঐহাক্না 1964তা জয়গড়কী জেটী(হিথাংফম)শাবা ওইরম্মী। মদুদা কোনট্রেক্টর অমা ঐহাক্কী নাক্তা লাক্লম্মী। মহাক্না ঐঙোন্দা হংবা ওইরম্মী, 'ঐহাক্না ঐহাক্কী গুরু মহারাজগী মনাক্তা চৎপা ওই। চহী থুদিং ঐহাক্কী পৈশা হেঙ্গৎতুনা লৈ।

ঐহাক্কী অপাম্বা ওইদে, মদু ওইজরবসু হেঙ্গৎপা ওইরি, মদু ওইরগদি মদু গুরুগী থৌজালরা?' ঐহাক্না মঙোন্দা হায়রম্মী, 'মদু গুরুগী ক্রিপানি, মদুগুম্না লৌগনু। করিগুম্বা পৈশা চৎথ্রগদি মদু ওইরগদি নংনা অসিগুম্না ফাওগনি মদুদি পুরকউ, গুরুবু নুংনা থোমগনি!'

মসিদা গুরুদি *নিমিত্ত*নি, মহাক্কী বোর-পীরিবদু *নিমিত্ত*নি। গুরুবুসু দরকার ওইবা ওইরগদি আনা ৪ ফাও ফংবা ওইদেদনা! মরমদুনা মতুংদা মহাক্না ঐঙোন্দা হংখি মদুদি, 'ঐহাক্না করি তৌগদগে?' ঐহাক্না হায়, 'দাদাগী নাম শোল্লু।' হৌজিকফাও নহাক্কী পুণ্যগী লিঙ্ক লাক্লম্মী। লিঙ্ক হায়বদি অমমবদা মনা থাংগৎলগদি মদু ওইরগদি ৪ লাকপা, মতুংদা ৫ লাকপা, মতুংদা অমুক থাংগৎলগদি ৬ লাকপা। মদু ওইরগদি মীয়াম্না হায়বা ওই মদুদি, 'ৰা সেঠ, ৰা সেঠ, য়াদেকো।' মরমদুনা চেকশিন্না লৈয়ু। হৌজিক নং থাংগৎলগদি ৫৭গী মতুংদা ৩ লাক্কনি অমসুং ৩গী মতুংদা ১১১ লাক্কনি! মতমদুদা মীয়াম্না নহাকপু বুদ্ধু হায়গনি। মরমদুনা মসিগী দাদা নাম অসি থাদোক্কনু। নত্রগদি শিগনি।

মতুংদা ঐহাক্না মুম্বৈ লাক্লে। মদুগী মীওই নুমিৎ ২-৪গী মতুংদা মসি ৰাফম মসি কাওখ্রে। মহাক্না মতুংদা য়াম্না চাউবা অমাংবা ওইরম্মী। মরমদুনা মথোয় মতৈ-মনাও অনীমক্না মা হাৎন্নবা হু-হিদাক থকলম্মী! তৌইগুম্বসুং পুণ্য অদুক্কী মতীক লৈবনা মহাক্কী মনাওনুপা ডাক্টর ওইরম্মী। মহাক্না লাকপা অমসুং হিংহৌরে! মতুংদা মহাক্না মোটোর থৌদুনা চেন্দুনা ঐহাক্কী নাক্তা লাক্লম্মী। ঐহাক্না মঙোন্দা হায়, 'মসি দাদাগী নাম শোন্দুনা লৈয়ু অমসুং মতুংদা অসিগুম্বা কৈদৌনুংদা তৌগনু।' মতমদুদা মতুংদা মহাক্না নাম শোন্দুনা লৈরম্মী। মহাক্কী পাপ পুন্নমক চামথোকখ্রে অমসুং পুন্নমক ফবা ওইরে।

'দাদা' হায়বা মদুগী পুংফমদুদা পাপনা মনাক্তা লাকপা ওইদে। মাইগৈ পুম্বদা পাইদুনা লৈ তৌইগুম্বসুং শোকপা ওইদে অদোমবু। অদোম্না ঊইবা ওই, মদু ওইরগদি মদুগী পুংফমদুদা থেংবা ওই। নুমিদাংদা তুম্বদা থেংবা ওইদে। করিগুম্বা মীৎপাংলি ফাওবা মদুফাও হায়দুনা লৈবা অমসুং অয়ুক্তা হেক হৌগৎপগা হায়রগদি, মদু ওইরগদি মরক্কী মতমদু মদুবু স্বরুপ কৌই।

ধর্মগী পুণ্যদি অসিগুম্বনি, ধর্ম মফম খুদিংমক্তা মতেং-পাংবা ওই। অৰাবদগী অৰাবা ওইরজগসু মতেং-পাংবা ওই। মদুগুম্বা ধর্মগী পুণ্য লৈবা ওই। পুণ্য হেল্প তৌবা ওই। ঐখোয়গী জ্ঞানদি তোপ-তোপ্পা মখলগীনি। *প্রত্যক্ষ* (ইমাংমক্তদা মহৈ পীবা)লেংদনা লৈবা জ্ঞাননি!

পুণ্যসু ফাইলনি অমসুং পাপসু ফাইলনি। পুণ্য অতন্বা ওইহল্লি অমসুং পাপ জাগ্রুত থম্বা ওই। পুণ্যদি ওন্নবদা মসি আইসক্রীম চাও, মসি ফ্রুট চাও, মদুগুম্না পুন্নমক অতন্বা(থীন্থবা) তৌহল্লি। মদুগী মহুত্তা মসি অথাবা হিদাক পীথকউদনা, মদু ওইরগদি জাগ্রুত ওইনদি লৈগনিদনা!

## গ্রাহক থারক্লিবা কনানো?

মসি মীয়াম পুন্নমক্লা মোটল চলাইবা ওই, মদুদা মোটলদা লৈরগদি মদু ওইরগদি লাক্লিববু কনানা থারকপা ওইবগে? অদোম্না মোটল চলাইদনা, কনানা থারকপা ওইবগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** থঙদে।

**দাদাশ্রী :** মদু অদোমগী পুণ্যনি। ভগৱান্না থাবা ওইদে, অতোপ্পা কনাগুম্বনা থাবা ওইদে। অদোমগী পুণ্যনা থাবা ওই অমসুং পাপগী উদায় ওইবা ওইরগদি পুন্নমক্কী মোটল পীকথন্বা তৌইগুম্বসুং অদোমগী থন্বা ওইদে। খ্বাইদগী অফবদগী অফবা শেমশাবা ওই, মদু ওইরগসু থন্বা ওইদে।

## কনাগুম্ববু দোষ পীবা য়াব্রা?

করিগুম্বা পোৎ মদুগুম্বা লৈতে মদুদি মসি পুণ্যলৈরিবশিংবু ফংবা ওইদবা, তৌইগুম্বসুং পুণ্য মদুগুম্বা মপুংফানা পুরকপা ওইদে মরমদুন্নি। নত্রগদি পোৎ খুদিংমক অপাম্বদুগুম্না মদুগুম্না ফংবা য়াবনি। তৌইগুম্বসুং মীয়াম্না সংসারগী জ্ঞানদা তাদুনা লৈরি অমসুং মতমদুফাও কৈদৌনুংদা 'পোৎ' ফংবা ওইদে। অমরোমদা কোক থরা য়াংবা ওই, মদুদা মতুংদা মহাকপু অসিগুম্বা জ্ঞান ফংবা মদুদি *'বুধে নার পান্সরী'* (নুপীবু ফুদুনা শেমদোকপা), মতমদুদদি মহাক্লা পাম্বা পুন্নমক ফংলে! মসি জ্ঞান ফংলিবসি, মদুগী জ্ঞান মহাকপু মহৈ পীগনি নত্রগা পীরোইদ্রা? মতুংদা করি থোক্কনি? মদুগী নুপীগী মবুক্তগী তীর্থঙ্কর পোকপা ওইবা মদুগী নুপীদুগী দশা অদু য়েংউ, অদোম্না করম্না তৌবগে? য়াম্না অনয়ায় নি? মরমদি মদুগী নুপীদুগী মবুক্তগী তীর্থঙ্কর ২৪ পোকপা, চক্রবর্তী ১২ পোকপা, মফমদুদসু অসিগুম্না তৌরি? ফনমক অদোমবু অথাবা অনুভৱ ফংবা ওইরগসু। মদুদা নুপী জাতিবু করিগীদমক *নিন্দা* (নেগেটিব ঙাংবা) তৌবগে? অদোম্না লুপা ১২ ডজনগী মমলদা হৈনৌ পুদুনা লাকপা, তৌইগুম্বসুং শিন্বা ওইরম্মী, তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা লুপা ৩ ডজনগী মমল ওইবা য়াম্না থুম্বা ওইরম্মী। হায়বদি অনম্বা মতমদা পোৎ মমলগী মথক্তা মথা-পোন্বা ওইদে, অদোমগী পুণ্যগী মথক্তা মথা-পোন্বা ওই। অদোমগী পুণ্য করিগুম্বা মতীক-মথৌনা কল্লগদি, মদু ওইরগদি হৈনৌ কয়াম্না অথুম্বা ওইবগে, অমসুং মদু অশিন্বা ওইরি মদুদা অদোমগী পুণ্যগী মতীক-মথৌনা লৈত্রবদা, মদুদা কনাগুম্ববু দোষ করম্না পীগনি?

মরমদুনা মসিদি পুণ্য ৱাৎপা ওইবা ওই, মসি নত্রগদি অতোপ্পা করিনো? ময়াম্বা অহলনা প্রোপরটি পীবা ওইদ্রগদি মদু ময়ামবগী দোষরা? ঐখোয়গী পুণ্য ৱাৎপনি। মদুদা দোষ কনাগুম্বগী ওইবা ওইদে। মসিদি পুণ্যদুবুদি মহাক্লা শেমদোকপা ওইদে অমসুং ময়ামবগা লোয়ন্না পাপ থক্তা পুনশিন্বা ওই! মতুংদা পাপকী পাত্র অদু থন্বা ওই।

ঐখোয়না য়ুমগী অপাম্বা ওইবা অমসুং কনাগুম্বা মীওইনা মতেং-পাঙলগদি অমসুং লৈন্নবগীদমক পীবা ওইরগদি, মদু ওইরগদি জগতকী মীওইবনা মহাক্কী মথক্তা চান্নবা ওইবা ওই অমসুং মহাক্কা য়ুমদু লৌবা পাম্লগদি মঙোন্দা য়েংথীন্বা ওই। মসি চান্নবা–য়েংথীন্বনি, হৌজিক তশেংবদদি চান্নবা–য়েংথীনবগী মথৌ তাদে, মহাক্তি *নিমিত্ত*নি। মহাক পীবা ওইরিবা অমসুং লৌবা ওইরিবা, অনীমক *নিমিত্ত*নি। অদোমগী পুণ্যগী উদয় ওইবা মতমদুদা মহাক্কা পীন্নবগী থেংন্বা ওই, পাপকী উদয় ওইবা মতমদুদা লৌন্নবগীদমক থেংন্বা ওই। মদুদা মহাক্কী করিগুম্বা দোষ লৈতে। অদোমগী উদয়গী মখা-পোল্লি। মমাংদা লৈরিবদুগী খজিক্তংফাও দোষ ওইবা ওইদে। মহাক *নিমিত্ত* খক্তনি। মদুগুম্না ঐখোয়গী জ্ঞান্না হায়রি, কয়াম্না ফজখ্রবা ৱাফমবু হায়রিবা!

অজ্ঞান্নীদি কনাগুম্বনা থুম্না-থুম্না ঙাংলগদি তৌইগুম্বসুং চান্নবা ওইবা ওই অমসুং অখাবা ঙাংলগদি মদুদা য়েংথীন্বা ওই। মাংদা লৈরিবদুনা অথুম্বা ঙাংলগদি, মদু মশাগী পুণ্য ফুদোকপা ওই অমসুং মাংদা লৈরিবদুনা অখাবা ঙাংলগদি, মদু ওইরগদি মদু মশাগী পাপ ফুদোকপনি। মরমদুনা মরু-ওইবা ৱাফমদা, অনীমক্তা মাংদা লৈরিবদুগী করিগুম্বা মরি লৈনদে। ঙাংবা ওইরিদুনা করিগুম্বা মরি অমত্তা লৈনদে। মাংদা লৈরিবা মীওইদি নিমিত্ত খক্তনি। *য়শ* (মীংচৎ) কী *নিমিত্ত* ওইবদুদি মহাক্কা য়শ ফংবা ওই অমসুং *অপয়শ* (মীংচৎ থীবা) কী *নিমিত্ত* ওইবা মহাকপু অপয়শ ফংবা ওই। মদুদি নিমিত্ত খক্লি। মদুদা কনাগুম্বগী দোষ লৈবা ওইদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** পুম্নমক *নিমিত্ত* খক লৌগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** *নিমিত্ত* নত্তনা মসি মালেমদা করিগুম্বা অতোপ্পা পোৎ লৈবা ওইদে। লৈরিবদু, মদু মসি নিমিত্ত খক্লি।

## মদুগী মতেং লৈ পুণ্য অমসুং পাপ কী মথক্তা

**ৱাহং-হংলিবা :** চিন্থীবা কয়া অমা থীজরবসু অচুম্বদা মনুং-চন্বা ওই অমসুং কয়া অমা অচুম্বা ঙাংলগসু অরান্বদা মনুং-চন্বা ওই। মসি পজল (পাউখোং) সি করিনো?

**দাদাশ্রী :** মদু মহাক্কী পাপ অমসুং পুণ্যগী মখা-পোন্না ওইবা ওই। মহাক্কী পাপকী উদয় ওইরগদি মহাক্কা অচুম্বা ঙাংজরগসু অরান্বা চৎপা ওই। পুণ্যগী উদয় ওইবা মতমদা মদুদা অরান্বা ঙাংলগসু মীয়াম্না মহাকপু অচুম্বা ওইনা একসেপ্ট তৌই, অরান্বদগী অরান্বা তৌরগসু চৎপা ওইরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি মহাকপু করিগুম্বা অমাংবা ওইদব্রা?

**দাদাশ্রী :** অমাংবদি লৈ, তৌইগুম্বসুং মথংগী মপোক্কী। মসি মপোক অসিদদি মহাক্কা মমাংগী মপোক্কী মহৈ ফংলি। অমসুং মসি অরান্বা ঙাংলিবসি, মদুগী মহৈ

মহাক্কা মথংগী মপোক্তা ফংগনি। হৌজিক মসি মহাক্কা মরু হুল্লি। মসি নত্তনদি, মসি কনাগুম্বগী শাসন নত্তে মদুদি অপাম্বা মদুগুম্না হেক্তা তৌবা য়াবা!

## মদুগী কপল (মতৈ-মনাও)দুগী মনুংদা কনানা পুণ্য ওইবগে?

ইবুংঙো অমা ঐহাক্কী ইনাক্তা লাক্লম্মী। মহাক্কা ঐঙোন্দা হায়রম্মী, 'দাদা, ঐহাক্কা লুহোংদি লুহোংলে তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী নুপীবু পাম্বদি ওইদে।' মতমদুদা ঐহাক্কা হায়, 'করিগী ইবুংঙো, পামদবা ওইবগী মরম করিনো?' মতমদুদা মহাক্কা হায়, 'মহাক থজিক চৎপদা শোয়নাইবা, খোংদগী চীংবা ওই।' মতুংদা ঐহাক্কা হংলম্মী, 'মদু ওইরগদি নহাক্কী লোয়ন্বীনা নহাকপু পামব্রা নত্রগা পামদব্রা?' মতমদুদা মহাক্কা হায়, 'দাদা, ঐহাক্তি পাম্বা ওইগদবা মদুগুম্বনিদনা! ফজবা ওই, লাইরিক হৈবনি, করিগুম্বা হকচাংদা অশোয়বা লৈতে ঐঙোন্দা।' মতমদুদা ঐহাক্কা হায়, 'মদু ওইরগদি মদুদা অশোয়বা নহাক্কী থক্লি। নহাক্কা অসিগুম্বা করি অশোয়বা তৌখিবগে মদুদি নহাক্কা খোং-চীংবা ফংবা অমসুং মহাক্কা কয়াদা ফজরবা পুণ্য তৌখিবা মদুদি নংবু অসুক্কী-মতীক ফবা মহাক্কা ফংলিবা! অরে, মসিদি ইশাগী তৌখিবা কর্ম থক মশাগী মমাংদা লাকপা ওই। মদুদা মাংদা লৈরিবদুগী দোষ করিগী য়েংলিবা? চৎলু নহাক্কী অশোয়বদুবু ফুগৎলু অমসুং মতুংদা অনৌবা অরাম্বা তৌগনু।'

## চৈনাদা পুণ্য-পাপকী রোল...

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওইববু লৈনা নাবা ওই, মদুগী মরম করিনো?

**দাদাশ্রী :** মদু মহাক্কা মশামক্কা মরাল তৌখিরম্মী পুন্নমক, পাপ তৌখি, মঙোন্দা মসি লৈনসি **না**বা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মসি অপীক-অপীকপা অঙাংশিংনা করম্বা মরাল তৌখিবগে?

**দাদাশ্রী :** পুন্নমক্কা পাপ তৌখি, মদুগী মসি লৈনানি পুন্নমক। মমাংগী মপোক্তা পাপ তৌখিবদু, মদুগী মহৈ লাক্লি হৌজিক মতমদা। অপীকপা অঙাংনা অৱাবা ফুগৎপা ওইরি, মদু পুম্বা পাপকী মহৈনি অমসুং শান্তি অমসুং নুংঙাইবা ফুগৎলি মদু পুণ্যগী মহৈনি। পাপ অমসুং পুণ্যগী মহৈ, অনীমক ফংবা ওই। পুণ্যদু, মদু ক্রেডিটনি অমসুং পাপ ডেবিটনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐখোয়না হৌজিক মসিগী মপোকসিদা করিগুম্বা অনাবা ওইবা, লৈন্না-নাবা ওইরগদি মদু ঐখোয়গী মমাং মপোক কর্মগী মহৈনি, মদু ওইরগদি মতুংদা ঐখোয়না হৌজিক করিগুম্বা লয়েংলগদি, মদু ওইরগদি মদুনা ঐখোয়বু মতৌ করম্না ফহন্বগে, করিগুম্বা মদু ব্যাবস্থিত থক ওইবা ওইরগদি মতুংদা?

**দাদাশ্রী :** মদুগী হিদাক লৌব্রা, মদুসু ব্যাবস্থিত ওইরবা কান্দা থক লৌবা ওই, নত্রগদি লৌবা ঙম্বা ওইদে। ঐহাক্কসু থেংন্বা ওইরোই।

**ৱাহং-হংলিবা :** অমসুং মখল কয়াগী হিদাক লৌরবকান্দা, মদু ওইরগসু মহাকপু হিদাক্কী ইফেক্ট ফাওবা ওইদে, ফবা ঙমদে মঙোন্দগী। অসিগুম্নসু ওইদনা, দাদা।

**দাদাশ্রী :** ওননা পৈশা লোইবা ওই অমসুং শিবগী মতম লাকপা ওই। মসি নত্তবদা পুণ্য মশেক-মঙাল পীবা মতমদা থজিক্তং অসুম হেক্তা ৱারি শান্না-শান্নদুনা থামেন-অশিন্বগী মহী থক্লগসু লৈনা মাংবা ওই। মরমদুনা পুণ্যগী মথা পোল্লি। অদোমগী পুণ্য মহৈ পীন্নবগী শেমশাবা ওইরগদি পুন্নমক অসিগুম্না ফ্রী ওফ কোস্ট ফংবা ওই অমসুং পাপ মহৈ পীন্বগীদমক শেমশাবা ওইরগদি অফবা পোৎ ওইরগসু, মদুসু ওন্না- তৈন্বা ওই।

নাবা কান্দা পুণ্যদগী ফুগৎপা হন্থনা থোকপা ওই। নাবা কান্দা পাপতগী ফুগৎপা হেন্না হেঙ্গৎপা ওই। পুণ্য লৈবা ওইদ্রগদি পুন্নমক ফুগৎকদবা ওইবা ওই।

হৌজিক পুণ্য লৈবা ওইরগদি বৈদ্যারাজ(লায়েংবা মী) অফবা ফংবা ওই। টাইম লাক্তুনা লৈবা ওই। পুন্নমক ফংবা ওই অমসুং শান্তি লৈবা ওই। চৈনাদু ডাক্টরনা মাংহনব্রা? পুণ্যনা মাংহল্লি অমসুং পাপতগী শেন্বা ওইখি। মদুদা অতোপ্পা কনানা মাংহনগনি? ডাক্টরদি *নিমিত্ত*(ৱান অফ দ কোস)নি!

**ৱাহং-হংলিবা :** লৈনা ওইরকপদু পাপগী উদায় কৌগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** মদু নত্রগদি করি ওইগনি? মসি লৈনাদি পাপনি অমসুং লৈনা লৈতবা মদু পুণ্যনি।

## চহী শাংনা-পুন্সিবা ফব্রা নত্রগা অতেন্বা?

**ৱাহং-হংলিবা :** য়াম্না শাংবা পুন্সি, য়াম্না শাংবা চহী মদু পুণ্যগী মহৈরা নত্রগা পাপকী মহৈরা?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মীয়ামবু তাথীবা-ৱাঙাং চৈন্নবগীদমক অমসুং মীয়ামগী নিন্দা তৌন্নবগীদমক করিগুম্বা পুন্সি হিংবা ওইরগদি পাপকী মহৈনি! মশাগী আত্মাগী অফবা ওইন্বগীদমক নত্রগা অতোপ্পশিংগী অফবা ওইন্বগীদমক কনাগুম্বা হেন্না পুন্সিবা ওইরগদি, মদু পুণ্যগী মহৈনি।

পুণ্য ওইবগী চহী শাংবা ওইবা ওই, থজিক্তং পুণ্য ওইবা ওইরগদি চহী তেনশিন্বা ওই, লম্বী মরক্তা! হৌজিক কনাগুম্বা মীওই য়াম্না পাপী ওইবা, অমসুং চহী শাংবা ওইরগদি? মহাকপু ভগৱান্না করি হায়বগে মদুদি পাপীগী চহী করম্না ওইগদগে? ঐখোয়না ভগৱানদা হংলবদি মদুদি, 'পাপীগী চহী কয়া ওইরগদি, মদু ওইরগদি অফবা ওইনা লৌগনি?' মতমদুদা হায় মদুদি, 'থজিক্তং হিংলিবমথৈ মদুমথৈ ফৈ।' মরমদি অসিগুম্বা পাপকী সঙয়োগশিংদা লৈবা ওই, মরমদুনা থজিক্তং হিংবা ওইরগদি মদুগী সঙয়োগশিং হোংগনি মহাক্কী! তৌইগুম্বসুং মহাক্না থজিক্তং হিংবা ওইদেদনা! মসিদি লেবল তাক্লবগীদমক ঐহাক্না হায়বনি, তৌইগুম্বসুং হেন্না হিংবা

ওই, মহাক্না চহী ১০০সু লোইশিন্বা ওই অমসুং পাপ কয়া অমা পুন্না ওই মদুদি কয়াগী মতীক লূ-না চঙগনি মদুদি মহাক থক্তনা খঙলমগনি! অমসুং পুণ্য লৈবা মীওই কা-হেন্না হিংলগদি মদু য়াম্না ফবনি।

## লাকদৌবা-মপোক্কী বন্দল (মপুন)শিং কনাগী?

মপান্দগী তানশিন্বদু মপান্দা অদুম লৈহৌগনি। মসি মোটোর-বঙ্গলো, মিলশিং, লোয়ন্বী-অঙাং পুন্নমক মসিদা থনমদুনা চৎপা তাগনি। মসি অরোইবা স্টেশন অসিদদি কনাগুম্বগী মপাগীসু চৎপা য়াবা মদুগুম্বা ওইদেদনা! পুণ্য অমসুং পাপ থক লোয়ন্না পূহনগনি। অতোপ্পা অচম্বা ৱাহৈদা নহাকপু খঙহল্লগদি মসিদা তৌথি-তৌথিবা মরাল মদুগী কলম(লো)শিংগা লোয়ন্না লাক্কনি। মদুগী মরালদুগী তানশিনখিবদু মসিদা লৈহৌগনি অমসুং অমুক-হন্না কেস চৎথগনি। কলম(দন্ড)শিংগী হিসাবতগী অনৌবা হকচাং ফংদুনা অমুক-হন্না নহৌন্না তানশিন্দুনা পূথিবদু শিংদোকপা মথৌ তাই। মরমদুনা অপং, হান্নদগী চুম্না লৈবা তৌদনা! 'স্ব-দেস'(ইশাগী ইরম)দদি য়াম্না নুংঙাইবা ওই। তৌইগুম্বসুং স্ব-দেসতি উবা ওইদ্রিদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওই মপোক্তা অফবা থবক তৌরবগী মতুংদা, মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা, মদুগী আত্মাদুগী ফীভম করম তৌবা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** অফবা থবক তৌরগদি পুণ্য পুনশিন্বা ওই। মদু ক্রেডিট ওইবা ওই, মদু ওইরগদি মীওইবদা অফবা য়ুমদা পোকপা ওই। নীংথৌ ওইবা ওই নত্রগা প্রধানমন্ত্রী ওইবা ওই নত্রগা মদুদগীসু হেন্না অফবা থবক তৌরগদি লাই-মপোক্তা চৎপা ওই। অফবা থবক তৌবা মদু ক্রেডিট কৌবা ওই, মহাক্না মতুংদা ক্রেডিট ফুগৎন্বা চৎপা ওই। অমসুং ফত্তবা থবক তৌবা ওইরগদি, মহাক্না ডেবিট ফুগৎন্বা চৎপা ওই মতুংদা, মখোং ২দগী মখোং ৪ ওইখিবা ওই! মসি অদোম এস.ই ওইরিবসি মদু ক্রেডিটকী মরম্না! অমসুং ডেবিট ওইরগদি মিলদা থবক তৌবা মথৌ তাই। নুমিৎ চুপ্পা হোৎনরগসু কোন্নবা ওইদে। মরমদুনা মসি ক্রেডিট-ডেবিটকী মথা পোন্না মসি মপোক ৪শিং অমসুং ক্রেডিট-ডেবিট শেম্বা ওইদ্রগদি মোক্ষ মপোক্তা চৎপা ওই।

মশাগী ওইজবা তৌবদগী পাপ কর্মনা পুনশিন্বা ওই অমসুং *নি:স্বার্থ* (ওইজবা থীদবা) তৌবদগী পুণ্য কর্ম পুনশিন্বা ওই। তৌইগুম্বসুং অনীমক কর্মনিদনা? পুণ্য কর্মগী মহৈনি মদু সনাগী য়োৎলিংনি অমসুং পাপ কর্মগী মহৈ য়োৎকী য়োৎলিংনি। তৌইগুম্বসুং অনীমক য়োৎলিং থক্লিদনা?

## খেৎন্বা, শ্বর্গ অমসুং মোক্ষকা...

**ৱাহং-হংলিবা :** শ্বর্গ অমসুং মোক্ষকা করি খেৎন্বগে?

**দাদাশ্রী :** শ্বর্গদি মসিদগী পুণ্য তৌদুনা চৎলিদনা, পুণ্য হায়বদি অফবা থবক তৌবা, শুভ থবক তৌবা, হায়বদি মীয়ামবু দান পীবা, কনাগুম্ববু অৱাবা পীদবা, কনাগুম্বগী মতেং-পাঙবা, ওবলাইজিঙ্গ নেচর থম্বা, অসিগুম্বা কর্ম, তৌদ্রবা

মীয়াম্না?

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌই।

**দাদাশ্রী :** হায়বদি অফবা থবক তৌরগদি শ্বর্গদা চৎলি অমসুং ফত্তবা থবক তৌরগদি নর্কতা চৎপা ওই। অমসুং অফ-ফত্তবা মিক্ষচর থজিক্তং তৌবা তৌইগুম্বসুং মদুদা ফত্তবা থবক থজিক্তং তৌবা, মহাক্না মীওইবদা লাকই। মতৌ অসুন্না শরুক ৪দা থবক তৌবগী মহৈ ফংদুনা লৈ। অমসুং থবক তৌবা-ওইবা কনাগুম্বনসু মোক্ষতা চৎপা ঙমদে। মোক্ষকীদমক্তদি তৌবা-ওইবা লৈরোইদবনি। আত্মাজ্ঞান ফংবা মতমদা তৌবা-ওইবগী *ভাৱ* (নুংগী ৱাখল;দ্যান) তৎপা ওই অমসুং তৌবা-ওইবা ভাৱ তৎলগদি মোক্ষ ওইগনি।

## পুণ্যগী মহৈ করম্না?

পুণ্য হায়বদি তুংশিন্বা পৈশা অমসুং পাপ হায়বদি অপূবা পৈশা। তুংশিন্বা পৈশা খর্চ তৌনীংবদুদা তৌবা য়াই। লাইনুপী-নুপাশিংবু মীৎয়েংগী-জেল লৈবা ওই তৌইগুম্বসুং মখোয়বু মোক্ষতী ফংবা ওইদে। অদোমগী য়ুমদা লুহোংবা থোকপা অমসুং অদোম্না পুন্নমক কাওবা ওইবা, মপুংফানা মোহদা *তনময়* (অমত্তা) ওইবা। আইসক্রীম চারগসু লৈনা মহাও তংবদা লৈবা ওই, দোন-য়ৈরগসু নাকোংনা তানীংবা ফাওই। মীৎ বোরদুবু য়েংবা ওই, নাতোননা অগরবত্তী অমসুং সেন্টতা চৎপা ওই। মদুগী ইন্দ্রিয়া ৫শিংদু থবক্তা চিন্বা ওই। পূন্নীং টেন্সনদা লৈবা ওই। মসি পুন্নমক লৈবা, মদুদা আত্মা নীংশিংবা ওইদে। মতৌ অসুন্না লাইনুপী-নুপাশিংবু মতম চুপ্পদা মদুগুন্না থোকপা ওই। মসিদগী মশীং-থিঙমদনা থোইদোক-হেন্দোকপা নুংঙাইবা ওই মরমদুনা মখোয়না নীংশিংবা ওইদে। মখোয়না আত্মাগী নীংশিংবা ওইদে। তৌইগুম্বসুং লাইশিংগী মপোক্তসু *কচাপা* (খৎন্বা)-*অত্তমপা* (অশান্তি) অমসুং কল্লকপা লৈবা ওই। লাইনুপী-নুপাসু মতুংদদি নুংঙাইবশিং- দুদগী পেল্লকপা ওইবা ওই। মদু মতৌ করম্না? নুমিৎ ৪ লুহোংবদা নুংতিগী লডডু পীজবা ওইরগদি ৫সুবা নুমিত্তা থিচিরি নীংশিংবা ওইবা মদুগুম্বনি! মখোয়সু অপাম্বা ওই মদুদি করম্বা কান্দা মীওইবগী হকচাং ফংগনি অমসুং ভরত ক্ষেত্রদা অফবা সঙস্কার চেন্বা ইমুংদা পোকচবা ওইবা অমসুং জ্ঞানী পুরুষকা হকথেংন্বা ওইবা। জ্ঞানী পুরুষ ফংলবা থক্তদা উপায় লাকপা মদুগুম্বনি। নত্রগদি *গতি*(মপোক)৪দা কোচৎ-চৎপদুদি লৈরিদনা।

## পাপকী মহৈ করম্না?

আত্মাগী মথক্তা অসিগুম্বা মরোলশিং লৈ, আবরণ (কুপশিন্বা) লৈ মদুদি মীওই অমবু অমম্বা কা অমদা থম্লগদি অমসুং মহাকপু মতম ২রক থক্কী চান্বগী পীরগদি অমসুং অৱাবা এক্সপেরিএন্স ওইরিবদু, মদুগুম্বা মশীং-থীঙমদ্রবা অৱাবশিংগী অনুভব মসি ঊ-ৱা নচীংবা ইন্দ্রিয়া ১ দগী হৌদুনা ইন্দ্রিয়া ৫ ফাওবগী জীবশিংনা ওইবা ওইরি। মসি ইন্দ্রিয়া ৫ ওইবা মীওইবশিংবু অদুক্কী-মতীক অৱাবা ওইরি, মদু ওইরগদি ইন্দ্রিয়া য়ামদবা ওইবা মখোয়দি কয়াম-য়াম্না অৱাবা ওইরমগনি? ৫দগী

হেন্বা ইন্দ্রিয়া ৬ ওইবা কনাগুম্বা অমত্তা লৈতে। মসি ঊপাল–ৰাপল অমসুং শা–ষণ মখোয়দি *তির্য়নচ* মপোক্কি। মদুদা মখোয়না য়াম্না হোৎন্বগী-জেলগী চৈরাক লৈরি। মসি মীওই মপোক, মদু ইচম–চম্বা জেলনি অমসুং নর্ক মপোক্তদি য়াম্না শাথীনা–অৱাবা ওই, মদুগী ওইরিবদুগুম মদুগুন্না ফোংদোক্লগদি তাবগা মী শিগনি। চেংবু ঈশিংদা-শৌহন্বা অমসুং মথক্তা লংথৎপা মদুদগী লাক্ষ হেন্না অদুক্কী–মতীক অৱাবা ওইবা ওই। মপোক অমদা ৫ রক হজিন–হজিন্না শিবগী চৈনা ওইবা ওই অমসুং মদু ওইজরবসু শিবা ওইদে। মদুদা হকচাং মর্কিয়ুরীগুন্না তৌবা ওই। মরমদি মখোয়না অৱাবগী চৈনা ফাওগদবা ওইবা ওই, মরমদুনা শিবা ওইবা ওইদে। মখোয়গী পার্টস খুদিংমক ককথৎপা ওই অমসুং মতুংদা তাইশিন্বা ওই। চৈন্না–ফুগৎকদবা থক ওই। নর্ককী মপোক হায়বদি পুন্সি–চুপ্পা চৈরাক।

## পাপ-পুণ্যগী *গলন* (ঔতপুত)গী মতমদা...

পাপকী *পুরণ* (ইনপুত) তৌইদনা, মদুগী *গলন* (ঔতপুত) তৌবা মতমদুদা খঙবা ওইগনি! মতমদুদা নহাক্কী নথৌনা মাংবা ওইগনি। মৈথক্তা ফম্বগুন্না, মদুগুন্না মানগনি!! পুণ্যগী *পুরণ* তৌবা মতমদা খঙবা ওইগনি মদুদি করম্বা মথলগী নুংঙাইবা লাকপা ওই। মরমদুনা *পুরণ* তৌ–তৌবদুগী মদুবু য়েংদুনা–ৰাখল খন্দুনা তৌ মদুদি *গলন* তৌবা মতমদা পরিণাম করম্বা লাকপগে! *পুরন* তৌবা মতমদা লেপতনা নীংশিংউ মদুদি, মসি পাপ তৌদুনা কনাগুম্ববু মীনমদুনা পৈশা তুংশিন্বা মতমদা লেপতনা নীংশিংউ মদুদি মদুসু *গলন* ওইগদৌরি। মদুগী পৈশা বেঙ্কতা থমলগদি মদুসু চৎখিদৌবদি ওইগনি। মদুগীসু *গলন* ওইবা ওইগনি। অমসুং মদুগী পৈশা তুংশিন্বা মতমদা পাপ তৌখিবদু, *রৌদ্রধ্যান* (কনাগুম্ববু শাথীনা নুংঙাইতাবা পীবা) তৌখিবদু, মদু ওইরগদি মদুগী *কলম* (লোগী নিয়ম) শিংগা লোয়ন্না লাক্কনি অমসুং মদুগী *গলন* ওইবা কান্দা মতমদুদা নহাক্কী করি দশা ওইগনি?

## পুণ্য লোইরগদি মদুনা তোঙান-তাহল্লি জ্ঞানীদগী...

পুণ্যগী শক্তম করম তৌবগে? শিজিন্না থোকপা ওই। মোন(অরুম্বা) করোরশিংগী ওইবা বরফ মপৈ তৌইগুম্বসুং মহাক্কী শক্তম করম্না তৌবগে? ঈশিং ওন্থোপা মদুগুম্বা।

নংগী ঐহাক্কা লোয়ন্বা সঙয়োগসি পুণ্যগী মথা-পোল্লি। নংগী পুণ্য লোইরগদি মদুদা ঐহাক্লা করি তৌগনি? অমসুং নংনা থনদুনা লৈরগদি মদুদি মসি সঙয়োগশিং থক ঐহাক্লা পাম্মী, মতুংদা করি থোক্কনি? চৈফম চাবা ওইগনি। কোকসু কায়বা ওইগনি। ফংলিবদুখৈ মদুখৈ কান্নে। মদুগী নুংঙাইবদা লৈয়ু মদুদি ঐহাক্কী পুণ্য মীৎকপ থোক্লকপা ওইরি। নংনা অসিগুন্না খল্লি মদুদি মসি পূক্নীংনা হেক্তা পাম্বা সঙয়োগ অদু ফংবা ওইবা?

**ৱাহং-হংলিবা :** অসিগুন্না নত্তে।

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরগদি? মসি নিয়মগী মখা-পোন্ননিদনা? নত্রগা নিয়মদগী মপান্দা ওইরমগদ্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** নিয়মগী মখা-পোন্ননি।

**দাদাশ্রী :** মদুগী মতুংদা পুক্নীংদা লৌরগদি করি থোক্কনি? মদুদি করিগুম্বা পুণ্য মীৎকপ থোকপা মতমদা ঐহাক্কা লোয়ন্না থেংন্বা ওই। মতুংদা তোঙান-তাবা মতমদুদা খঙবা ওই। মরমদুনা তোঙান-তাবা ফীভমদা অনুভব তৌরগদি মতুংদা কায়বা ওইদেদনা ঐখোয়না। নাম্বোক্লবগী ক্রুত্তিদগী করিগুম্বদা কর্মদগী নাম্বোকপা য়াব্রা? ঐহাক্কা বড়োদাদা লৈবা, নংনা বড়োদাদা লৈবা, মতমদুদসু কর্মনা থেংনহন্বা ওইহল্লোই! মসি জ্ঞান পীরি, করিগুম্বা মতমদা লাক্কুনা ফংবা মদু 'ব্যাবস্থিত' অমসুং মদুগী *সমভাৱ*তগী *নিকাল* তৌ। য়ারে, মসিগী ৱাফমসি থক্নি।

পুণ্য লৈরিবফাও দাদাগী মনাক্তা ফম্নবগী মতম ফংবা ওই, মদুগী পুণ্যদুগী উপকার লৌগদবনি। মসি তোইনা থোকপ্রনে? অসিগুম্বা আশাসু কমাইনা থমগনি?

## ফত্তবা সঙ্গদগী পাপকী চংলকপা

মসি মালেম অসিদা খ্বাইদগী পুণ্য লৈবা কনানো? মহাকপু ফত্তবা সঙ্গনা শোক্তবা। পাপ তৌবদা কীবা ওইবদুনা, মদুনা অচৌবা জ্ঞান কৌগনি!

ফত্তবা সঙ্গদগী পাপকী চংলকপা ওই অমসুং মতুংদা পাপনা চীকপা ওই। মহাক্লা হেক হাংবা মতমদা অতোপ্পা ফত্তবা সঙ্গা ফংবা ওই, মতমদুদা মতুংদা ফত্তবা সঙ্গাদগী *নিন্দা* (মীগী ফত্তবা ঙাংবা) তৌবা হেঙ্গৎপা ওই অমসুং *নিন্দা* তৌবদগী দাগ চুবা ওই। মসি অৱাবা পুন্নমক ওইরিবসি মদু মসিগী মরম্নি। ঐখোয়না কনাগুম্বগী মরমদসু ঙাংন্বগী অধিকার করিনো? ঐখোয়না ইশাগী য়েংগনি। কনাগুম্বা অৱাবা ওইবা নত্রগা নুংঙাইবা ওইবা, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মহাক্কা লোয়ন্না করি মরি লৈন্বগে? মসিদি নিংথৌ ওইরগসু মহাক্কী *নিন্দা* তৌই। মশাগা করিগুম্বা অমত্তা মরি লৈন্দবা মদুগুম্বা অতোপ্পগী ৱাফম! মদুগী মথক্তা য়েংথীন্বা অমসুং কল্লকপা অমসুং মদুগী অৱাবা থক্তনি। ভগৱান করি হায়বগে মদুদি বীতরাগ ওইরো। নংদি *বীতরাগ*নি, মসি চান্নবা-য়েংথীন্বা করিগীদমক? নংনা মমীংদা তাদুনা লৈরগদি মদু ওইরগদি চান্নবা-য়েংথীন্বনিদনা? অমসুং মীং লৈতবা ওইরগদি বীতরাগ ওইরে!

## অফবা উপয়োগ, আত্মাগী য়াইফন্বগীদমক...

অসিগুম্বনি, মসি পুণ্য মীৎকপ থোকপা ওইরি মদু ওইরগদি চান-থক্লবা পুন্নমক য়ুমদা ফম্না ফম্না লাকপা ওই মরমদুনা মসি পুম্বা টী.বী য়েংগনি, নত্রগদি চানা-থক্লবগী মফম খঙদ্রগদি নুমিৎ-চুপ্পা হোৎন্বা চৎকদ্রা নত্রগা টী.বী য়েংগদ্রা? হায়বদি মসি পুণ্যগী *দুরুয়োগ* (লান্না শিজিন্নরি)। মসি পুণ্যগী *সদুপয়োগ* (য়াইফবদা শিজিন্নবা) তি অসিগুম্না তৌগদবনি মদুদি মসি মতম লৈরিবদু আত্মাগীদমক মতম পীগদবনি। মদু ওইজরবসু টী.বী শুংয়েং-য়েংগনু হায়বা মদুগুম্বা *আগ্রহ* (হজিন-

হঙ্গিন হায়বা) লৈতে, ঙৈহাক য়েংবা ওইরগসু, মদুদগী ইন্টরেস্ট লৌথোক্কদবনি থনদুনা মদুদি মসি অরান্বনি।

## *পরোপকার* (অতোপ্পবু মতেং-পাঙব)দগী পুনশিন্বা ওইরি পুণ্য

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্য মতৌ করম্না শেমদোকপগে?

**দাদাশ্রী :** লাকপা ওইরিবা মদুবু 'লাকউ ইবুংঙো, ফম্মু।' অসিগুম্না ফজনা লেংশিনবীরকউ হায়বা। ঐখোয়গী নাক্তা চা লৈরগদি চা অমসুং নত্রগা লৈরিবদু, পরাঠাগী মচেৎ লৈরগদি মদু পীয়ু। হংউ মদুদি, 'ইবুংঙো, পরাঠা থরা লৌগদ্রা?' মতৌ অসুম্না নুংশিনা ব্যাবহার তৌরগদি পুণ্য তুংশিন্বা ওই। অতোপ্পগীদমক তৌবা, মদুগী মমীং পুণ্য। য়ুমগী অঙাংশিংগীদমক্তি মীওই খুদিংমক্না তৌরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্যগী ব্রুদ্ধি(হেঙগৎন্নবা), মদুগীদমক করি তৌগনি?

**দাদাশ্রী :** নুমিৎ চুপ্পা মীয়ামগী মথক্তা উপকার থক তৌদুনা লৈরগদি। মসি পূব্লীংগী য়োগ, ৱাঙাংগী য়োগ অমসুং হকচাংগী য়োগ মীয়ামগীদমক খর্চ তৌবা, মদুবু পুণ্য কৌবা ওই।

## পুণ্য-পাপ, মপুরোইবা-লোয়ন্বীগী মরক্তা...

**ৱাহং-হংলিবা :** মপুরোইবা-লোয়ন্বী অনীমক য়েংবদা মতমচুপ্পা লোয়না-লোয়ন্না লৈবা ওই, মখোয়গী ব্যাবহার হায়বদি মখোয়গী কর্মসু লোয়ন্না পুনশিন্বা ওইবা ওইরি, মদু ওইরগদি মদুগী মহৈ মখোয়না মতৌ করম্না ফুগৎকদবা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** মহৈদি অদোমগী ভাৱ(নুংগী ৱাখল)দুগুম্না মদুগুম্না অদোম্না মহৈ ফুগৎকদবা ওই অমসুং মহাক্কী ভাৱ ওইবা মদুগুম্না মহাক্না মহৈ ফুগৎকদবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** অসিগুম্না ওইবা ওই মদুদি লোয়ন্বীগী পুণ্যদগী নুপাগী চৎপা ওইরি? হায়নৈদনা নুপীগী পুণ্যদগী, মসি লক্ষ্মীনি মদুনা য়ুমদা পুন্নমক অফবা ওইরি, অসিগুম্না ওইবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** মদুদি ঐখোয়গী মীয়াম্না, কনাগুম্বা মীওই অমা লোয়ন্বীবু য়াম্না থীনা ফুরম্মীদনা, মদু ওইরগদি মহাকপু খঙহল্লি মদুদি অপং, মসি নহাক্কী লোয়ন্বীগী মরাইবক্তি য়েংউ, করিগীদমক ফুরি? মহাক্কী পুণ্যগীদি নহাক্না চারি। মদুগী মতুংদা ৱাফমসি ঙাংনবা হৌরে। জীব খুদিংমক মশাগী পুণ্য থক্তগী চাবা ওই। মীপুম খুদিংমক মশাগী পুণ্য থক্কী ফুগৎপা ওই। কনাগুম্ববু করিসু মরি লৈন্বা ওইদে মতুংদা। শমনা অমথক ফাওবা প্রোব্লেম লৈতে।

**ৱাহং-হংলিবা :** অসিগুম্না দান তৌরগদি, কনাগুম্বনা *শুভ* (অফবা)কর্ম তৌরগদি, খুদমগী মওংদা নুপানা দান তৌবদা, নুপীনা মদুদা য়াবা ওইরগদি, মহাক্না মতেং-পাঙলগদি, মদু ওইরগদি অনীমকপু মহৈ ফংব্রা?

**দাদাশ্রী :** নুপা হায়বদি তৌবা-ওইরিবা অমসুং মতেং-পাংলগদি হায়বদি তৌরিবগী মথক্তা অনুমোদন তৌবা-ওইবা। তৌবা-ওইরিবা, তৌহনলিবা অমসুং তৌরিবদুগী মথক্তা অনুমোদন তৌবা ওইরিবা, কনাগুম্বনা অদোমদা হায়বা ওইবা মদুদি মসি তৌ, তৌবা য়াবা মদুগুম্বনি, মদু ওইরগদি মদু তৌহল্লিবা ওইবা কৌগনি, অদোম তৌরিবা কৌগনি অমসুং লোয়ন্বী অথীংবা তৌদ্রগদি মদু ওইরগদি মহাক তৌরিবদুগী মথক্তা অনুমোদন তৌরিবী কৌই। মসি পুন্নমকপু পুণ্য ফংবা ওই। তৌইগুম্বসুং তৌবা-ওইরিবদুগী শরুক্তা ৫০ % অমসুং ৫০ % অনুমোদনা তৌরিবদুগী শরুক্তা, মখোয় মীওই ২গী মনুংদা য়েন্থোক্লবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** ইবেন্মাসিনা হায়রি, ঐহাকপু ৫০% পীয়ু, মদু ওইরগদি মদু য়ারোইদনা।

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরগদি ইশানা তৌ। য়ুমগী মীশিংদি য়ুমগী মপু(মপুরোইবা)দা হায়বা ওই মদুদি মসিদা অদোম্না ওন্না-তৈন্ননা তৌদুনা পৈশা পুরক্লগদি মদুগী পাপ অদোম্না ফংগনি, ঐখোয়না করিসু লৌনীংদে। ঐখোয়না পামদে অসিগুম্বা। তৌরিবদুনা ফুগৎপা ওই অমসুং য়ুমগী মীয়াম হায়বা ওই মদুদি ঐখোয়না পামদে, হায়বদি মখোয়না অনুমোদনা তৌদে মরমদুনা মদুদগী নান্থোকপা ওইরে। অমসুং 'অসিগুম্বা তৌ' হায়বা ওইরগদি পার্টনর ওইরে, পার্টনরশিপ তৌনীংলগদি ইশাগী অপাম্বগী মথা পোল্লি। মদুদা করিগুম্বা ডীড(অইবা)গী মখৌ তাদে মদুদি স্টম নম্বগী মখৌ তাদে। স্টম য়াওদনা চৎপা ওই।

## 'কপ কায়জরগসু পুণ্য পুনশিনব্রা?'

কনাগুম্বনা হায়বা মদুদি, 'ঐখোয়না জ্ঞান ফংবা ওইদ্রি, সমকিত ওইবা ওইদ্রি, মদু ওইরগদি ঐহাক্না করি তৌবা মখৌ তাবগে? ঐহাক্না অতোপ্পা অমাংবা তৌররোই!' মদু ওইরগদি ঐহাক্না মঙোন্দা হায়রগদি, 'মসি মন্ত্রা তম্মু, মদুদি করিগুম্বা কপ-প্লেট কায়রগদি মতমদুদা হায়য়ু মদুদি, 'অফবা ওইরে অৱাবা কোক্লে, হৌজিক অনৌবা কপ-প্লেট লৈরক্কনি।' মদু ওইরগদি মদুদগী পুণ্য পুনশিনগনি। মরমদি চীন্তা তৌবগী মফমদা মহাক্না নুংঙাইথোক্লি, মরমদুনা পুণ্য পুনশিনগনি। মসি থক খঙবা ওইরগদি য়াম্না ফারে! ঐহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদগী অসিগুম্বা খঙবা ওইরম্মী, করিগুম্বা নুমিত অমফাও চীন্তা তৌখিরমদে। অসিগুম্বা থোক্লগদি মদুগী পুংফমদুদা মনুংদা করিগুম্বা খরা লাকপা ওই। অসিগুম্না তাকপদা লাক্লমদে, তৌইগুম্বসুং খুদক্তা পাওখুম পুন্নমক লাকপা ওইরম্মী।

## কনাগুম্বগী নিমিত্তগী কনাগুম্ববু ফংব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** খর্চ তৌরিবা মীদুগীদমক, মহাক্কী শরুক্তা পুণ্য চৎলিদনা? তৌরিবশিংদুগী ওইদে। অদোম্না কনাগুম্বগীদক করিগুম্বা থবক তৌবদু, মদুগী মহৈ মহাকপু ফংগদ্রা? ঐখোয়না কনাগুম্বগীদমক করিগুম্বা থবক তৌবা, মহাক্কী পুণ্য

তৌবা, মদুবু মহাক্না ফংগদ্রা, ঐখোয়না ফংলোইদ্রা? তৌবা ওইবা অদুনা ফংদে? মসিদা অচুম্বা করিনো?

**দাদাশ্রী :** ঐখোয়না তৌবা অমসুং অতোপ্পবু ফংবা? অসিগুম্না তারব্রা করিগুম্বদা?

**ৱাহং-হংলিবা :** মহাক্কী *নিমিত্ত*গী ঐখোয়না তৌইদনা?

**দাদাশ্রী :** মহাক্কী *নিমিত্ত*গী ঐখোয়না তৌরগদি, মহাক্কী *নিমিত্ত*গী ঐখোয়না চাবা ওইরগদি করি কায়বগে? নত্তে, নত্তে। মদুগুম্বা পুন্নমক মসিগা থেৎনবা ওইদে। মসিদি তৌশিন্নদুনা মীয়ামবু ওন্না-তৈন্বা লম্বীদা চৎহল্লি, মহাক্কী *নিমিত্ত*গী! মহাক্না চানীংদবা অমসুং ঐখোয়না চারগদি করি কায়বগে? মপুংফানা নিয়ায় ওইবা জগতনি পুন্নমক! অদোম তৌরগদি অদোম্না ফুগৎপা মথৌ তাই। অতোপ্পা কনাগসু মরি-লৈন্বা ওইদে।

## ৱাহ-ৱাহদা শিজিন্নে পুণ্য

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিদা হায়রিবা, মদুগুম্বা নিয়ম ওইরগদি হীরাবা(দাদাশ্রীগী লোয়ন্বী)গী মতুংদা অদোম্না খর্চ তৌথি, মতমদুদা অদোম্না পুণ্য ফংগদ্রা।

**দাদাশ্রী :** ঐহাক্না করি ফংগনি? ঐহাক্কা মরি লৈন্বা ওইদে। ঐহাক্তি করিসু মরি লৈন্বা লৈতেদনা! মসিদা পুণ্য পুনশিন্বা ওইদে। মসিদি পুণ্য ফুগৎকদবা ওইরি। ৱাহ-ৱাহ ওইবা ওই।

নত্রগা কনাগুম্বনা ফত্তবা তৌদুনা চথগদি, 'অপংবু য়েংউনে, পুন্নমকপু মাংহল্লি' হায়গনি। মরমদুনা মফমসিগী পুন্নমক মফমসিদা থক ফংবা ওই। হাইস্কুল শারগদি মদু ওইরগদি মসিদা ৱাহ-ৱাহ ওইখ্রে। মফমদুদা করিসু ফংলোই।

**ৱাহং-হংলিবা :** স্কুলদি অঙাংশিংগীদমক শেমশারি, মখোয়না লাইরিক তম্নবা, অফবা ৱাখল লাকন্বা।

**দাদাশ্রী :** মদু তোঙান্বা ৱাফমনি। তৌইগুম্বসুং অদোমগী ৱাহ-ৱাহ ওইরি, মদু ওইরগদি লোইরে, খর্চ তৌখ্রে।

## টেন্ডর পাস তৌহন্বদা দরকার ওইরি পুণ্য...

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি মীয়াম পুন্নমক লক্ষ্মীগী মতুংদা য়াম্না কোয়চেন-চেন্বা ওইরি। মদু ওইরগদি মদুগী চার্জ হেন্না ওইগনিদনা, মদু ওইরগদি মহাক্না মথংগী মপোক্তা লক্ষ্মী হেন্না ফংবা ওইগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** ঐখোয়না লক্ষ্মীবু ধর্মগী মীংদা খর্চ তৌহনগদবনি, অসিগুম্না চার্জ তৌরগদি হেন্না ফংগনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং অসিগুম্না পূন্নীংদা ভাৱ তৌদুনা লৈবা মদুদি ঐহাকপু লক্ষ্মী ফংবা, মদু ওইরগদি মথংগী মপোক্তা, অসিগুম্বা ভাৱ তৌখিবা মদু চার্জ তৌরি, মদু ওইরগদি মহাকপু মহৌশানা লক্ষ্মীগী পীক-থলহন্বা তৌরোইদ্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, নত্তে। মহাক লক্ষ্মী ফংবা ওইদে। মসি লক্ষ্মী ফংন্নবগী ভাৱ তৌবদুদি, মহাকপু লক্ষ্মী ফংগদৌবা ওইরগসু ফংবা ওইদে। ওন্না অন্তরায় (অথীংবা) পীবা ওই। লক্ষ্মী নীংবদগী ফংবা ওইদে, মদুদি পুণ্য তৌবদগী ফংবা ওই।

'চার্জ' হায়বদি পুণ্যগী চার্জ তৌরগদি লক্ষ্মী ফংবা ওই। মদুসু লক্ষ্মী মতোম্তা ফংবা ওইদে। পুণ্যগী চার্জতা অপাম্বা ওইবদুগী মদুদি ঐহাক্না লক্ষ্মী দরকার য়াম্না ওই, মদু ওইরগদি মহাক্না লক্ষ্মী ফংবা ওই। কনাগুম্বনা হায়গনি, ঐহাক্তি ধর্ম থক্তা পাম্মী। মদু ওইরগদি ধর্ম থক্তা ফংগনি অমসুং পৈশা লৈজদ্রগসু। হায়বদি মদুগী পুণ্যগী ঐখোয়না মতুংদা টেন্ডর হাপ্পা ওইরগদি মদুদি অসিগুম্না ঐহাক্না পাম্মী। মদু ফংবদা পুণ্য খর্চ তৌবা ওই।

কনাগুম্বনা হায়গনি 'ঐহাক্না বঙ্গলো পামই, মোটোর পামই, অসিগুম্বা পামই, মদুগুম্বা পামই।' মদু ওইরগদি পুণ্য মদুদা খর্চ তৌবা ওইরগনি। মদু ওইরগদি ধর্মগীদমক করিসু লৈহৌররোই। অমসুং কনাগুম্বনা হায়রগদি, ঐহাক্না ধর্ম থক্তা পাম্মী। মোটোর পামদে। ঐহাক্তি মসি কা ২ থক ওইজরগসু য়াগনি, তৌইগুম্বসুং ধর্ম হেন্না পামই। মদু ওইরগদি মহাকপু ধর্ম হেন্না ফংগনি অমসুং অতোপ্পা পুন্নমক য়ামদবা ওইগনি। হায়বদি মীওইবা খুদিংমক মশাগী হিসাবতগী পুণ্যগী টেন্ডর ইবা ওই।

## দান হায়বদি মরু হুন্দুনা থাওবা

**ৱাহং-হংলিবা :** আত্মা অমসুং দানগা করিগুম্বা মরি লৈনদবা ওইরগদি মতুংদা মসি দান তৌবা দরকার ওইব্রা নত্রগা ওইদব্রা?

**দাদাশ্রী :** দান হায়বদি করিনো? মদুদি পীদুনা লৌবা। মসি জগত অসি খোন্থাংগী শক্তমনি। মরমদুনা অদোম্না তৌবদুগুম্না মদুগুম্না খোন্থাং লাক্কনি। মদুগী মথোইগা লোয়ন্না। মরমদুনা অদোম পীয়ু অমসুং লৌ। মসি মমাং মপোক্তা পীখি, অফবা থবক্তা পৈশা খর্চ তৌখি, মদুগুম্বা করিগুম্বা খরা তৌখি, মদুগী ঐখোয়না মহৈ ফংলি, হৌজিক অমুক-হন্না অসিগুম্না তৌদ্রগদি মতুংদা পুংমাং-মাংবা ওইগনি। ঐখোয়না লৌবুক্তগী গেহুদি পুদুনা লাক্লি মোন ৪০০, তৌইগুম্বসুং ইবুংঙো মদুদগী মোন ৫০ থাবা চৎত্রগদি মদু ওইরগদি?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি হৌবা ওইরোই।

**দাদাশ্রী :** মদুগুম্ননি মসি পুন্নমক। মরমদুনা পীগদবনি। মসিগী খোন্থাং থক লাক্কনি, অমুক হন্না লাক্কনি, হেন্না য়াম্না ওইদুনা। মমাংগী মপোক্তা পীখিরম্মী

মরমদুননি অমেরীকাদা লাকপা ওইরি, নত্রগদি অমেরিকা লাকপা অরাইব্রা? পুণ্য কয়া অমা তৌবকান্দা মসি প্লেনদা ফম্লনবা ফংই, মীওই কয়ানা প্লেন উবা ওইদ্রি!

**ৱাহং-হংলিবা :** ইনডিয়াদা ক্সতুরভাই লালভাইগী চারোন-শুরোন লৈবগুম্না, মদু ওইরগদি মহাক্কী চরোন-শুরোন ২, ৩, ৪শিং ফাও পৈশা চৎতুনা লৈবা ওই, মহাক্কী অঙাংশিংগী অঙাংশিংফাও। মসি নত্তবদা মসিদা অমেরিকাদা করম্না তৌবগে মদুদি চরোন-শুরোন লৈ, তৌইগুম্বসুং য়াম্বদগী য়াম্বা চহী ৬-৭তা পুম্নমক মাংবা ওই, নত্রগা মতুংদা পৈশা লৈরগদি চৎখিবা ওই অমসুং লৈতবা ওইরগদি পৈশা লাকপসু ওই। মদু ওইরগদি মদুগী মরম করিনো?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্বনি, মফমদুগী পুণ্য লৈদনা, ইন্ডিয়াগী পুণ্য, মদুগী পুণ্য অদুক্কী মতীক চেৎনা-নপশিন্নবা ওই মদুদি চামথোক্তুপা, মদু ওইজরবসু চৎপা ওইদে অমসুং পাপসু অদুক্কী মতীক নপশিন্নবা ওই মদুদি চমথোক্লগসু, মদু ওইজরবসু চৎপা ওইদে। মরমদুনা, বৈষ্ণব ওইরগসু নত্রগা জৈন ওইরগসু, তৌইগুম্বসুং মহাক্কা পুণ্য অদুক্কী মতীক কন্না পুনশিন্বা ওইরি মদুদি চামথোক্তুনা লৈরগসু মদু ওইরগসু মাংবা ওইদে। পেটলাদকী দান পীবদা মীথোইবা সেঠ, রমণলাল সেঠকুম্বা চরোন-শুরোন ৭-৭শিং ফাও ৱাত্তা-পাদনা লৈরম্মী। য়োমপাক্কা তৌ-তৌদুনা পৈশা পীবা ওইরম্মী মীয়ামবু, মদু ওইজরবসু কৈদৌনুংদা অৱাৎপা ওইরমদে। মহাক্কা পুণ্য ফজনা পুনশিন্বা ওইরম্মী, হিক্তোক্তনা। অমসুং পাপসু অসিগুম্না হিক্তোক্তনা পুনশিল্লম্মী, চারোন-শুরোন ৭-৭শিং ফাও লাইরবা চৎখিবা ওইরমদে। অদুক্কী-মতীক অৱাবা ফুগৎপা ওই, হায়বদি একসেসসু লৈবা ওই অমসুং মীডিয়মসু লৈবা ওই।

মসিদা অমেরিকাদা পাথোকপসু ওই অমসুং মতুংদা ফমথবসু ওই অমসুং মতুংদা পাথোকপা ওই। ফমথরবা মতুংদা, মতুংদা অমুক-হন্না পাথোকপা ওই। মসিদা থুনা ওই অমসুং মদুদা ইন্ডিয়াদদি ফমথরবা মতুংদা পাথোকপা ওইবদা টাইম চংবা ওই। মরমদুনা মদুদদি চরোন-শুরোন ৭-৭শিং ফাও চৎলম্মী। হৌজিক পুণ্য পুম্নমক হন্থবা ওইরে। মরমদি করি তৌবগে হায়বদা? ক্সতুরভাইগী মসিদা কনা পোকপগে? মতমদুদা হায়, অসিগুম্বা পুণ্যওইবা মহাক-কুম্না তৌবা, মহাক থক্না মফমদুদা পোক্কনি। মতুংদা মহাক্কী মদুদা কনা পোকপগে? মদুগুম্বা পুণ্য ওইবনা মতুংদা মদুদা পোকপা ওই। মদুদা ক্সতুরভাইগী পুণ্যনা থবক তৌদে। মদুগী মতুংদা অনীসুবা মদুগুম্বা লাক্লগদি মতুংদা মহাক্কী পুণ্য। মরমদুনা কৌরি ক্সতুরভাইগী চারোন-শুরোন অমসুং ঙসিদি অসিগুম্বা পুণ্য ওইবা কদায়দা লৈবগে? হৌজিক ঙসিদগী মসি চহী ২৫গী মমাংদদি কনাগুম্বা মরুওইবা অসিগুম্বা লৈতে।

## নম্বর ২গী পৈশাগী দান

**ৱাহং-হংলিবা :** নম্বর ২গী পৈশাশিংগী দান পীরবদি, মদু ওইরগদি মদু চৎকদ্রা?

**দাদাশ্রী :** নম্বর ২গী দান চৎলোই। তৌইগুম্বসুং মদু ওইজরবসু কনাগুম্বা

মীওইবনা চরাম-চাদৎন্বদগী শিদৌরগদি অমসুং নম্বর ২গী দান পীরগদি মহাক্না চান্বগীদমক চৎকনিদনা! নম্বর ২দা করিগুম্বা অকক্নবা নিয়মদগী অৱাবা লাকপা ওই, তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা মাইগৈদা প্রোব্লেম ওইদে। মদুগী পৈশা অদু হোটল তৌবশিংবু পীরবদি মখোয়না লৌব্রা নত্রগা লৌদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** লৌবা ওই।

**দাদাশ্রী :** হোয়্, মদুদগী ব্যাবহার হৌবা ওইরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** ধর্মদা নম্বর ২ পৈশা ওইবা, মদু শীজিন্নবা ওই হৌজিক্কী মতমদা, মদু ওইরগদি মদুদগী মীয়াম্না পুণ্যা ফংবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** শুংশোয়্-শোয়দনা ওইবা ওই! মহাক্না ত্যাগ তৌইদনা মদুথৈ! মশাগী নাক্তা লাকপা অদুবু ত্যাগ(কথোকপা) তৌইদনা! তৌইগুম্বসুং মদুদা পান্দমগী মতুং-ইন্না মদুগী পুণ্য মদুগুম্না ওইবা ওইরি পান্দম-ওইবা! মসি পৈশা পীবা, মদুগী পোত্তুখক য়েংবা ওইদে। পৈশাগী ত্যাগ তৌবা মদু শুংশোয়্-শোয়দবা ৱাফম্নি। মসি নত্তবদা পৈশা কদায়দগী লাকই, পান্দম করিনো? মসি পুম্নমক প্লস-মাইনস তৌদুনা লেমহৌবা অদুনা মহাক্কী। মহাক্কী পান্দমদি করিনো হায়বদা মদুদি সরকারনা পুখিগনি, মদুগী মহুত্তা মসিদা থাদৌদনা!

## শাস্ত্রা পাবা, পাপ মাংবা ওইব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** সত(আত্মা)শাস্ত্রাশিং পাবদগী পাপশিংগী মাংবা ঙমরোইদ্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, মদুদগী পুণ্য শুংশোয়্-শোয়দনা পুনশিন্বা ওই। পাপশিংগী মাংবা ওইদে। অতোপ্পা অনৌবা পুণ্য পুনশিল্লি, মদু পুণ্যানুবনধী পুণ্য কৌবা ওই। সত শাস্ত্রাগী পাবা ওই মদুদগী স্বাধয়ায় ওইবা ওই, মদুদগী চিত্তকী ফোকস, পূক্নীংগী ফোকস য়াম্না ফজবা ওইবা ওই।

## পাপ চামথোকই, প্রতিক্রমণদগী

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপ চামথোকপা হৈরগদি?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্না চামথোকপা হৈতে। জ্ঞানী পুরুজনা লম্বী তাক্ত্রিফাও মতমদুফাও পাপ চামথোকপা হৈতে। পাপ চামথোকপা হায়বদি? মদুদি প্রতিক্রমন তৌবা। অতিক্রমণ হায়বদি পাপ কৌবা ওই। ব্যাবহারগী মপান্দা করিগুম্বা থৌওং তৌবা মদু পাপ কৌই, অতিক্রমণ কৌই। মরমদুনা মদুগী প্রতিক্রমণ তৌবা মথৌ তাই। মরমদি মতুংদা মদুগী পাপ পুম্নমক চামথোকপা ওইন্বা, নত্রগদি পাপ চামথোকপা ওইদে।

## ওইদে কৈদৌনুংদা পছতাৱা তৌইশিন্নবা

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্বা মখলগী অদোম্না প্রতিক্রমণ কয়াম্না তৌবগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** কনাগুম্ববু অৱাবা ওইরগদি খুদক্তা পছতাৱা তৌই।

**দাদাশ্রী :** পছতাবদি বেদনা(অৱা-মৈচাক)ওইবদু মদুনি। পছতাৱা প্রতিক্রমণ কৌবা ওইদে। মদু ওইজরবসু মদু ফৈ।

**ৱাহং-হংলিবা :** নাকন অরোমদা পাপ তৌদুনা লৈবা অমসুং নাকন অমরোমদা পছতাৱা তৌদুনা লৈবা। অসিগুম্নদি চৎথদুনা লৈগনি।

**দাদাশ্রী :** মদুগুম্না নত্তে। পাপ তৌবা মীওইদুনা অমসুং মহাক্না করিগুম্বা পছতাৱা তৌরগদি মহাক্না তৌশিন্নবা পছতাৱা তৌবদি ঙমদে, অমসুং অশেংবা পছতাৱা থক ওই। পছতাৱা অশেংবা ওইবা ওই, মরমদুনা মদুগী মতুংদা তিলহৌগী মরোল অমা মাংবা ওই। মদু ওইজরবসু তিলহৌ মপুম ওইনা উবা ওইগনি হান্নগীগুম্না। মতুংদা অনীসুবা মরোল হাইদোক্কনি, *পছতাৱা* কৈদৌনুংদসু মাংবা ওইদে। ধর্ম খুদিংমক্না পছতাৱা তৌবা থক তাকপা ওই। ক্রিসতানশিং মদুদসু *পছতাৱা* থক তৌন্নবগী হায়বা ওই।

## পাপশিংগী প্রায়শ্চিত মতৌ করম্না?

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐখোয়না তৌখিবা পাপ ভগৱানগী মন্দিরদা চৎতুনা নোংমাইজিং খুদিংগী কনফেস তৌবা ওইরগদি মতুংদা পাপ ঙাকপীবা ওইগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্না করিগুম্বা পাপ চামথোকপা ওইরগদি কনাগুম্বনা অনাবা-অয়েকপা থোক্লমলোইদনা? মদু ওইরগদি কনাগুম্বনা অৱাবা লৈবা ওইরম্লোই? তৌইগুম্বসুং মসিদি মশিং-থীঙমদ্রবা অৱাবা তাবা ওই। লাল্লে হায়জবগী করি অর্থনো? মদুদি অদোম্না লাল্লে হায়রগদি অদোমগী পাপ মরু অদু চাকপা ওই। মরমদুনা মতুংদা মতোন চোংলোই, তৌইগুম্বসুং মদুগী মহৈদি ফুগৎপা মথৌ তাইদনা!

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা মরা থরাদদি মতুংদা অমুক-হন্না হৌগৎপা ওই।

**দাদাশ্রী :** ফজনা চাকপা ওইদ্রগদি অমুক হন্না হৌগত্তুনা লৈগনি। মসি নত্তবদা, মরুদু শাথীনা চাক্লবসু তৌইগুম্বসুং মহৈদি ফুগৎকদবা ওই। ভগৱানবুসু ফুগৎপা মথৌ তারম্মী! কৃষ্ণ ভগৱানবুসু মসিদা(খোংদা)টেন্না পাল্লম্মী। মদুদা করিসু তৌবা ঙমদে। ঐহাকসু ফুগৎপা মথৌ তারম্মী!

ধর্ম খুদিংমক্তা ঙাকপীবগী মফম লৈ। ক্রিসতান, মুস্লিম, হিন্দু পুন্নমক্তা ওইবা ওই। তৌইগুম্বসুং তোঙান-তোঙান্না মখল ওইনা ওইবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** ফাদরশিংনসু হায়বা ওই মদুদি ঐহাক্কী নাক্তা কন্নেফশন তৌরগদি পাপ পুন্নমক মাংবা ওইগনি।

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্না কন্নেফশন তৌবা অরাইব্রা? মদুদি অমম্বা অহিংদা অমম্বদা তৌবা ওই, মদুগী মীওইদুনা মৈঙালদা মশক উৎপা ওইদে। নুমিদাংদা মম্বা

ওইরগদি কন্ফেশন তৌগনি, হায়গনি। অমসুং ঐহাক্কী নাক্তদি ৪০,০০০ মীওইশিংনা, নুপীমচাশিংনসু মখোয়গী পুন্নমক কন্ফেসন তৌবা ওইরি। পোৎ অমমম কন্ফেশ তৌরি। অসিগুম্না ইদুনা পীরি। মীয়াম মমাংদা কন্ফেস তৌরি, মদু ওইরগদি পাপ মাংবা ওইগনিদনা? কন্ফেস তৌবা অরাইবা থবক নত্তে।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি মসি প্রতিক্রমণ তৌই অমসুং মদুনা কন্ফেস, অনীমক চপ-মান্নবা ওইদনা মতুংদা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, মদু চপ-মান্নবা ওইদে। প্রতিক্রমণদি, অতিক্রমণ থোকপা মতমদা অমসুং মতুংদা চামথোক্লগদি অমসুং অমুক-হন্না দাগ চুরগদি অমুক-হান্না চামথোকপা, অমসুং পাপ কন্ফেস তৌবা, ফোংদোকপা, মদুগী পোৎ অনীদু তোঙান-তোঙাল্লি।

**ৱাহং-হংলিবা :** প্রতিক্রমণ অমসুং পশ্চাতাপতা করি খেৎন্নগে?

**দাদাশ্রী :** পশ্চাতাপ মদু মমিং য়াওদন্নি। ক্রিসতান নোংমাইজিংদা চর্চতা পশ্চাতাপ তৌই। পাপ তৌখিবদু মদুগী পুন্না পশ্চাতাপ তৌই। অমসুং প্রতিক্রমণদি করম তৌবগে হায়বদা মদুদি, মরু কাপলিবদুনা, অতিক্রমণ তৌরিবদুনা, মহাক্না প্রতিক্রমণ তৌবা, মদুগী মীৎকুপতুদা! 'শুট ওন সাইট' (উবগা মরুনা কাপ্পা) মদুবু চামথোকপা ওইরি। মদু ভাৱ প্রতিক্রমণনি।

## *পছতাৱ*দগী হন্থবা ওই দন্ড

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপপু মাংহন্নবগীদমক খ্বাইদগী ফবা লম্বীদি প্রায়শ্চিতনি। মসি য়াম্না ফবা ৱাফম্নি, অসিগুম্না পুরাণশিংদা সতপুরুষশিংনা হায়রি। মীহাৎপা মীওইনা হাৎলবা মতুংদা পছতাৱা তৌরগদি মহাক্না ঙাকপীবদু ফংবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** মীহাৎপা মীওইনা হাৎলবা মতুংদা হরাওবা ওইরগদি, মদুগী দন্ড থা ১২গী ওইগদৌবা ওইরমবদু, মদু চহী ৩গী ওইবা ওই, অমসুং মীহাৎপা মীওইদুনা হাৎলবা মতুংদা পছাতাবা তৌরগদি থা ১২গী দন্ড পীগদৌবদু, মদু থা ৬কী ওইবা ওই। করিগুম্বা লাম্বা থবক-থৌওং তৌদুনা মতুংদা হরাওবা তৌরগদি মদুগী থবক্তুগী শরুক অহুম হেন্না মহৈ পীগনি। থবক তৌরবা মতুংদা পছাতাবা তৌরগদি মদুদি অরাম্বা থবক্নি, মদু ওইরগদি দন্ড হন্থবা ওইগনি।

## জ্ঞানীগী জ্ঞানদগী, লোইশিল্লি কর্মশিংদগী!

**ৱাহং-হংলিবা :** অনম্বা মতমদা ব্যাবহারদা তোঙান-তোঙান্বা মখলগী কর্ম তৌবা মথৌ তাই, মদুবু ফত্তবা কর্ম নত্রগা পাপ কর্ম হায়বা ওইরি। মদু ওইরগদি মদুগী পাপ কর্মশিংদুদগী করম্না কনগনি?

**দাদাশ্রী :** পাপকর্মগী মমাংদা মহাক্কী লৈজবা জ্ঞান, মদুগী জ্ঞানদুনা হেল্ল

তৌগনি। ঐখোয়না মসিদগী স্টেশন চৎকদৌবা, মদু ওইরগদি স্টেশন চৎল্লবগী জ্ঞান ঐঙোন্দা লৈরগদি মদুনা ঐখোয়বু য়ৌহনগনি। পাপ কর্মদগী করম তৌনা কনগনি? হায়বদি মসিদা জ্ঞান হেন্না লৈরিবমখৈ, লাইরিকশিংদা জ্ঞান নত্রগা অতোপ্পা কনাগুম্বগী মনাক্তা জ্ঞান লৈবা ওইদে। মদুদি ব্যাবহারগী জ্ঞান ওই। নিশ্চয় জ্ঞান জ্ঞানীশিংগী মফমদা থক লৈবা ওই। লাইরিক্তা মদুগী নিশ্চয় জ্ঞান লৈবা ওইদে। জ্ঞানীশিংগী থম্মোয়দা লোৎতুনা লৈবা ওই। মদুগী নিশ্চয় জ্ঞান ঐখোয়না মদুবু ৱাহৈগী মওংদা তারবা কান্দা মতমদুদা সোল্যুশন লাক্লগনি। নত্রগদি লাইরিকশিংদা ব্যাবহারগী ওইবা জ্ঞান ওইবা ওই, মদুসু কয়া অমা ময়েক-শেংনা মরম পীবা ঙম্মী। মদুদগী বুদ্ধি হেঙ্গৎপা ওই। মতিজ্ঞান হেঙ্গৎপা ওই। শ্রুতজ্ঞানদগী মতিজ্ঞান হেঙ্গৎপা ওই, অমসুং পাপতগী করম্না নান্থোক্কনি মসিগী লোইশিন্বা মতিজ্ঞাননা পুরকপা ওই। মসি নত্তনা, অতোপ্পা উপায় লৈতে, অমসুং নত্রগা মতুংদা প্রতিক্রমণ তৌরগদি নান্থোক্কনি। তৌইগুম্বসুং প্রতিক্রমণ করম্না তৌগদগে? 'শুট ওন সাইট' ওইগদবনি। দোষ থোকপগা প্রতিক্রমণ তৌরগদি, মতমদুদা লোইশিন্বা ওইগনি।

## তৌ মসিগী বিধিশিং, পাপ উদয়গী মতমদা!

**ৱাহং-হংলিবা :** প্রতিক্রমণ তৌবদগী করিগুম্বা অনৌবা পাপ পুনশিন্দবসু য়াই, তৌইগুম্বসুং অরিবা পাপতি ফুগৎকদবা ওইদনা?

**দাদাশ্রী :** প্রতিক্রমণদগী অনৌবা পাপ লৈররোই, অসিগুম্না অদোম্না হায়বা চুম্মী অমসুং অরিবা পাপতি ফুগৎকদবা মথৌ তাই। হৌজিক মদুগী ফুগৎকদবদু য়ামদবা ওইবা য়াই, মসিগীদমক ঐহাক্না মতুংদা লম্বী তাক্লি মদুদি মন্ত্রা ৩ লোয়ন্না হায়যু, মসি তৌরগসু ফুগৎল্লবগী মহৈদু য়াংলগনি। কনাগুম্বা মীওইগী মকোক্তা মোন অমা মখায়গী অরুম্বা ওইবা অমসুং তোল্লবনা শুংতৌ-তৌনীংদবা ফাওরগদি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না করিগুম্বা পোৎ খুদক্তা উবা অমসুং মীৎয়েং চংলগদি মহাক্না মশাগী অৱাবদু কাওবা ওইরগনি, অরুম্বা লৈরি মদু ওইজরগসু মহাক্না অৱাবা য়ামদনা ফাওবা ওই। অসিগুম্না মসি ত্রিমন্ত্র লৈদনা, মদুবু ঙাংবদগী মদুগী অরুম্বদু ফাওবা ওইরোই।

মন্ত্রগী অশেংবা অর্থ করিনো? মন্ত্রগী হায়বদি পূক্নীংগী শান্তি থম্বা অদু। ভগৱানগী ভক্তি তৌদুনা সংসারদা অথীংবা লাক্তবা, মরমদুনা ভগৱান্না মন্ত্র ৩ পীরি। (১) নবকার মন্ত্র (২) ॐ নমো ভগবতে বাসুদেবায় (৩) ॐ নম: শিবায়। মসিগী মন্ত্রসি হেল্লিঙ্গ পোৎনি। অদোম্না করিগুম্বদা ত্রিমন্ত্র ঙাংব্রা? মদুবু থরা হেন্না ঙাংলগদি মতুংদা পুন্নমক য়াংবা ওইরগনি অমসুং অদোম্না কীবদু মদুসু মাংবা ওইরগনি।

পুণ্যগী উদায় করি থবক তৌবগে? মশাগী *ধার্য্* (পূক্নীংগী অনীংবশিং) পুন্নমক তৌহন্বা ওই। পাপকী উদয় করি তৌবগে? ঐখোয়না লেপ্পা পুন্নমক ওন্না তৌবা ওই।

## পাপ চামথোক্লে মদুগী প্রতীতি

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐখোয়গী পাপ কর্মশিংগীদমক হৌজিক করম্না চামথোক্কনি?

**দাদাশ্রী :** পাপকর্মগীদি দাগ চুরিবখৈদু, মদুখৈ প্রতিক্রমণ তৌগদবনি, মদুগী দাগ অদু য়াম্না চেৎশিন্বা ওইরগসু হঞ্জিন-হঞ্জিন চামথোক্তুনা লৈগদবনি, হঞ্জিন-হঞ্জিন চামথোক্তুনা লৈগদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী দাগ অদু মাংলব্রা নত্রগা মাংদব্রা মদু মতৌ করম্না খঙবা ঙমগনি?

**দাদাশ্রী :** মদুদি মনুংদা পূক্নীং শেংগনিদনা, মদু ওইরগদি খঙবা ওইগনি। মায়থোংদা মোমোন-নোক্কনি। অদোম্না খঙবা ওইরোইদ্রা মদুদি দাগ মাংখ্রে? করিগী খঙলোই? করি কায়বা লৈবগে? অমসুং চামথোকপা ওইদ্রগসু ঐখোয়না কায়বা ওইদে। নংনা প্রতিক্রমণ তৌদনা! নংনা সাবুন নোইদুনতা লৈয়ু! পাপপু নহাক্না মশক খঙব্রা?

মাংদা লৈরিবদুনা অৱাবা ওইরগদি মদু পাপনি, কনাগুম্বা জীববু, মদু মীওইবা ওইরবসু, শা-ষণ ওইরবসু নত্রগা ঊ-পাম্বী ওইরগসু। মরম লৈতনা ঊ-পাম্বীগী মনা হেক্তোক্তুনা লৈরগদি মদু ওইরগদি মহাক্কসু নুংঙাইতবা ওই, মরমদুনা মদু পাপ কৌই। মরমদুনা খরা ওইরসু, খজিক্তংফাও অৱাবা ওইদবা অসিগুম্বা ওইগদবনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মীওইবনা মশাগী স্বভাৱকী মতুং ইন্না তৌবা ওইরগসু মহাক্না পুণ্য-পাপ চেনগদ্রা?

**দাদাশ্রী :** মাংদা লৈরিবদুবু অৱাবা ওইরগদি পাপ চেনগনি। মদু স্বভাৱকী মখা-পোন্না তৌই, তৌইগুম্বসুং মহাক্না খঙগদবনি মদুদি ঐহাক্কী স্বভাৱতগী মাংদা লৈরিদুবু অৱাবা ওইরি। মরমদুনা ঐহাক্না মঙোন্দা লাল্লে হায়জবা তৌগদবনি মদুদি ঐহাক্কী স্বভাৱ অখোয়বনি অমসুং মদুদগী মহাকপু অৱাবা ওইরি, মরমদুনা ঙাকপীয়ু হায়জরি।

ঐখোয়না প্রতিক্রমণ তৌরগদি য়াম্না ফৈ। ঐখোয়গী ফী অমোৎপা কোক্লনিদনা? ঐখোয়গী ফীশিংদা অমোৎপা করিগীদমক লৈহনগদৌরিবা? দাদানা অসিগুম্বা লম্বী উহল্লি, মদু ওইরগদি করিগীদমক্কী শুদোক্লোইদোইবা?

**ৱাহং-হংলিবা :** অতিক্রমণ করম কান্দা থোকপগে, মদুদি করিগুম্বা মমাং মপোক্কী হিসাব লৈরমগনি মদুননি?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মতমদুদা থোক্কনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি ঐখোয়গীদমক প্রতিক্রমণ তৌবদুদা, মতমদুদা মমাংগী মপোক পুন্নমক্কী পাপশিংগীদমক প্রতিক্রমণ তৌবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** মদু হিসাব অদু ঐখোয়না থুগায়বা ওই। হায়বদি ঐখোয়না 'শুট ওন সাইট' প্রতিক্রমণ তৌই, মদুনা ঐখোয়গী দোষ খুদক্তা মাংবা ওইবা ওই।

## লৌ-ঊবগী পাপ চামথোক্নবগী বিধি

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐহাক্না লৌ-ঊবা ওইরি, অমসুং হীদাক-মনা থাবা ওইরি মদুদা ঐখোয়না পাম্বী খুদিংমকপু মথক্কী মতোন, হায়বদি ময়োন্দু থদৎপা মতৌ তাই। মদুগী পাপতি ফংইদনা? মদু ওইরগদি মসি পাপকী মাংহন্বা মতৌ করম্না তৌগনি?

**দাদাশ্রী :** মদুদি মনুংদা পূক্নীংদা অসিগুম্না ওইগদবনি মদুদি মসিগুম্বা থবক, কদায়দগী ঐহাক্কী লাইবক্তা লাক্লিবা? বস, মসি থক। পাম্বিগী ময়োন থদৎপা, তৌইগুম্বসুং পুক্নীংদা 'মসিগী থবক কদায়দগী ঐহাক্কী শরুক্তা লাক্লি', অসিগুম্বা পশ্চাতাপ লৈগদবনি। অসিগুম্না তৌরোইদবনি, অসিগুম্না পূক্নীংদা লৈগদবনি, মসিথক।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মসি পাপতি থোকপা ওইরিদনা?

**দাদাশ্রী :** মদুদি ওইরিদনা। মদুদি অদোম্না য়েংগদৌবা নত্তে। থোক্কুনা লৈ, মদুগী পাপ অদুবু য়েংলোইদবনি। মসি তৌরোইদবনি মদুগুম্না অদোম্না শোয়দনা লেপকদবনি। খোংফম হোংলোইদবনি। অসিগুম্বা থবক কদায়দা ফংলিবা? অতোপ্পা অফবা ফংলগদি ঐহাক্না অসিগুম্না তৌরল্লোই। মসিবু খঙদ্রিফাও, মতমদুফাও পশ্চাতাপ তৌবা ওইদে। হরাওদুনা পাম্বীদুবু লংথোকই। ঐহাক্না হায়বগী মতুং-ইন্না তৌদনা। মতুংদা অদোমগী দাইতা পুন্নমক ঐহাক্কী। পাম্বী হুন্দোকপা মদুগী অকায়বা ওইদে, পশ্চাতাপ তৌগদবনি মদুদি মসি কদায়দগী লাক্লি ঐহাক্কী শরুক্তা।

**ৱাহং-হংলিবা :** লশিং-পাম্বীদা হিদাক চাইবা দরকার ওই মদুদা করি তৌগনি? মদুদা হিংসাদি তৌইদনা?

**দাদাশ্রী :** *অনিবার্য* (তৌদবা য়াদবা) মওংদগী থবক-থৌরমশিং তৌবা মথৌ তাবথৈদু, মদু প্রতীক্রমণ তৌনবগী য়ানবগী মতুং-ইন্না তৌবা ওইগদবনি। অদোম্না মসি সংসার ব্যাবহারদা করম্না চৎকদগে, মদু হৈবা ওইদে। মদু ঐহাক্না অদোমদা তম্বীগনি, মরমদি অনৌবা পাপ পুনশিন্দনবা।

লৌউ-শিংউবদা তীল-কাং শিবা ওইরি, মদুগী দোষতি লৈগনিদনা? মরমদুনা লৌউ-শিংউবশিংবু নুংতিগী মিনিত ৫-১০ ভগৱানদা প্রার্থনা তৌগদবনি মদুদি মসি দোষ অসি তৌখ্রে মদুগী ঙাকপীয়ু হায়জরি। লৌউবা ওইবদুদা মঙোন্দা হায়গনি মদুদি নহাক্না মসিগী থবক তৌরি, মদুদা জীব শিবা ওইরি। মদুগী মসিগুম্না প্রতীক্রমণ তৌ।

## ১০০% চামথোক্কনি পাপ

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি ঙাকপীয়ু হায়জবদগী ঐখোয়গী পাপশিংগী লোইশিন্বা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** মদু থক্তদগী পাপশিংগী লোইশিন্বা ওইবা ওই অমসুং অতোপ্পা করিগুম্বা লম্বী লৈতে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাকপীয়ু হায়বা অমসুং হঞ্জিন-হঞ্জিন পাপ তৌদুনা লৈবা?

**দাদাশ্রী :** হঞ্জিন-হঞ্জিন লাল্লে হায়জবগী ফাজিন্বা লৈতে। হঞ্জিন-হঞ্জিন ঙাকপীয়ু হায়জগদবনি। হোয়, ১০০% নান্থোক্কবগী লম্বী মসিনি! ঙাকপীয়ু হায়জবা নত্তনা অতোপ্পা করিগুম্বা লম্বী নান্থোকপা ঙমবা ওইদে মসি মালেম অসিদগী। প্রতিক্রমণদগী পাপ পুম্নমক চামথোকপা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** প্রতিক্রমণ তৌবদগী পাপ মাংবা ওই, মদুগী মতুংদা সাইন্স করিনো?

**দাদাশ্রী :** অতিক্রমণদগী পাপ ওইবা ওই অমসুং প্রতিক্রমণদগী পাপশিংবু মাংবা ওই। অমুক-হন্না হল্লকপদগী পাপশিংগী মাংবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি কর্মগী নিয়ম কদায়দা চৎন্বগে? ঐখোয়না ঙাকপীয়ু হায়জবা অমসুং কর্মদগী নান্থোকপা ওইরগদি মদুদা কর্মগী নিয়ম লৈত্রেদনা?

**দাদাশ্রী :** মসি কর্মগী নিয়মনি! ঙাকপীয়ু হায়জবা মদু কর্মগী নিয়মনি!!

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি পুম্নমক পাপ তৌদুনা লৈগনি অমসুং ঙাকপীয়ু হায়দুনা লৈগনি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, পাপ তৌদুনা লৈয়ু অমসুং ঙাকপীয়ু হায়দুনা লৈয়ু, মসি ভগৱাননা হায়রি।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং অশেংবা পুক্নীংদগী ঙাকপীয়ু হায়জগনিদনা?

**দাদাশ্রী :** ঙাকপীয়ু হায়জরিবনা অশেংবা পুক্নীংদগী ঙাকপীয়ু হায়জবা থক ওই অমসুং শেংদবা পুক্নীংদগী ঙাকপীয়ু হায়জরগসু য়াগনি। মতমদুদসু ঙাকপীয়ু হায়বা তৌ।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরগদি মতুংদা মহাক্কা হৈন্বী ওইরগনি?

**দাদাশ্রী :** হৈন্বী ওইজরগসু ওইজসনু তৌইগুম্বসুং ঙাকপীয়ু হায়বা তৌ।

ঙাকপীয়ু হায়দ্রগদি লোইরে খঙজরো। ঙাকপীয়ুগী অর্থ করিনো? মদুবু প্রতিক্রমণ কৌবা ওই অমসুং দোষশিংবু করি কৌবগে? অতিক্রমণ।

কর্মগী নিয়ম করিনো? অতিক্রমণ তৌরগদি মদুগী প্রতিক্রমণ তৌ। জ্ঞান তারব্রা অদোমবু?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়্।

**দাদাশ্রী :** মরমদুনা ঙাকপীয়ু শুংশোয়্–শোয়দনা হায়জবা তৌ। অমসুং মসি হৈশিংলিবনা, দরকার ওইবদগী হেন্না হৈশিংবগী ৱাফম চৎহনখ্রো! কনাগুম্বনা অরান্বা তৌবা অমসুং ঙাকপীয়ু হায়জরগদি হায়জসনুদনা! 'দিস ইজ কমপ্লীট লো' (মসি মপুংফাবা লোনি)।

## পশ্চাতাপকী খ্বাইদগী ফবা সাবুন

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপপু মাংহন্নবগীদমক প্রায়শ্চিত নত্তনা অতোপ্পা করিগুম্বা উপায় লৈব্রা?

**দাদাশ্রী :** পাপপু মাংহন্নবগীদমক প্রায়শ্চিত নত্তনা অতোপ্পা করিগুম্বা উপায় লৈতে। মসি পাপ পুন্নমক, মদু করিনো? মসি পাপ লৈরিবসি, মদু করম্ববু পাপ কৌবগে ঐখোয়না? মতমদুদা হায় মদুদি, অদোম্না মসি পুন্নমক তৌরিবসি, মদু তৌবদা কায়বা ওইদে। মখোয় পুন্নমক্তা ফল্লি। হৌজিক কনানসু অকায়বা ওইদে। মদুদা কনাগুম্বা মীওইনা হায়রগদি মদুদি, 'করিগী অদোম থেংনা লাক্লিবা?' ঐখোয়দা অসিগুম্না হায়রগদি, মতমদুদা মহাক্না অতিক্রমণ তৌরি, অসিগুম্না কৌগনি। মীয়াম্না পামদবদু মদুদি অসিগুম্না করিগী ঙাংবগে? মদু অতিক্রমণ তৌবা কৌগনি। মহাক্না অতিক্রমণ তৌরি, মরমদুনা ভগৱান্না প্রতিক্রমণ তৌন্নবগী হায়রি। হায়বদি পশ্চাতাপ মশিং কয়াগী তৌগদগে? মদুদি মদুগী মীয়ামদুনা নুংঙাইতবা ওই, অসিগুম্বা ৱাফমগীদমক পশ্চাতাপ তৌ। করি হায়বগে? অপাম্বা ওইবা মদুগীদমক নত্তে। হায়বদি প্রায়শ্চিত তৌবা মখৌ তাই। নংনা তৌব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়্।

**দাদাশ্রী :** দাদা ভগৱানগী মীংদগী প্রতিক্রমণ তৌব্রা নত্রগা তৌদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী লাইরিক্তা পীদনা? মদুদা হায়বগী মতুং ইন্না তৌই। কলম ৯শিং তৌই।

**দাদাশ্রী :** তৌইদনা? মদু প্রতিক্রমণ থক্নি। খ্বাইদগী অচাউবা প্রতিক্রমণনা, দাদা ভগৱানগী কলম ৯শিং থল্লিদনা, মদু জগত পুম্বগীদমক য়াইফবা ওইগদবা প্রতিক্রমণনি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি ৱাফমসি অচুম্বনি মদুদি পশ্চাতাপকী চফুদা করিগুম্বা পাপ**পু** ওইজরগসু...

**দাদাশ্রী :** য়াংহন্বা ওইহল্লি, পশ্চাতাপকী মরম্না।

**ৱাহং-হংলিবা :** মপুংফানা চাকথেক্তুনা ঊৎ ওইনা ওইদব্রা?

**দাদাশ্রী :** মপুংফানা চাকথেকপসু ওই। অসিগুম্না পাপ কয়া অমদি চাকথেকপা ওইরি, মাংবা ওইরি। পশ্চাতাপকী সাবুন অসিগুম্বনি মদুদি ফী মখল-মখা কয়াদা থবক তৌবা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** অমসুং মদুদা অদোমগী সাক্ষীদা তৌরগদি, মরমদুনা করিবু লেমহৌবা ওইরিবগে?

**দাদাশ্রী :** য়াইফবা ওইগনি। মরমদুনা পশ্চাতাপকী সাবুনগা মান্নবা মালেমসিদা অতোপ্পা করিগুম্বা সাবুন লৈতে।

## নান্থোকপা ওইদে পাপ-পুণ্যদগী...

**ৱাহং-হংলিবা :** মীচম প্রজা পুন্নমক্লা থঙবা ওই মদুদি পাপ করিনো অমসুং পুণ্য করিনো, মদু ওইজরবসু মখোয়দগী নান্থোকপা করিগী ওইবা ঙমদ্রিবনো?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মসি ৱাহং দুর্যোধননা কৃষ্ণ ভগৱানদা হংখি মদুদি পাপপু থঙই অমসুং পুণ্যবুসু থঙই হায়বদি অধর্মবু থঙই অমসুং ধর্মবুসু থঙই, তৌইগুম্বসুং অধর্মদগী পোথাবা (নান্থোকপা) ওইদে অমসুং ধর্মদা *প্রকৃতি* (কাখৎপা) ওইবা ওইদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু করিগীদমক ওইদ্রিবনো?

**দাদাশ্রী :** মহাক্লা মদুগী অধর্মদুবু থঙবা ওইদে। অহান্বদা থঙবা ওইগদবনি মদুদি, 'ঐ কনানো?' মসি পুন্নমক করিগীদমকনো? করিগীদমক মসি ইবুংসিনা ঐঙোন্দা মশোং-ফল্লিবা, অমসুং ঐঙোন্দা অতোপ্পা ইবুং করিগী ফংদ্রিবনো? মহাক্লা নুংতিগী তাথীবা-ৱাহৈ চৈরিবা, অসিগুম্বা ইবুং করিগী ফংলিবা? মহাক্তি য়াম্না ফবা মবুং ফংবা ওইরি, মসি পুন্নমক্কী মতুংদা করি মরম্নো? মদু পুন্নমক থঙবা মথৌ তাদব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু মতৌ করম্না থঙবা ওইগদগে?

**দাদাশ্রী :** মদু মমাং মপোক্কী ঐখোয়গী কর্মশিংগী হিসাবনি, কনাগুম্বা ভগৱান্না মসিদা খুৎথীংজিন্বা ওইদে। মসিদি মীওই খুদিংমক্কী কর্মগী হিসাবতগী অতোংবা-অমাংবনি পুন্নমক। মদুদা অহংকার তৌই, মরমদুনা মশিং-থীঙমদনা পাপ-পুণ্য পুনশিন্বা ওইরি। মহাক্লা অমুক-হন্না ফুগৎন্বগীদমক চৎপা মথৌ তাই। মরমদুনা

মসি মপোকশিংদা কোয়চৎ-চৎপা মথৌ তাই। জেলনি পুন্নমক। মহাক্লা জেলবু ফুগৎতুনা লাকপা ওই অমসুং হান্নগী ফীভম মদুদা অদুম। মতুংদা অহংকার তৌদ্রগদি নাম্ভোকপা ঙমগনি। মরমদুনা মোক্ষতা চৎকে হায়রগদি নাম্ভোকপা ওইন্নবা তৌহৌরো। মদুদা 'ঐ কনানো' থীজিল্লগদি অমসুং মদু খঙলগদি নাম্ভোকপা ওইরগনি।

## অতোংবা-অমাংবগী মতেং ?

ইন্দ্রিয়া ৫গী মতেংনা অনুভবতা লাক-লাকপশিংদু মদু পুন্নমক 'ডিসচার্জ'নি। মসিদি পুণ্যগী মখা-পোন্না মশাগী থনখিবগী মখা-পোন্না ওইবা ওই মতমদুদা অহংকার তৌরি মদুদি 'ঐহাক্লা তৌই' অমসুং মতুংদা পাপকী উদয় ওইবা অমসুং অমাংবা ওইবা, মতমদুদা 'ভগৱান্না তৌই' হায়বা ওইরি! নত্রগদি হায়রি মদুদি ঐহাক্কী গ্রহ ফত্তবা ওই!!! অমসুং তোংবা ওইরগদি, মদুদি সহজ(মশা-মতোম্তা) তোংবনি। কনাগুম্বা মীওইবনা তাম্বা ঙমবা ওইদে। করিগুম্বা হোৎন্বদগী তাম্বা ঙম্লগদি খুৎশুমল-শুবা থক্তনা তানগনি! মসিদি অদোমগী পুণ্যনা তাম্বা ওই অমসুং মশামক্লা অহংকার তৌরি, 'ঐহাক্লা তাল্লি, ঐহাক্লা তাল্লি।' মহাক্লা লাক্ষ ১০ তাম্বা মতমফাও অসিগুম্না মুকখায়দুনা চৎলি অমসুং লুপা লাক্ষ ৫গী অমাংবা ওইবা, মতমদুদা ঐখোয়না হংলগদি, 'সেঠ করিগী অসিগুম্না?' মদুদা হায়, 'ভগৱাননা শাউবা ওইরি।' য়েংউ মহাক্লা কনাগুম্বা অমত্তসু ফংবা ওইদে মতুংদা। অতোপ্পা কনাগুম্বা ফংদে। ভগৱান তোল্লবগী কোক্তা থল্লি। অদোমগী পূল্লীংনা পাম্বা(নীংবগী মতুং ইন্না)থক ওইবা, মদু পুণ্যগী মহৈনি অমসুং মদুদগী ওন্না ওইবা, মদু পুন্নমক পাপকী মহৈনি। মশাগী নীংবদু চৎপা য়াবা মদুগুম্বা নত্তে মসি জগতসিদা। ইশাগী নীংবগী মতুং ইন্না মহৈ লাক্লগদি মদু পুণ্যগী প্রারবধনি, নীংবদুগী মতুং ইন্না লাক্তগদি পাপগী প্রারবধনি।

## অহংকারবদগী পুনশিল্লি পুণ্য-পাপ

**ৱাহং-হংলিবা :** করিগুম্বা ঐঙোন্দা অহংকারসু লৈতবা অমসুং মমতাসু লৈতবা, নত্রগা অনীমক্কী মনুংদগী পোৎ অমা লৈত্রগদি ঐহাক্লা করম্বা কর্ম তৌগনি?

**দাদাশ্রী :** অহংকার লৈরগদি পাপ-পুণ্য লৈবা ওই। অহংকার চৎখ্রগদি হায়বদি পাপ-পুণ্য চৎখ্রে অমসুং অহংকার মীয়াম্না হন্থহল্লিদনা, মদুগী মহৈ মপানগী নুংঙাইবা ফংই। অহংকার য়ামদনা তৌবা, মদুদগী কর্ম পুনশিল্লি। মদুগী মহৈ মপানগী নুংঙাইবা ফংবা ওই। অহংকার হেন্না তৌবা মদুগী কর্ম পুনশিল্লি, মদুদগী মপান অৱাবা লাকই। অহংকার য়ামদনা তৌবদগী করিগুম্বা অহংকার মাংবা ওইদে, তৌইগুম্বসুং মদু মপানগী নুংঙাইবা পীবা ওইবনি। জ্ঞানী লৈবা কান্দা থক অহংকার মাংবা ওই, নত্রগদি অহংকার মাংবা ওইদে।

করিগুম্বা থাকফাও অহংকার হন্থবা তৌবা য়াই, মদুদগী সংসারদা অৱাবা ওইবা ওইদে। মহাবীর ভগৱানগী আজ্ঞাদা লৈবা, মদু ওইরগদি করিগুম্বা পোইন্টফাও অহংকার শোয়দনা হন্থবা য়াই তৌইগুম্বসুং নোর্মল লৈবা ওই। নোর্মল অহংকার লৈবা মতমদুদা

সংসারদা *কলেস*( খৎনা-চৈন্বা ) লৈবা ওইদে। য়ুমদা থজিক্তংফাও কলেস নত্রগা নুংগী-খৎন্বা লৈবা ওইদে। মদুগুন্না হৌজিকসু ঐখোয়গী ক্রমিক লম্বীদা লৈরি। মসিথক ওইরবসু মদু কনাগুম্বদা থক ওইরমগনি। মীওই থরদি *কলেস* থোকপা ওইদে, মনুংগী- *কলেস* থোক্তে। তৌইগুম্বসুং মদুগী অহংকারদুসু, মোক্ষ ফংন্নবগীদমক লৌথোকপা মতৌ তাগনি।

অমসুং মদুগী অহংকার মাংবা অমসুং 'ঐ'গী ওইবদু মদু রিয়লাইস (জ্ঞান লাকপা) ওইরগদি পাংথোক্লে, মতুংদা কর্মনা পুনশিল্লরোই। মতুংদা জজ ওইজরগসু কর্ম পুনশিল্লরোই। দানেশ্বরী ওইজরগসু কর্ম পুনশিল্লরোই। সাধু ওইজরগসু কর্ম পুনশিল্লরোই অমসুং *কসাই* (শা-ষণ হাৎতুনা ক্কপা মীওই) ওইজরগসু কর্ম পুনশিল্লরোই। করি হায়বগে ঐহাক্না? করিগী ঙক্লিবা? করিগী ঙক্লিবা? *কসাই* হায়বা মরমদুনা? কসাইদা হংউ মদু ওইরগদি মহাক্না হায়গনি, সাহেব ঐহাক্কী ইপা-ইপুদগী চৎথরকপা ব্যাপারনি!

**ৰাহং-হংলিবা :** অহংকার তৌই, মতমদুদা পুণ্য ৰাহৈগী শিজিন্নবা ওই অমসুং অহংকার তৌই, মতমদুদা পাপ ৰাহৈগী শিজিন্নবা ওই।

**দাদাশ্রী :** মদু য়াই। অহংকার তৌবা কান্দুদা থক পাপ-পুণ্য ৰাহৈগী শিজিন্নবা ওই। তৌইগুম্বসুং অহংকার মসিদগী থরা হোংদোকহন্বা ওই, অতোপ্পা করিগুম্বা শাংনা মসিদা অহোংবা ওইদে। মদুদি থোকখ্রবা মদুগী পোৎনি। মদু ইট হেপন্স নি অমসুং অনৌবা অমুক হন্না শেম্বা ওইরি। অনৌবা ফিল্ম শেম্বা ওইরি অমসুং মসি অরিবা ফিল্মদি হাংদোক্লি।

অহংকার লৈরিবফাও মদুফাও অনৌবা শেমদনদি লৈবা ওইদেদনা! ঐখোয়না ঙল্লিবমখৈ জ্ঞান তাহল্লগসু তৌইগুম্বসুং অনৌবা শেমদনদি লৈবা ওইদেদনা। অহংকারনা করি তৌদবা লৈবগে? অহংকারদগী মসি পুন্নমক লৈহল্লি। করিগুম্বা অহংকার মাংবা ওইরগদি মুক্তিনি।

## মরি, পুণ্য অমসুং আত্মাগী...

**ৰাহং-হংলিবা :** আত্মাগা পুণ্যগা লোয়ন্না করি মরি লৈবগে?

**দাদাশ্রী :** করিগুম্বা মরি লৈতে। তৌইগুম্বসুং বিলিফ অসিগুন্না ওইরিবমখৈ মদুদি 'মসি ঐহাক্না তৌরি', মতমদুফাও মরি লৈ। মদুদা 'ঐনা তৌবা ওইদে' মদু রাইট বিলিফ ফল্লগদি মদুগী মতুংদা আত্মাগা অমসুং পুণ্যগা করিগুম্বা মরি লৈতে। 'ঐ দান তৌবনি' 'ঐ হুরান্বা তৌবনি' অনীমক ইগোইজমনি। করিগুম্বা অমা তৌবা মদুদা, মফমদুদা পুণ্য পুনশিন্বা ওই নত্রগা পাপ পুনশিন্বা ওই।

## অজ্ঞানদা পুনশিনখি পুণ্য-পাপ, কর্ম

**ৰাহং-হংলিবা :** পাপতগী নত্রগা পুণ্যদগী নত্রগা অনীমক্কী য়ানশিন্নবা ওইরগদি করম্বা য়োনি( মপোক্তা ) দা ঐখোয়গী পোকপা ওইবগে?

**দাদাশ্রী :** পোকপা অমসুং পাপ–পুণ্যগা মরি লৈবা ওইদে। পোক্লবা মতুংদা পাপ–পুণ্য মহাকপু মহৈ পীবা ওই। মপোক করম্না মতেংদগী ফংবা ওইবগে? মদুদি ‘ঐ চন্দুভাই থক্নি অমসুং মসি ঐহাক্না তৌবনি’ অসিগুম্না ঙাংলগদি, মদুগা লোয়ন্না য়োনি (মপোক্কী) গী মরু হুন্বা ওই।

হৌজিক তৌবা-ওইবা করিগী লৈরিবনো? মতমদুদা হায়, ‘তৌবা ওইরি অতোপ্পা কনাগুম্বনা, পরশক্তিনা থবক তৌবা ওইরি অমসুং মশানা অসিগুম্না থল্লি মদুদি ঐনা তৌবনি।’ পরশক্তি (মপানগী শক্তি) গী অশেংবা প্রমণ করিনো? মদুদা হায়, ‘মসি জগত অসিদা কনাগুম্বা অসিগুম্বা অমত্তা পোক্ত্রি মদুদি খোং–হাম্নবগী স্বতন্ত্র (মশাগী) শক্তি লৈবা। মদুদি পরশক্তিনা তৌহল্লি মতমদুদা খোং–হাম্বা ওই।’

হৌজিক মসি পরশক্তি করম্না শেম্বা ওইখিবগে? মতমদুদা হায়বা ওই, জীব খুদিংমক্না অজ্ঞানদা পুণ্য অমসুং পাপ অনীমক তৌবা ঙম্মী, মদু পাপ–পুণ্য তৌবদু, মদুগী মহৈগী শক্তম ওইনা কর্মগী উদয় লাকপা ওই। মদুগী উদয়দগী মতুংদা কর্মনা নপ্পা ওই। ‘হৌজিক পুণ্য–পাপ পুনশিন্বগী মরু ওইবা হৌরকফম করিনো? মদু পুনশিন্দনবা অসিগুম্বা করিগুম্বা উপায় লৈব্রা?’ মদুদা হায়, ‘তৌবা-ওইবা মতৌ করম্না থোকহল্লোই?’ মতমদুদা হায়, ‘অজ্ঞান লৈরিবফাও, মতমদুফাও ‘ঐ তৌবনি’ মদুগী জ্ঞান লৈ। হৌজিক তশেংবদদি ‘কনানা তৌরিবনো!’ মদু খঙলবদি তৌবা-ওইবা লৈররোই।’ পাপ–পুণ্যগী য়োজনা লৈদনা, মদুনা মসি পুম্নমক তৌবা ওইরি অমসুং ঐখোয়না লৌরি, ‘ঐনা তৌরি’। কান্নবদি ঐখোয়বু মদুনা তৌহল্লি। পুণ্যগী মথা–পোন্না কান্নবা ওই, মতমদুদা ঐখোয়না থল্লি মদুদি ‘ও হোহো! ঐহাক্না তাল্লি।’ অমসুং পাপকী মথা-পোন্বা মতমদা, মদুদা অমাংবা ওই, মতমদুদা খঙবা ওই মদুদি মসিদি ঐগী মথা-পোনদে। তৌইগুম্বসুং অমুক-হন্না অনীরকসুবা কান্দা মশাগী পুণ্যগী মথা-পোন্বদা মতমদা কাওবা ওই। মরমদুনা অমুক হন্না অতৌবা-ওইবা ওই।

মসি ইন্দ্রিয়া ৫ দগী করিগুম্বা তৌবা ওইবদু, ইন্দ্রিয়া ৫দগী করিগুম্বা অনুভাবতা লাকপদু, মসি জগত চৎলিবসি মদু পুম্নমক *পরসত্তা* (মপানগী শক্তি) থক্নি, অমসুং মদুদা মসি মীয়াম্না হায়বা ওইরি মদুদি ‘মসি ঐহাক্না তৌরি’। মহাক্না কর্মগী অতৌবা ওইরি, মদুনি অহৌবা-হৌরকফম ওইবা থৌওংনি। মরমদুনা মতুংদা ফুগৎপা মথৌ তাবা ওই।

হৌজিক তৌবা-ওইবা মতৌ করম্না মাংগনি? মদুদা হায়বা ওই, *আরোপিত ভাব* (রোং-বিলিফ) লৈরিফাও মতমদুফাও তৌবা ওইবদু মাংবা ওইরোই। মশানা মশামক্কী মূর (অশংবা) শক্তমদা লাক্লগদি তৌবা ওইবদু মাংগনি। মদুগী *মূল* (অশেংবা) শক্তম করম্না তৌবগে? মদুদা হায়, ‘তৌবা-ওইবা ওইদে। মহাক মশামক তৌবা-ওইবা ওইদে মরমদুনা মহাক্না তৌবা ওইদেদনা!’ তৌইগুম্বসুং মসিদি অজ্ঞাননা মরম ওইদুনা পাইশিন্দুনা ফল্লি মদুদি ‘মসি ঐ থক্না তৌরি’। অসিগুম্না মহাক্না জ্ঞানমাংবা-খুবমদা ফমলি অমসুং মদুনি *আরোপিত* ভাব।

## অরোইবদদি তোঙাণ্না তাগনি পাপ-পুণ্যদগী...

পুণ্য, মদু ক্রিয়াগী(তৌবগী) মহৈনি, পাপসু তৌবগী মহৈ অমসুং মোক্ষ 'অক্রিয়তা'(তৌবা ওইদবা)গী মহৈনি! তৌবা-ওইবা করিগুম্বা অমা লৈবদুদা, মদুদা পুনশিন্ব(কর্ম পুনশিন্বা)নি। মদু মতুংদা পুণ্যগী ওইরগসু নত্রগা পাপকী, তৌইগুম্বসুং পুনশিন্বনি! অমসুং 'থঙবা' মদু মুক্তি(নান্থোকপা)নি। 'বিজ্ঞান' থঙবদগী মুক্তিনি। মসি পুম্বা ত্যাগ(কৎথোকপা)তৌবমখৈদু, মদুগী মহৈ ফুগৎপা মথৌ তাই। ত্যাগ তৌবা ঐখোয়গী থুৎকী সত্তা(শক্তি)রা? লৌশিন্বা-ওইবদু ঐখোয়গী সত্তারা? মদুগী সত্তাদি পাপ-পুণ্যগী মখা পোল্লি।

## মনুংদা প্রেরক (ভাৰ ফাওহল্লিবদু) কনানো?

মনুংদগী করিগুম্বা থঙবদু, ইনফোর্মেশন ফংবা ওই, মদু পুণ্য-পাপপু তাকপা ওই। মনুংদা পুন্নমক জ্ঞান-দর্শন লৈ। মনুংদগী পাও পুন্নমক ফংবা ওই। তৌইগুম্বসুং মদু কদায় ফাওবা ফংবগে মদুদি অদোম্না লেপহন্দ্রিফাও। মদুগী য়েৎথায়-থীংগায়রগদি ইনফোর্মেশন লাকপা লেপ্পা ওইরগনি।

আত্মা পরমাত্মা শক্তমনি। আত্মানা অরান্বসু থঙবা ওইদে অমসুং অচুম্বসু থঙহন্বা ওইদে। মদুদি পাপকী উদায় লাক্লবা মতমদা অরান্বা থঙবা ওই অমসুং পুণ্যগী উদায় লাকপা মতমদা অচুম্বা উহন্বা ওই। মসিদা আত্মানা করিসু তৌবা ঙমদে। মহাক্তি বাইব্রেশনশিং থকপু য়েংদুনা লৈবা ওই! পুক্লিংলুপ্পবদি মনুংদগী ঐখোয়গী কর্মগী উদায়না মতেং পীবা মতমদুদা থোকপা ওই। উদয়না মতেং পীদ্রবদি থোকপা ওইদে। পুণ্যগী উদায় ওইরগদি পুক্লিংলুপ্পা ওইবা ওই, পাপকী উদয় ওইরগদি পুক্লীংলুপ্পা ওইবা ওইদে।

## 'জ্ঞানী' নিমিত্ত, আত্মা ফংন্নবগী

**ৱাহং-হংলিবা :** আত্মাবু থঙন্নবগীদমক *নিমিত্ত*কী দরকার ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** *নিমিত্ত* য়াওদনদি করিসু তৌবা ওইদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** নিমিত্ত পুণ্যদগী ফংবা ওইব্রা নত্রগা পুরুষার্থতগী?

**দাদাশ্রী :** পুণ্যদগী। মসি নত্তনা, পুরুষার্থ তৌরগদি, মসিগী উপাশ্রয়দগী মদুগী উপাশ্রয়দা চেন্দুনা লৈ, অসিগুম্না মশিং-থীঙমদ্রবা মপোক কয়া কয়াফাও কোচৎ-চত্তুনা লৈরগসু, নিমিত্ত ফংবা ওইরোই অমসুং ঐখোয়গী পুণ্য লৈরগদি লম্বীদা থেংনগনি। মদুগীদমক পুণ্যনুবনধী পুণ্য দারকার ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** 'জ্ঞানী পুরুষ' করম্বা পুণ্যগী মতেংনা ফংবগে?

**দাদাশ্রী :** পুণ্যনুবনধী পুণ্যগী মতেংনা! মসি উপায় অমথক্লি মদুদি মসিনা মরম ওইদুনা ঐহাকপু থেংনগনি। কোটি মপোকশিংগী পুণ্য হৌগৎপা, মতমদুদা মসি

জ্ঞানী পুরুষকী য়োগ ফংবা ওইগনি।

## পুণ্য মওং-ওইবা মতেং মোক্ষকী...

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্যগী ভাৱ আত্মাগীদমক কান্নবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** মদু আত্মাগীদমক কান্নবা মরমসিগীনি মদুদি মদুগী পুণ্য লৈরগদি, মদু ওইরগদি মসি সতসঙ্গদা জ্ঞানী পুষরুকী মনাক্তা লাকপা ওইদনা! নত্রগদি মসি খুৎশুমল শুজবশিংগী পাপ লৈ, মরমদুনা তোল্লবা মঙোন্দগী মসিদা করম্না লাক্কনি? নুমিৎ চুপ্পা হোৎনরবা, মতমদুদা নুমিদাংৱাইরম চান্নবা পৈশা ফংবা ওই। মসি পুণ্যগী মতেংদগী অদোম্না য়ুমদা ফমদুনা চান্নবা ফংই অমসুং য়াম্বা-য়ামদনা অহাংবা ফংই। মরমদুনা পুণ্যদি আত্মাগীদমক কান্নবনি। পুণ্য লৈবা ওইরগদি মতম অহাংবা ফংই। ঐখোয়না অসিগুম্বা সঙয়োগ ফংবা ওই, খজিক্তং হোৎন্বগা পৈশা ফংবা ওই অমসুং পুণ্য লৈরগদি অতোপ্পা পুণ্যলৈবা মীয়াম থেংন্বা ওই, নত্রগদি ওক্তবা থেংন্বা ওই।

**ৱাহং-হংলিবা :** আত্মাগীদমক মদু হেন্না কান্নবা ওইব্রা?

**দাদাশ্রী :** হেন্না কান্নবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মদু দরকারদি ওইদনা? করিগুম্বা মতমদা এক্সেপশনল কেসতা পাপ লৈরগদি য়াম্না কান্নবা ওইবা ওই, তৌইগুম্বসুং পুণ্যনুবনধী পাপ ওইগদবনি। পুণ্যনুবনধী পাপ লৈরগদি, মদু ওইরগদি হেন্না কান্নবা ওইবা ওই।

## পাপ-পুণ্য, অনীমক ৰোং-বিলিফ?

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্য লৈবা মীওই ওইবা মহাকপু পুন্নমক্কা 'লাকও, ফম্বীয়ু' তৌরি, মদু ওইরগদি মদুদগী মহাক্কী অহম (ইগো) হেঙ্গৎলোইদ্রা?

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্বনি, মদুদি মসিগী ৱাফমসি জ্ঞান লৈবা মীওই মখোয়গীদমক নত্তে। মসিদি সংসারগী ৱাফম্নি, 'জ্ঞান' লৈবা অদুদা মহাক্তি পুণ্যসু লৈত্রে অমসুং পাপসু লৈত্রে! মহাক্তি অনীমক্কী '*নিকাল*' তৌগদৌবদু থক লেমহৌরি। মরমদি পুণ্য অমসুং পাপ অনীমক ৰোং বিলিফ (অরান্বদা থাজবা) নি। তৌইগুম্বসুং জগতনা মদুবু য়াম্না মমল লৈবা ওইনা লৌরি! মরমদুনা মসিদি জগতকী ৱারি শান্নবনি। তৌইগুম্বসুং মসি জগত্তা মীয়াম্না থবক লৈতনা কোচেন-চেনচোংদুনা লৈরি।

## পুণ্য য়াম্না লৈবনা , হেঙ্গৎহল্লি অহংকার...

অসিগুম্বনি, মসি কলিয়ুগনি, মদুদা অপাম্বা লৈবা অমসুং মদুগী ফংবা ওইরগদি মদুগী অহংকার হেঙ্গৎপা ওই অমসুং মতুংদা গাড়ী ওন্না চৎলি। মসিগী কলিয়ুগতা মতমচুপ্পদা মহাকপু চৈনা ফংলগদি অফবনি। হায়বদি য়ুগ খুদিংদা মসি ৱাফমসি তোঙান-তোঙান্বা মখলগী ওইবা ওই। মরমদুনা মসি য়ুগ অসিগা মরী-লৈন্না অসিগুম্না হায়গনি। হৌজিক্তি অপাম্বগী মতুং-ইন্না ফংবা ওইরগদি মহাক্কী

অহংকার হেঙ্গৎপা ওইগনি, ফংবা ওই পুন্নমক পুণ্যগী হিসাবতগী অমসুং হেঙ্গৎপা করি ওইবগে? অহংকার, 'ঐ নি'। মরমদুনা মসিগী অপাম্বা লৈবশিংসি, মখোয়গী মতুং ইন্না ওইদ্রগদি, মতমদুদা মহাক্কী অহংকার মফমদা লৈবা ওই অমসুং ৱাফমদু জ্ঞানতাবা ওই। চৈনা-ফংবা মতমদা জ্ঞানতাবা ওই, নত্রগদি খঙবা ওইদেদনা! অপাম্বা ওইবা অমসুং ফংবা ওইরগদি, মদুদগী মসি মীয়াম্না মথক্তা কাখৎলি। অপাম্বগী মতুং-ইন্না ফংই, মরমদুনা মসিগী দশাসি ওইরি তোল্লবশিংনা। লৈরম্বা পুণ্য অদু খর্চ ওইখ্রে অমসুং ওন্নবদা ফাজিন্বদা লাক্লি অমসুং অহংকার হেন্না চাওবা ওইরে! অহংকার হেঙ্গৎপদা তপ্পা ওইদে। মহৈ কনানা পীবগে? পুণ্য পীবা ওই অমসুং পূক্লীংদা করি খন্বগে মদুদি 'ঐ খল্লা তৌরি।' মরমদুনা অহংকার তৌরিবদুদি চৈ-চাবা মদুনা ফৈ। অফবা ওইরি অমসুং খুদক্তা ফংবা মদুদি মতুংদা য়ুমদা খোংদি ৱাংনা থাংগত্তুনা লৈ। মপাবুসু করিসু তাবিদে অমসুং কনাবুসু করিসু খনদে। মরমদুনা অপাম্বা ফাওবা অমসুং ফংবা ওইরগদি খঙউ মদুদি অনেম্বা মপোক্তা চৎকদৌবা ওইরি, মহাক্কী মকোক হেঙ্গৎতুনা-হেঙ্গৎতুনা মকোক-চাকপা ওই। খরা-খক্তি হৌজিক অপাম্বগী মতুং ইন্না ফংবা ওইরি, মখোয়দি হৌজিক লুপা লাক্ষকী প্লেটতা লৈবা ওইরি অমসুং মখোয় পুন্নমকপু শা-ষণগুম্বা দশা ওইরি। প্লেট ওইরমগনি লাক্ষকী, তৌইগুম্বসুং মদু মহাক্কীদমক কান্নবা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মসিদি মখোয়দা দয়া (মীনুংশি) খম্বা য়াবা মদুগুম্বা ফিভম্নি।

## পুণ্যদগীসু হেঙ্গৎহল্লি সংসার...

**ৱাহং-হংলিবা :** পুণ্যগী ফাজিনবদগী সংসারদি হেঙ্গৎলি, মদুগুম্বা অর্থ ওইরেদনা?

**দাদাশ্রী :** পুণ্য অসিগুম্না কান্নবদি ওইদে। পুণ্যদি মখল অমা ওইনা হেল্প তৌবা ওই। পাপ লৈবা, মদু ওইরগদি জ্ঞানী পুরুষ ফংবা ওইরোই। জ্ঞানী পুরুষপু থেংননিংবা, তৌইগুম্বসুং নুমিৎ-চুপ্পা মিলদা থবক তৌবা ওইরগদি করম তৌনা ফংগনি? মরমদুনা মসিগুম্না পুণ্যনা হেল্প তৌই। অমসুং মদুসু পুণ্যনুবনধী পুণ্য ওইবদুনা হেল্প তৌবা ওইরি।

**ৱাহং-হংলিবা :** পাপতগী সংসার হেঙ্গৎপদুগুম্না, মদুগুম্না পুণ্যদগীসু সংসার হেঙ্গৎলিদনা?

**দাদাশ্রী :** পুণ্যদগীসু সংসারদি হেঙ্গৎলি, তৌইগুম্বসুং মসিদগী মোক্ষতা চৎখিবশিংদুদি, মখোয় অদুক্কী মতীক পুণ্য লৈবা ওইরম্মী। মহাক্কী অকোয়বদা করিগুম্বা রানিশিং য়েংবা চৎলগদি ২০০-৫০০দি রানিশিং লৈরম্মী অমসুং রাজ্যদি য়াম্না চাউবা ওইরম্মী। মশামকপু খঙবা ওইরমদে মদুদি করম কান্দা নুমিৎ থোক্কে অমসুং করম কান্দা তারে, পুণ্য লৈবদি অসিগুম্বা নুংঙাই-য়াইফবদা পোকপা ওই! রানিশিং অদুক্কী মতীক য়াম্না লৈরম্মী। নুংঙাই-য়াইফরগসু মহাক্কা অতম্বা ফাওরম্মী মদুদি মসি সংসারদা করি নুংঙাইবা ওইবগে? রানি ৫০০ শিংগী মনুংদগী রানি ৫০দি মঙোল্দা হরাওবা ওই, লেমহৌবশিংদুনা মমায়-পোমদুনা কোয়চৎ-চৎলম্মী। কয়া অমদি

নিংথৌবু হাৎন্বা হোৎনরম্মী। হায়বদি মসি জগত্তি অদুক্কী মতীক অৱাবা ওইবনি। মসিদগী লান্থোকপদি য়াম্না লুই। জ্ঞানী পুরুষ ফংলগদি মহাক থক্লা নান্থোকহন্বা ঙম্বা ওই, মসি নত্তবা অতোপ্পা কনানা নান্থোকহন্বীবা ঙমদে। জ্ঞানী পুরুষ ফাজিন্বদগী নান্থোকপা ওইরি, মরমদুনা ঐখোয়বু মুক্তি ফংহন্বা ঙম্মী। মহাক *তরণতারণ* [সংসারগী ঈপাক লান্থোক্তুনা তোর্বন(মোক্ষ) য়ৌহন্বা ঙম্বা] ওইরি, মরমদুনা মহাক্না নান্থোকহন্বা ঙল্লি।

## হেন্না পুণ্য লৈবনা, ফংবা ওইদে জ্ঞানীবু

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐখোয়না মীয়াম কয়াবু খঙহল্লি মদুদি 'দাদা'গী নাক্তা লাকউ, তৌইগুম্বসুং মখোয়না লাকপা ওইদে।

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং লাকপা অরাইবা নত্তে। মদুদি পুণ্য য়াম্না দরকার ওই। অদুক্কী মতীক পুণ্য লৈবা মতমদুদা ফংবা ওই। পুণ্য য়াওদনা কদায়দগী ফংগনি? অদোম্না পুণ্য কয়া তৌখি, মতমদুদা ঐহাকপু ফংলি। হায়বদি পুণ্য ৱাৎপা ওই মদুগী মরম্না মখোয়না হৌজিকফাও ফংবা ঙম্বা ওইদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মীয়ামগী পুণ্য করম কান্দা হৌগৎকনি? *নিমিত্ত*তি অদুক্কী অৱাংবা ওইরি।

**দাদাশ্রী :** হোয়, তৌইগুম্বসুং পুণ্য হৌগৎপা ইরাই-লাইবা ৱাফমদি নত্তেদনা। পুণ্য লৈবা ওইরগদি, মহাক্কী পুণ্য হৌগৎতনদি লৈবা ওইরোই। হৌজিকসু পুণ্য লৈবা ওইরগদি, মহাক শোয়দনা হৌগৎকনি।

## অক্রম লম্বীগী লোটরীদা মায়পাকপা..

মসি পুণ্যনুবনধী পুণ্য লৈবা মখোয়শিংগীদমক অসিগুম্বা লম্বী থোক্লক্লিদনা! *প্রত্যক্ষ*(ডাইরেক্ট) য়াওদনা করিসু ওইথোকপা ওইদে। 'বীতরাগ সাইন্স' প্রত্যক্ষ য়াওদনদি কান্নবা য়াবা মদুগুম্বা নত্তে অমসুং মসিদি 'অক্রম সাইন্স' মসিদদি কেশ ডিপার্টমেন্ট, কেস বেঙ্ক অমসুং ক্রমিকতদি ত্যাগ তৌই, তৌইগুম্বসুং কেস মহৈ লাকপা ওইদে অমসুং মসিদি কেস মহৈ লাকপা ওই!

অসিগুম্বা জ্ঞান মসি অরব(করো ১০০)৩ তংখায়গী মীশিংদা কনানা পামদবগে? পুন্নমক্লা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং মসি জ্ঞান পুন্নমক্কীদমক নত্তে। মসিদি য়াম্না পুণ্য লৈবশিংগীদমক্লি। মসি 'অক্রম সাইন্স' *প্রকত* (ফাওগৎলক্লি) ওইরি, মদুদা মীয়ামগী করিগুম্বা পুণ্য লৈরমগনিদনা! ভগৱান অমখক্কী মথক্তা থাজবা-থল্লিবনা কোয়দুনা, লমুকনরবা, ভক্তশিংগীদমক অমসুং পুণ্য লৈরিবা মখোয়গীদমক 'মসি' লম্বী থোক্লক্লি। মসিদি পুণ্য য়াম্না লৈবা মখোয়শিংগীদমক্লি অমসুং মসিদা সহজ ওইনা লাকপা ওইবা অমসুং অশেংবা ভাৱনাদগী নীবা মখোয়বু পীবা ওই। তৌইগুম্বসুং মীয়ামবু মসিগীদমক করিগুম্ববু হায়বা চৎপগী মথৌ তাদে। মসি 'দাদা'গী অমসুং

মহাক্কী মহাত্মাশিংগী নুংশিৎ থক্তগী জগতকী য়াইফবা ওইরগনি। ঐহাক্তি *নিমিত্ত*নি, তৌবা নত্তে। মসিদা কনাগুম্বনা ভাৱনা ফাওবগা অমসুং ‘দাদা’গী দর্শন তৌরগদি মদুগী দর্শন অরোইবফাও য়ৌবা ওই। ‘দাদা’ মহাক মসি হকচাংগী নক্কবা য়ুমথংন্বগুম্না লৈ অমসুং মসি ঙাংলিবসি মদু রেকোর্টনি। মসি ‘অক্রম জ্ঞান’দি খরা থক য়াম্না পুণ্য লৈবা ওইবা, মখোয়গীনি, মসিদদি ‘সহজ’ ওইনা লাকপদুনা অমসুং মহাক্কী পুণ্যগী পাসপোর্ট পুদুনা লাক্লগদি, মহাকপু ঐহাক্না জ্ঞান পীবা ওই। ‘দাদা’গী থৌজাল ফংলবদুদি, মহাক্কী থবক লোইরে!

মসিদা লাকপা মীয়াম পুম্নমক পুণ্য কয়াদা ফজনা পুদুনা লাক্লিবা! ‘দাদা’গী লিস্টতা ফমদুনা মোক্ষতা চৎকনি। মপোক করোরশিং পুণ্য তুংশিন্বা, মতমদুদা ‘দাদা’ ফংবা ওই! অমসুং মতুংদা করিগুম্বা মখল ডিপ্রেশন ওইরবসু মদুসু মাংবা ওইগনি। মখল কয়াদগী ফাজিন্বা ওইরিবশিংগীদমক ‘মসি’ মফম্নি। ঐখোয়গী মসিদদি ক্রোনিক (অরিবা) লৈনা মাংবা ওইরি।

## মালেমসিদা *অরব* (করোর ১০০) পতিশিং কয়াম?

মহারাজ অমা করিগুম্বা মফমদা লাক্লম্মী, মদুদা মীওই লাক্ষ কয়া পুন্বা ওইরম্মী। মসি নত্তবদা ঐখোয়গী মসিদদি ২০০-৩০০মীয়াম পুন্বা ওই। ঙল্লিমখৈ অরোইবা স্টেশনগী টিকেট কনানা লৌগনি? মদুগুম্না মী য়ামদবা ওই অমসুং মরক্কী স্টেশনগী টিকেট পুম্নমক্না লৌবা ওই। মরমদুনা মীওই অমনা ঐঙোন্দা হায়রম্মী মদুদি, ‘অসিগুম্না করিগী?’ মদুদা ঐহাক্না হায়রম্মী, ‘মালেম পুম্বদা অরবপতিশিংগী মীং মশিংথীবা ওইরগদি কয়াম্না লৈরমগনি?’ মদুদা হায়, ‘মখোয়দি থজিক থক ওইরমগনি।’ ঐহাক্না হায়, ‘অমসুং ইচমচম্বা মীওই?’ মদুদা হায়, ‘মখোয়দি য়াম্না লৈরমগনি।’ মতমদুদা মসি ধর্মদা খ্বাইদগী-হেন্না পুণ্য লৈবা ওইবদু, মখোয় ঐহাকপু থেংনগনি, অমসুং পৈশাগী পুণ্য লৈবা ওইবদু মখোয়দি অরবপতি ওইগনি অমসুং অরবপতিদগীসু হেন্না ৱাংবা পুণ্যনি মসিদি! অসুম ওইনদি মশিং য়াম্না য়ামদবা ওই।

পুণ্যনুবনধী পুণ্য ‘জ্ঞানী পুরুষ’কা থেংনহন্বা ওই! হৌজিক মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য করম্ববু কৌবগে? মদুদি কনাগুম্বনা ‘দাদা ভগৱান’ ফংলগদি। মপোক করোর-করোর ফাও ফংবা ওইদবা মদুগুম্বা ‘দাদা’, মহাক্না পুং ১গী মনুংদা ঐখোয়বু মোক্ষ পীবা ওই। মোক্ষকী মহাও তংহল্লি, অনুভুতি (ফাওহন্বা) ওইহল্লি, য়াম্না তাংনা মদুগী দাদা ভগৱান ফংবা ওই, ঐহাকপুসু ফংলি অমসুং অদোমবুসু ফংলি, য়েংউনে!

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐখোয়না কদায়দা করিবু তান্দুনা পুরক্লিবা? মসিদি অদোমগী থৌজালনি।

**দাদাশ্রী :** পুণ্য হায়বদি করিনো মদুদি অদোম ঐহাকপু ফংবা, মদু অদোমগী নাক্তা করিগুম্বা হিসাব লৈবা মদুগী মথা-পোন্ননি! নত্রগদি ঐহাকপু ফংবা, মদু য়াম্না ৱাবা অমনি। মরমদুনা ফংবা মদু অদোমগী পুণ্যনি মখল-অমগী, অমসুং ফংলবা মতুংদা লাক্লদি, কৈদৌঙৈদা থাদোক্তনা লৈবা, মদু ওইরগদি য়াম্না ৱাংবা ৱাফম্নি।

## পুণ্যগা লোয়ন্না দরকার ওই কষায় হন্থবা

**ৰাহং-হংলিবা :** সমকিত কীদমক হোৎন্বসি দরকার ওইদব্রা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, হোৎন্বদি মশা-মথন্তা, সহজ হোৎন্বা ওইগনি। মসিদি লৌবুক্তা লৌ-খোয়রি মসি মীয়াম! হায়বদি লাক্কদৌবা মপোক্তা মহৈ লোকন্নবগীদমক। সমকিত তা মহৈ লোক্লোইদবা ওইগদবনি। মসিদি জপ-তপ অসিনচীংবা তৌবশিংদু, মদুগী পুণ্য পুনশিন্বা ওই অমসুং মদুগী মহৈ ফংবা ওই।

**ৰাহং-হংলিবা :** মদুগী করিগুম্বা মহৈ ফংবদু মদু সমকিতকী মওংদা থক ফংবা ওইগদবনিদনা?

**দাদাশ্রী :** নত্তে, নত্তে। সমকিত অমসুং মসিগা করিসু মরী লৈনদে। মদুগী মহৈ পুন্নমক মপানগী ফংবা ওই। লাই-মপোক ফংবা ওই, সমকিততি তোঙান্বা পোৎনি।

## মদুগী নিয়ম অহুম পুণ্যনুবনধী পুণ্যগী

সমকিত ফংন্নবগীদমক পুণ্যনুবনধী পুণ্য দরকার ওই। মোহ লৈবদু মদু মাংবা ওইগদবনি, *কষায়* (অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা) হন্থবা ওইগদবনি। মদু ওইরগদি মদু সমকিতকী মাইগৈদা চৎকনি। নত্রগদি মতুংদা সমকিত করম্না ওইগনি? মখোয়শিংগীদি অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা হেঙ্গৎকদবা মদুগুম্বা থবকশিংনি পুন্নমক।

**ৰাহং-হংলিবা :** অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা করম্না হন্থবা ওইবগে অমসুং পুণ্যনুবনধী পুণ্য করম্না পুনশিন্বগে?

**দাদাশ্রী :** ঐখোয়না মোক্ষ থক চৎন্বগী অপাম্বা লৈগদবনি অমসুং মদুগী অপাম্বগী মতুং ইন্না করিগুম্বা তৌবশিংদু, মদুগী থবকশিং পুণ্যনুবনধী পুণ্য পুনশিন্বা ওই, মরমদি পান্দম মোক্ষকীনি মরমদুনা।

মতুংদা ঐখোয়গী নাক্তা লাকপথৈদু মদু অতোপ্পশিংগীদমক কৎথোকপা! মদুবু পুন্সি হিংবা হৈবা কৌগনি। ঙাওবদগী নত্তে, খঙনা-জ্ঞানতানা কৎথোকপা। ঙাওবদগীদি য়ু-নুং থকপা ওইবনা, মদুদা করিসু অফবা ওইদে। কৈদৌনুংদা নিশা-শিজিন্নদবা অমসুং অতোপ্পশিংগীদমক কৎথোকপা, মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য কৌবা ওই।

মদুদগীসু ৱাংবা পুণ্যনুবনধী পুণ্য করম্বা? করিগুম্বা থবক্তা মহুৎ-লৌনবা থমদবা, মাংদা লৈরিবদুবু নুংঙাইবা-পীবা মতমদা করিগুম্বা মখলগী মহুৎ লৌনবগী অপাম্বা থমদবা, মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য!

## জ্ঞান থক্তনা নাম্থোকহল্লি ঙাওচৎন্বদগী

মীয়াম্না খঙলিবদু, মদু *লৌকিক* (সংসারগী) জ্ঞাননি। অশেংবা জ্ঞানদি

তশেং–তশেংবা ওইবা ওই অমসুং তশেং-তশেংবা জ্ঞান লৈরগদি, মদুনা করিগুম্বা মখলগী অশান্তি ওইহন্বা ওইদে। মদু মনুংদা করিগুম্বা মখলগী চমমন্বা লৈহনদে। মসি রোং (অরান্বা) জ্ঞানদগীদি চমমন্বা খক লৈহন্বা ওইরি, অমসুং মদুগী চমমন্বা মতুংদা সোল্প তৌবা ওইদে। ৱাফম অশেংবনি, তৌইগুম্বসুং মদু খঙবদা লাকপা ওইগদবনিদনা? হায়বদি খঙবদা ফিট তৌদ্রিখি কৈদৌনুংদা উপায় লাক্তে। খঙবদা ফিট ওইগদবনি। খঙবদা লাকপা য়াবা মদুগীদমক পাপ চামথোকপা মথৌ তাই। পাপ চামথোক্তিফাও মতমদু ফাও মফম–মরাং খঙবা ওইদে। মসি পুন্নমক পাপ থক্না চমমনহল্লি। পাপ মওং ওইবা অমসুং পুণ্য মওং ওইবা পংচর (অথীংবা) লৈ মরাক্তা। মদুনা মীওইববু চমমন্বা ওইহল্লিদনা!

মশিং–থীঙমদ্রবা মপোক কয়াদা কোচৎ-চৎতুনা মসি মপাল–থোং (সংসার) অসি থক্কী মতুং ইন্নরি। মসি মপাল থোং (সংসার) সিদা মনুংগী শান্তি লৈতে। পৈশাশিংগী ফমুং শেমদুনা থারবসু মদু ওইরগদি তুম্বা য়াগদ্রা? মসিদি মশাগী মশিং–থীঙমদ্রবা শক্তি পুন্নমক মাংখ্রে!

জ্ঞানী পুরুষনা পাপপু চামথোকপীরি। কৃষ্ণ ভগৱান্না গীতাদা হায়রি, জ্ঞানী পুরুষ পাপকী পোৎয়োম শেমদুনা মাংহল্লি। মদু পাপতুগী মাংহন্বা মতমদা আত্মা প্রকত ওইবা ওই, নত্রগদি করিগুম্বা মওংদগী আত্মা প্রকত ওইবা ওইদে। মশানা মতৌ করম্না পাপপু মাংহনগনি? অনৌবা পুণ্য শোয়দনা পুনশিন্বা ঙম্বা য়াই, তৌইগুম্বসুং মমাংগী লৈখিবা পাপশিংবু মাংহন্বা ঙমদে। জ্ঞানী পুরুষকী জ্ঞান থক্না পাপশিংবু মাংহল্লি।

মসি নত্তনদি, পুণ্য অমসুং পাপ, পাপ অমসুং পুণ্য, মদুগী ফাজিনবদুদা মীওইবা ঙাওচৎন্বা থক তৌদুনা লৈ। মহাক্না কৈদৌনুংদা মদুদগী মুক্তি (নাল্হোকপা) ফংবা ওইদে। য়াম্না পুণ্য তৌরগদি য়ামবদগী য়াম্বা লাই (শ্বর্গ) গী মপোক ফংবা ওই, তৌইগুম্বসুং মোক্ষতি কৈদৌনুংদা ফংদে। মোক্ষতি জ্ঞানী পুরুষপু ফংবা, অমসুং অদোমগী হৌখ্রবা মশীং–থীঙমদ্রবা মপোক কয়া–কয়াগী পাপশিংবু ঊৎ ওলহন্দুনা অদোমগী খুত্তা *শুদ্ধ* (অশেংবা) আত্মা পীবা ওই। মতমদুফাও য়োনি (মপোক) লাক্ষ ৮৪শিংদা কোচৎ-চৎতুনা লৈগনি।

‘ঐহাক্না’ জ্ঞান পীরি, মতমদুদা চিত্ত শেংহন্বা ওই। পাপপু মাংহন্বা ওই অমসুং *দিব্যচক্ষু* (অথোইবা দ্রষ্টি) পীবা ওই, মখল কয়াদগী মহাক্কী আত্মা অমসুং অনাত্মাবু তোঙান তাহল্লি!

## বীজা, মহাবিদেহ ক্ষেত্রগী

**ৱাহং-হংলিবা :** মহাবীদেহ ক্ষেত্রদা মতৌ করম্না চৎপা য়াবগে? পুণ্যদগী?

**দাদাশ্রী :** মসি জ্ঞান ফংলবা মতুংদা ঐহাক্কী আজ্ঞা ৫বু য়াথং ইল্লবদি, মদু ওইরগদি মহাক্না মসি মপোকসিদা পুণ্য পুনশিন্বা ওইরি, মদু মহাবীদেহ ক্ষেত্রদা

পূবা ওই। আজ্ঞাবু য়াথং ইনবদগী ধর্মধ্যান ওইবা ওই। মদু পুন্নমক মহৈ পীগনি। ঐখোয়না মোক্ষতা চৎকনি, মফমদুদগী মোক্ষতা চৎপা য়াগদবা, পুণ্য মদুখৈ দরকার ওই। মসিদা অদোম সীমনধর স্বামীগী তৌবা ঙল্লিবখৈ( ভক্তি–নীংজবা), মদুখৈ পুন্নমক অদোমগী লাক্লে।

অদোম্না সীমনধর স্বামীগী মীংদি তারেদনা? মহাক হৌজিক তীর্থঙ্করনি, মহাবীদেহ ক্ষেত্রদা ঙসি মহাক্কী উপস্থিতি লৈ। সীমনধর স্বামীগী চহী কয়াম্না য়াম্বগে, চহী ৬০-৭০গী ওইরমগদ্রা? চহী লাক্ষ ১গা লিশিং ৭৫,০০০গী পুন্সিনি! হৌজিক চহী লাক্ষ ১গা লিশিং ২৫,০০০ হিংগদৌরি! মসিনা মহাক্কা লোয়ন্না ৱায়র শমজিন্নহল্লি। মরমদি মফমদুদা চৎকনি। মসিদগী মোক্ষ চুমদ্রিং-চুন্না ওইগদবা ওইদ্রে। হৌজিক মপোক অমা লেমহৌরি। মহাক্কী মনাক্তা ফমগনি মরমদুনা ৱায়র শমজিন্নহনগে।

অমসুং মসি ভগৱান ৱলর্ড পুম্বগী য়াইফবা তৌগনি। ৱলর্ড পুম্বগী য়াইফবা ওইগনি মহাক্কী নিমিত্ত তগী। মরমদি মহাক হিংলি। মোক্ষতা চৎথ্রবদুদি, মঙোন্দগী করিসু তৌবা ঙমদে, মহাক্কী ভক্তিদগী পুণ্য থক পুনশিন্বা ওইরি, সংসার মহৈ পীবা ওইবা!

## মফমদুদা পুণ্য অমসুং পাপ অনীমক *নিকালি...*

ধর্ম মথল ২গী লৈ। অমনা স্বভাবিক ধর্ম, মদুবু রিয়ল ধর্ম কৌবা ওই। অমসুং অনীসুবদা বিভাবিক ধর্ম, মদুবু রিলেটিব ধর্ম কৌবা ওই। 'শুদ্ধ আত্মা' ফংলবা কান্দা, মতমদুদা স্বভাবিক ধর্মদা লাকপা ওই। স্বভাবিক ধর্ম থক অশেংবা ধর্মনি, মদুগী ধর্মদুদা অফবা–ফত্তবা করিসু থন্নবগী লৈবা ওইদে। বিভাবিক ধর্মদা পুন্নমক থন্বা ওইবা ওই।

দান তৌবা, মীয়ামদা মতেং-পাঙবা, ওবলাইজিঙ্গ নেচর থম্বা, মীয়ামগী সেবা তৌবা, মদু পুন্নমকপু রিলেটিব ধর্ম কৌবা ওইরি। মদুদগী পুণ্য পুনশিন্বা ওই। অমসুং তাথীনা ঙাংবদগী, হাৎনা-শুন্বা তৌবদগী, লুট তৌবদগী পাপ পুনশিন্বা ওই। পুণ্য অমসুং পাপ লৈরিবমখৈ, মদুদা রিয়ল ধর্ম লৈতে। রিয়ল ধর্মদি পুণ্য–পাপ লৈবা ওইদে। পুণ্য–পাপপু *হেয়* (থাদোকপা য়োগ্য) থনবা মদুদা অমসুং ইশাগী আত্মা শক্তমবু *উপাদেয়* (লৌশিন্বা য়াবা য়োগ্য) থনবা ওইবা, মফমদুদা 'রিয়ল ধর্ম' লৈ। মতৌ অসুন্না মসি 'রিয়ল' অমসুং 'রিলেটিব' অনীসি তোঙান–তোঙান্বা ধর্মনি।

'ঐ কনানো' খঙবা ওইদ্রিফাও, মতমদুফাও পুণ্য লৌশিন্বা মওং থক ওইবা ওই অমসুং পাপ থাদোকপা মওংদা লৈবা ওই। পুণ্য–পাপ থাদোকপা ওইরগদি, মদুদা সমকিত! ভগৱান্না হায়বা ওই মদুদি পাপ–পুণ্য অনীগী মথক্তা কনাগুম্বনা য়েংথীন্বা–চান্নবা লৈতবা মহাক 'বীতরাগ' নি!

**–জয় সচ্চিদানন্দ**

# ওরিজিনল গুজরাতী ৱাহৈশিংগা মান্নবা ৱাহৈশিং

*উপরী* : বোস, মপু

*কল্প* : কালচক্র

*গোঠৱণী* : সেটিগ, ব্যাবস্থা

*নোনধ* : অদুক্কী মতীক চান্নবা নত্রগা য়েংথীন্বগা লোয়ন্না মতম কুইরফাও নীংশিংদুনা থম্বা, নোট তৌবা

*নিয়াণা* : ইশাগী পুন্য পুম্বা হাপতুনা করিগুম্বা পোৎ অমবু ফংন্বা হোৎন্বা

*ধোল* : খুবাক্কা য়ৈবা

*তাইফা* : মীয়ামবু পুনহন্দুনা মায়-চোপহন্বা

*উপলক* : মথক–মথক্তগী, সুপরফ্লুঅস

*কঢাপা* : থৎন্বা

*অজমপা* : অশান্তি

*রাজীপা* : গুরুশিংগী থৌজাল অমসুং পেনজবা

*সিলক* : পৈশা লন-থুম

*পোতাপণু* : ঐনি অমসুং ঐগীনি, অসিগুম্বা লৌবা

*লাগণী* : নুংশিবা মরি

*উপাধি* : মপান্দগী লাকপা অৱাবা

*চ্যৱন* : আত্মা গী দেব(লাই-ওইবা) হকচাং থাদোক্লবগী থবক

*ৱৈক্রিয়িক* : [দেবতা(লাইশিংগী থ্বাইদগী য়াংবা পরমাণুশিংদগী শাবা হকচাং মদুনা করিগুম্বা শক্তম লৌবা ঙমবা)]

*লুটবাজী* : মুনবা

******

## শুদ্ধাত্মাগীদমক প্রার্থনা (নুংতিগী অমুক্তং ঙাংগদবা)

হে অন্তর্যামী পরমাত্মা! অদোম জীব খুদিংমক্তা বিরাজমান ওইরি, মদুগুম্না ঐঙোন্দসু বিরাজমান ওইরি। অদোমগী শক্তম মদু ঐহাক্কী শক্তম্নি। ঐহাক্কী শক্তম শুদ্ধাত্মানি।

হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান! ঐহাক্না অদোমবু অমত্তা ওইবা ভাৱদগী খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তীগা লোয়ন্না খুরুমজরি।

অজ্ঞান্না মরম ওইদুনা ঐহাক্না**দোষ তৌথিবশিংদু, মদুগী দোষশিং পুন্নমকপু অদোমগী মাংদা হায়দোকচারী। মদুগী থম্মোয়শোক্না য়াম্না নুংঙাইতবা তৌজরি অমসুং অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি। হে প্রভু! ঐহাকপু ঙাকপীয়ু, ঙাকপীয়ু, ঙাকপীয়ু অমসুং অমুক-হন্না অসিগুম্বা দোষ তৌদন্বা, অসিগুম্বা অদোম্না ঐহাকপু শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু।

হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান! অদোম অসিগুম্না ক্রিপা তৌবিয়ু মদুদি ঐহাকপু খেৎন্বা-ভাৱ নান্থোক্লবা অমসুং অমত্তা ওইবা শক্তম ফংহনবীয়ু। ঐহাক্না অদোমদা অমত্তা ওইবা শক্তমদগী তন্ময়াকার লৈগে।

**(তৌথি-তৌথিবা দোষশিং অদু, মদুবু পূল্লীংদা নীংশিংউ।)

## প্রতিক্রমণ বিধি

প্রত্যক্ষ 'দাদা ভগৱান'গী সাক্ষীদা, হকচাং ওইরিবা(কনাগুম্বগী মথক্তা দোষ তৌথিবা, মদুগী মীওই অদুগী মমীং)গী পূল্লীং-ৱাহৈ-হকচাংগী য়োগ, ভাৱকর্ম-দ্রব্যকর্ম-নোকর্মদগী তোঙান্বা ওইরিবা হে শুদ্ধাত্মা ভগৱান, অদোমগী সাক্ষীদা, ঙসি ফাও ঐহাক্না তৌথিবা** দোষশিং, মদুগীদমক ঙাকপীয়ু হায়জরি। থম্মোয়-শোক্না নুংঙাইতবা তৌজরি। ঐহাকপু ঙাকপীয়ু। অমসুং অমুক-হন্না অসিগুম্বা দোষ কৈদৌঙৈদা তৌদনবা, অসিগুম্না লেংদবা ৱাশক লৌরি। মদুগীদমক মতোনলোম্বা শক্তী পীবিয়ু।

**অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা, বিষয়-বিকার, কষায় অসিনচিংবদগী কনাগুম্ববু অৱাবা পীথিবা, মদুগী দোষশিংবু পূল্লীংদা নীংশিংউ।

******

# কলম ৯শিং

**1.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা, কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা খজিক্তংফাও *অহম*(ইগো)বু নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা, অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাক্কা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা খজিক্তংফাও অহম নুংঙায়তবা তৌদনবা, অদুগুম্বা *স্যাদবাদ* (মীয়াম পুম্নমক্কা য়াবা ৱাফম) ৱাহৈ, স্যাদবাদ শাজৎ অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল-খন্নবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**2.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা করিগুম্বা ধর্মগী খজিক্তংফাও প্রমানবু নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাক্কা করিগুম্বা ধর্মগী খজিক্তংফাও প্রমানবু নুংঙায়তবা তৌদনবা অদুগুম্বা স্যাদবাদ ৱাহৈ, স্যাদবাদ শাজৎ অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল-খন্নবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**3.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা উপদেশক, সাধু, সাধবী নত্রগা আচার্যবু অবর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয় তৌদনবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**4.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগী মথক্তা খজিক্তংফাও পামদবা ফাওবা, *তিরস্কার* (উশিৎতবা; হন্থনা য়েংবা) কৈদৌনুংদা তৌদনবা, তৌহন্দন্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**5.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগা লোয়ন্না কৈদৌনুংদা অকনবা লোন, *তনতীলী* (য়ুবা ওইবা) লোন ঙাংদনবা, ঙাংহন্দনবা নত্রগা ঙাংলিবগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

কনাগুম্বনা অকন্বা লোন, *তনতীলী* লোন ঙাংলগদি ঐহাক্কা, ইকায়খুম্নবা-চম্না ঈংনা ঙাংবা লোন ঙাংন্বগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**6.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্কা কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগী মথক্তা নুপী, নুপা নত্রগা নপুংসক (নিয়ুত্রেল জেন্দর), কনাগুম্বা লিঙ্গধারি অমা ওইরবসু, মদু ওইরগদি মহাক্কা মরি লৈনবদা খজিক্তংফাও *বিষয়*(শেক্স)-*বিকার* (শাজৎফত্তবা মীৎয়েং) মরি লৈন্বা দোষ, অপাম্বা, *চেষ্ট* তৌবা নত্রগা ৱাখলগা মরি লৈনবা দোষ

তৌদবা, তৌহন্দবা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদন্বা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

ঐহাকপু, লেপ্পা-নাইদবা *নির্বিকার* (*বিকার*দগী মুক্তা) লৈনবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**7.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না করিগুম্বা মহাও অমত্তদা লুবধ(মীহৌবা) ওইদনবা শক্তী পীবিয়ু। *সমরসী*(মহাও ৬ওইবা) চীঙাং চানবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**8.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মা হৌজিক লৈবা নত্রগা লৈত্রবা, হিংলিবা নত্রগা লৈখিদ্রবা, কনাগুম্ববু খজিক্তংফাও অবর্ণবাদ, অপরাধ, অবিনয় তৌদনবা, তৌহন্দন্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদন্বা অসিগুম্বা মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু।

**9.** হে দাদা ভগৱান! ঐহাকপু জগতকী য়াইফবা তৌন্বগী *নিমিত্ত*(মাধ্যাম)ওইনবগী মতোনলোল্লবা শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু, শক্তী পীবিয়ু।

******

# Persons to Contact

**DADA BHAGWAN PARIVAR**

**ADALAJ:** Trimandir, Simandhar City, Ahmedabad-Kalol Highway
Po/Adalaj , Dist.: Gandhinagar-382421, Gujarat, India.
Tel : +91-9328661166/ 9328661177
Email :info@dadabhagwan.org

| | | | |
|---|---|---|---|
| **Mumbai:** | 9323528901 | **Delhi:** | 9810098564 |
| **Kolkata:** | 9830093230 | **Chennai:** | 7200740000 |
| **Jaipur:** | 9351408285 | **Patna:** | 7352723132 |
| **Bhopal:** | 9425024405 | **Amravati:** | 9422915064 |
| **Indore:** | 9039936173 | **Bangalore:** | 9590979099 |
| **Raipur:** | 9329644433 | **Hyderabad:** | 9989877786 |
| **Chandigarh:** | 9780732237 | **Pune:** | 9422660497 |
| **Kanpur** | 9452525981 | **Jalandhar**: | 9814063043 |
| **Bhubaneswar** | 8763073111 | **Sangli:** | 9423870798 |
| **Varanasi** | 9795228541 | | |

**U.S.A: Dada Bhagwan Vignan Institute**
Tel:+1 877-505-DADA(3232)
Email: info@us.dadabhagwan.org

**U.K: Dada Darshan (UK)**
Tel: +44 330-111-DADA(3232)
Email: info@uk.dadabhagwan.org

| | |
|---|---|
| **Germany:** +49 700 32327474 | **Australia**:+61 402179706 |
| **UAE:**+97 1557316937 | **New Zealand**:+6421 0376434 |
| **Kenya:**+254 795-92-DADA(3232) | **Singapore:** +65 91457800 |
| **Dubai**: +971 501364530 | |

**www.dadabhagwan.org**



## মোক্ষকী পান্দম, পুণ্যনুবনধী পুণ্য

সমকিত ফংল্লবগীদমক পুণ্যনুবনধী পুণ্য দরকার ওই। অশাউবা-নাপল-মায়া-মীহৌবা হন্থবা ওইবা ওইগদবনি। মতমদুদা মহাক্না সমকিতকী লোমদা চৎকনি ঐখোয়গী অপাম্বা মোক্ষ থক্তদা চৎন্বগী ওইগদবনি অমসুং মদুগী অপাম্বগীদমক করিগুম্বা তৌবা-তৌবদু, মদুগী থবক্তু পুণ্য পুনশিন্বা ওই। মরমদি পান্দম মোক্ষকীনিদনা, মরমদুনা।

মতুংদা ইশাগী মনাক্তা করিগুম্বা লৈরিবদু মদুবু কৎথোকপা! অতোপ্পশিংগীদমক কৎথোকপা, মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য কৌবা ওই। করিগুম্বা থবক্তা অমুক-হন্না লৌন্নবগী অপাম্বা থমদবা, মাংদা লৈরিবদুবু নুংঙাইবা পীবা মতমদা করিগুম্বা মখলদগী অমুক-হন্না লৌন্নবগী অপাম্বা থমদবা, মদু পুণ্যনুবনধী পুণ্য কৌবা ওই।

-দাদাশ্রী

मूल दीपक से प्रकटे दीपमाला

dadabhagwan.org

9 789391 375829

Printed in India

Price ₹50